নীলা মৃত্যু-যাত্রা ৫



বি. সি. বোরা

লীলা মতেক মতা মণ্ডা ঃ

কোংজবা :—
লেখক।

অহানবা থুংনম
১৯৭৯
কোপী ৬০০
মমল রুপা ৭

নম্ফম :—
সিটি প্রেস
পাউনা বাজার, ইম্ফাল.

ঋমাং ঋানবা

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি নত্রগ মণিপুর সরকারনা মতেং থর পীবিরেন লাইরিককসি থাদন কেংজব ওম্বনি। লীলা হায়বসি মী অয়াম্বন শান্নবকাঙ্গ য়েংবিনীংউ, পাবদি ওইদ্রে। মরম অহুন লীলা-লাইরিক কোংবদ কয়া কান্নদে। কোংপ্রবদি লীলাগী কাংবু অমন হেক্ত, অইবে অবামন পীদনা শান্নখোকপ য়াই থদ্রে।

ভাবোক য়েংবন লীলা ইব য়াদে। অয়াম্ব ভাবোক্ত মখোয়না য়েংনীংব লীলা মওংছু মকোক্ত পুরগ লাকহ্লি, মচুপা মান্নত্রগ য়েংব ওহ্লি। অহুন 'লোলিতা, আদা" ইব নবকোপ্তন হায়থিবহু কন চুম্মি হায়না থহ্লি; নোভেলগী Coflict (মুক্কব)দি কেরেক্টর অনীগী মরক্ত নত্তে, লেখক (যাতুগর) অমদি অপা-বশিংগী মরক্তনি।

"The Illusionist in charge must trip up the reader, outwig him at every turn, and in fact unseat him as the condition of the author's keeping control," অপাব মীশিংবু শুমহুন পুনব লাইরানি মাগিসি। লীলা য়েংনব টিকেট লৈগনব ভাবোক নহারোলদি শৃঙ্গার রস, বীর রস, করুণ রসশিংখা হন্ন হন্ন উংথ্রব ওাক য়েংনীংই। অরিব লেখকশিংদি মখোয়গী মাশোক্তব মতমদ মজল কাংজো চাবওম্বনি থহ্লি।

থাইনা নেপোলিয়নখোয় মতমদগী জেলদ চহি ৩০ রোম ফাজিন থমখিব, লীলা কয়া লেং শান্নহিব দি মাইর্কুইস দে সেদ পু মীন ভাওই হায়নখি। মরমদ Instinct অমদি Society গি মুক্কবহু মহাক্ক মপুন্সিদ অমদি লীলা কয়াদ উৎখিবগি। সমাজগি অফফত্ত, অচুম অরাল মাদি থোশাদে, মশাগি হুংভাইরগ লোইরে। মহাক মমাদু, মনেম্বোকপু ফত্তে হায়দুন য়াম্ন শাওখি। গুপীবু থীন লৌব, ওৎ নৈব মাগি অপাম্বনি। Sadism হায়ব বাইহু মাই মমিংদৈ লৌবনি।

মাগি "Dialogue between a priest and adying man" (1782) হায়বদুদ: "God is a super flouss hypothesis and the Redeemer of Christianity is the most vulgar of tricksters and themost arrant of all imposters". ইশ্বর হায়বসি কায়দব ময়া ন অমনি অদুগ খৃষ্ট ধর্ম্মবু চিংথৎলকপ নিপা (যীশু) দু খুাইদৈ চোয় মশাংদৈনি, খুাইদৈ মিংদাথীব লৌনমদৈনি।

হারমেন মেলভিল্লে: "It is with fiction as with religion. It should present another world, but one to which we feel the tie." অয়েংব বারীদগী ধম্মদ তৌবদুহম্বনি। অতোপ্প তাইবংপান অম উৎপ তাব, তৌবদদি মদুগ ঐরোয়গ লৌপুন অমন পুন্নিদি থজনব।

Breton (surrealist): "Beneath language lies a sunken continent, the true domain of men."

লোনগি মথাদ মহাদেশ অম লুপশিন্নুন লৈ, মতুন মীগি অশেংব লৈবাক্লি।

"Silence beckons the surrealist, its promises unspeakable freedom, তুমিনৎলৈন সুরিয়েলিষ্টশিংবু কৌরি, মশিন তম্বদ থোক্তব নীংখাতম্ব পীগে হায়রি।

ঐখোয়গি লীলাদ বারীদ ইনরিবসিদি Dadaist অমদি Surrealists শিংন উরগ বাইকুপ চাক্লি হায়বিব য়াই।

জি, সি, তোংব্রা
জুলাই, ১৭৯ ইং।

আইস ক্রীম

One act play of 1 hour duration meant for Allahabad Short play competition.

লীলা মীহৌক

১। মাখনসিং—	বৈষ্ণব	চহি ৫৫—	থাজগন
২। লন্তু (মচা)—	নাস্তিক	চহি ৩০—	লমহেন
৩। ছানা (মচানুপী)	ছাত্রী	চহি ২৪—	ইবেমহৈবী
৪। গৌরাঙ্গ শর্মা—	মাইবা	চহি ৪২—	সৌনমহিং
৫। চাওবম—	চানা-চ য়োনবা	চহি ৩৬—	মবমওক
৬। ববক—	মনাও	চহি ১৫	,,
৭। তংথৈল্লি—	মাইবী খুবাকময়ি	চহি ৩১—	হৈ-শিংবী
জেল্লি—	ইবেম শকপী	চহি ২৫	

(ভূত শাব অমগ)

যুমগী মাঙ্গোল, ফমুং ১ থারি, লৈংঙাল্লমদাই—থরান তুই চিক্লে, মকু খোংই।

মোড়া, চৌকি থারি। মাখনসিং তূম্বদ মমঙদ উই: ভূত মানব ১+গৌরাঙ্গ। লালটেন ১ মঙ্গ মঙ্গ থাল্লি?

মাখন: কনা কনানো (খংলাগে, অচুম নাখোকখি)।

গৌরাঙ্গ: ভাধন ঐপোয়নি, গৌরাঙ্গ ঐগ মীনৌ শকথঙদবা

অমগ। ঐখোয়ন কৌবগি লাকপনি কায়, কৌদে হায়রবু।

মাইখুম: মংম্ম ফিভম্ম বাংৌন পীবক্ষান। আতথি ঐবু কব কায় পীকান বুক নী গৌরাঙ্গ?

গৌরাঙ্গ: লাইশঙদ লাইপ্রসাদা ডো য়াংদব [illegible] লৈরমগদ্রা! লৈভমদ লক্ষ্মাংদ, চংখাংমদ্দ [illegible] [illegible]।

মাই: ঐদি অচৌকপদ লৈরোই, নখোম নংক্ত লোংলনি। চাবম্ম ঐদি মনা মনাং চাদে, মী চানি, হুমাংথোক্তব মী অহাণ্ডবন হান্ন চাগা।

গৌরাঙ্গ (হংসাগ): [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। নংগোন্দ অতিথি সেবা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] এখোয়না। [illegible] লাক্কনু চংলো [illegible] [illegible] [illegible] থবগ [illegible], [illegible] মাংখ্রে, মাবদ [illegible]এ।

[illegible] [illegible] চাবদে [illegible], [illegible] [illegible] কংস্রো?

[illegible] [illegible] [illegible]

মাখন (তৌন): অচ্ [illegible] [illegible] [illegible]! [illegible] কনানো!

চানা: [illegible] মচ [illegible] [illegible] [illegible]! কৈদা [illegible] অদুক তৌন লাকবকইরে?

মাখন (মখন [illegible]): [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। তৌনা

চানা: কনাস্ত [illegible], [illegible] [illegible], কনানু [illegible]? কাঙ্খল হায়গংলগে?

মাখন: অটে [illegible] হায়গংলো।

(হায়গংলগা মাখন সন [illegible] [illegible] খাঙ পায় থক থক নিক্লম্মি)

ছানা : করিগিনো বাজি থাণ্ড পায়রগ অরূম নিক্লিববো ?

মা : মঙসা তাইবলা খঙদে, কিরব হিংচাব অমা লারুম্মে।
ভুজিক লৈত্রেকে ?

ছা : কনাস্ত লৈরেয়ে।

মা : নঙস্ত মঙ নত্রেকো ?

ছা : মঙ নাত্তে, নোং ঙালে

মা : নবুং হৌদারকট থালে। (নিকই)

ছা (চেন্নগ : তাচৌ, তাচৌ! ঐখোয় বাজি কৈনো লম।

লক্ষ্ম কৈফেজুপ কোন লাক) : বাজিবু কৈদৌনিরগে?

মা : নোংচাল্লমদাইদ অকিব অম লাক্লম্মেনহৈ, খোঙ্গুন হাত্রা
য়েংজ্ব।

লক্ষ্ম : মঙল তাইবংলাও বাজি ?

মা : মঙ ওইববস্ত তাইবঙফাওব কিবরনিন মঙ নাল।

লক্ষ্ম : কনম হায়ন তৌব মঙদনো ?

মা : নঙ ঐগা গোবাঙ্গগমী চাগে হাযব হিংচাব অমগ ভুজিক্লু
লাক্লম্মে। গোবাঙ্গ থর কোক্লু চৎলু।

লক্ষ্ম : কেবা বাজি মঙগি বাবু রা ঙইন তৌরে অঙাং দৌন।
গৌবাঙ্গদ শাকটববদি থৌ তৌবিগে থয়োম চাবান থাদিগে
হায়দুন শেল পিনব। (চৎখি)

মাথন : ভুজিক কালগি কে রা পার্টিগি অঙাংশিংসিন মমা মপা
অতল লমন্ন হায়দ অস্তুক থোশাদবসিবু করি থোক্লদগে ?
(ছানান গুলী থর চেদ য়োম পীরৈ)

চান : অক্কম হৌব ফজব গুল'নি অম য়োৎশিল্লো।

মা : থমখো নুপীমচা ঐ হকচাং শেংদোকখিগে। নচ চংলু বামোন গৌরাঙ্গত্ ঙক্হাক্ত কোইথোরকউ হায়রু।

চা : য়াম্ন ঙাওশিন্নব বামোন, চৌবু হৈরম্মদ্র! চংখি)

মা (স্বব থৈরগ : মডন নু ডাইত্রিব, করি থোক্লদগে খঙব্রে, হৈ গোবিন্দ ইবুংঙো! ইকুমাইথজব চংখি)

হিঙ্গোলতুই অরাংদ হিঙ্গোল লন্নাং মচা ১ সৈ, মত্তুদ লায়রব মাচম্ননাও ম'ফ মেৎপ শেগাইব শেং লিং গরমচ অমদি বরফ, চা লোম্নব কেটলি, চানা ঙৌনব খাং পুথোরক কম্ন লোল্লি, ঙৌর।

ময়াম্নন মনাওদ ইশৈ তম্মি-তম্মি :—

(১ থকসে চা ফানসে চা,

ফোং-কে শান মনম কা।

কালেন মুংশা খাংন চা

খোইদৌ শাওগৎ নেমন চা

ৱাখল লংবুন থোক্ল চা

নিংথম তুজুং কোক্ল চা

থকসে চা ফানসে চা

ফোং-ফোং শান মনম কা।

মহাও মখল য়াম্ন চা,

পাখঙন থক্ল নীংজ্ঞ থুং,

নিঙোলন ফাল্ল খোইরেন ইন,

মুজা থমোই লুমন চা।

আইস ক্রীম

চা শেম্ব—মীতোঙ্গ পীব মথং মথং মতো তৌদুন শাগ্রে মচীন্মনাওন—ভাবন মী তিলহন।

অতোপ্প ইশৈ অমম্বু তম্মিন্নৈ:—

চানা চাবিরো ইচন ইচ
গরন চানা গবৌ গরৌ।
শায়ন শায়ন ৱাৱী শাহৌ
মনা কাম্ব হৱাই মক
ওইনম্ব য়াই তেরগ।
চন চাগে মক্প মপাং,
তোতন ওইনম ৱাৱী শা।
কনা খঙনি নবুক ইবুক
শায়মিন্নব হাওমিন্নব য়াই
চামিন্নর চান্নবক য়াই।

চন্দ্রোদয় ইরং সং থিন ফিতো লোং গৌরাঙ্গ লাক্লগ চ থক্লে।

গৌরাঙ্গ: চা অম থক্কে কেমন, ব্রাহ্মণগী দান কৌ।

ব্রহ্ম: কপম্নে ঐগা যাত্রা পুত্রাদ, ওসি অযুক্তি থংলাংখা কৌদ্রি!

গৌ: নঙ ঐবু শকথঙদে চাগ্রম? স্বরাইদ লৈবিব মীয়ামসি ঐগি জন্দ লোইব বৈষ্ণব ওাওনে। নঙন তিঙ্গোল লৈতদুন মীগি লম্পাক্ত চানা তৌরিব চা লোল্লিবসি ঐ থিংহনগে?

চাপ্রম (মঞ্জুং সোম : কুপা কৌশিয়ু ।

[illegible] : অদদি এংগ্রান্দ অযুক উশা ভজ্রা চা কপ ১ [illegible] [illegible]
পীথকন্দ পাস্মু দৌবব কাবাগনো? ফিজালশি মগু । [illegible]
বু ঈব [illegible] [illegible], নৈবক্তাগুন স্নাগনি মতুপ ২ নঙন
পাস্মগ ।

[illegible] চা দাম [illegible] [illegible] । স্নাদেবদি [illegible] [illegible]
অম কমী [illegible] [illegible], কাবেবার [illegible] [illegible] ।

[illegible] : [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] । [illegible]
[illegible] মজ্ঞদ, বা স্ন [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।

[illegible] : [illegible] [illegible], সৈচ [illegible]
চাখি ।

[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] কপ [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] থিগো [illegible] ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উমউব পদ
কঙ্গুকা—[illegible], এন [illegible] [illegible], অশ্ববদ [illegible]
[illegible] । [illegible] আশিব জাইসে কয়া ২গুণ জৈবনো হাম্রব
নঙ উন নিনী হুম্নীসিদ থগুনি ।

লতু স্কুব কোক্লগ থোরকই পায়জামা শেৎ—সার্ট অনানব লিং—লুংতাইব ইমুং মাংলি ধমকাদি।

[illegible]: এখোয় আজা গৌরাঙ্গ লল্লাও? বাজিন উন্ননীংবনে।

[illegible]: উন্নগে [illegible], এম, এ, সাহেবপু তলব কয়া চাব থবক তাগাবি বংগে?

[illegible]: থবক ফংগ্রি মাংবা কেমু [illegible] তাকে! ক্ষমসি য়েন্দব য়াংশুবমদ্রে, [illegible] সৈবা অমা হন্ন লৌবগ কোন্ন থবক থব তাাব।

[illegible]: [illegible] থবক [illegible] হে কুব নচন ইবেম্মা ছানাসি ইশৈ [illegible] লালা যাংহক্সে।

[illegible]: মশি [illegible] নিপাহেক অমুক হান্ন হংবিখো।

: কনা লৈাংগে?

[illegible]: [illegible] এদি থম্ভাল।

[illegible]: [illegible] কনা [illegible]।

[illegible]: চংবমু মনী [illegible] ইক্কাবিবা কেনে। [illegible])

[illegible] চা কদায়?

[illegible]: [illegible] লৈক্রে চানবৈ কোবগ অহাওব থকসে। [illegible] ব্রাও?

[illegible]: [illegible] শোহেসি কৌ। ভশিবমখৈ শোংলগ লোইরে।

[illegible]না: হে বরফ! দো কপ চাই লাও।

(বরফুন ইশৈ শরুগ চা অনী পুরবপীবে)

বরফ : (ইশৈ) লারে সাত কুপৈয়া শুরে দিদি। (চকু)

চানা : (ইশৈ) হোনে দো, কোই পরমা নহি (সনা উংলি)

লহু : থবকসি ফংনব হিঙ্গোল লৌ য়োনব ংারি, নল্লগ ইনাক খুনবি অম পুরকপ তারে।

চানা : অমন কোন্নবোই অনীতুম পুবকউ শেল চিনবৈদি — হুঁ, চাক থেংখে। চংখি

লহু : নখোয়বু করি লমদৈ লাকপনো বরফ?

বরফ : অসোমদৈ মথ মথং, মণিপুরগি চিংয়া তময়া শং.ক ইচিন্নাওন শেল খুন্দোনবগি থিংকইব।

লহু : সুরাইদ কয়া কুইন লৈখিনি?

বরফ : থব কুইন লৈখিন, মীয়ম্ম পন্ডিত, শেল তানব পু ডাই হায় দাদান।

লহু : পন্ডিত হায়বদি?

বরফ : থবক তনব, শেল থোংদব।

লহু : নখোয়বু শেল কয়াম পায়রগে? হিঙ্গোল পামব্রা?

বরফ : শেলদি পায়দে, হিঙ্গোলদ পাম্মি।

(কপ পুবগ চৎখি)

লহু : কয়া লুরিব অঙাংনো, ইকাইদন মরম ওকপদৈ শেল পায়খ্রবনিনে, ঐখোয়ন ইজ্জং য়েংদুন তনবদ লৌইঙংখ্ল তুমদৌরিব। খঙন খঙন উন উন লোকখাদ গাড়ৗসি ওস্থেরবনিনে। (চৎখি)

একটাবী অঙাংব শেং চন্দোল চয়ান ইরং লং মোঙা-ফুরিং অহুংপ অমসিং মাখনসিং গৌরাঙ্গগ বারী শা খোরকই ইমুংদৈ।

মাখন: করিনো কিখ্রব মঙনে সন্ত্য, মী চাগে হুমাংথে ...ব ফান্ন।

গৌরাঙ্গ: বাধামাশবক্তা লুপা ১০ মুক্ত চংন সিদ্ধা পিন্দোক্পপ, সঙ্গাম ক্ষীর কথোকপ, অহুগ দোব পূস্ন কোক্কনি, তাধন। নুংশা থাকুনু।

মাখন: ঐগামচাখোয়দি চাবখোংবদ হুমাং খর মথোকপ নন ফৈদো - ঐসু অঙাংশিংসু হুমাং তান থবক নোম্বদি অ...ক্ক য়াওদে, অদুন নুংশা থদব য়াদবনে।

গৌরাঙ্গ: নুংশা থীদ খীবগ মাইবী মে নত্তা চুমথ্রবি অম লৈ, মাবু লাইমাং ফমহন্সিবা—থৌ লৈহন্সিবা? মনাকসু ফজে মৌনহ মশাই পোরোপ পোরোপ - মথোন্ন করিব।

মাখন: শেল য়াম্ন চংব জাংলাও? অঙাং লাইরিক তম্বনে, মচ অনী লুকোংখিবনে—লৌস্ন পনী অমত ভায়রে

গৌরাঙ্গ: হিঙ্গোল অবেথদ পাকইবসি মচেং খব লাইকাস খুরুম্নব শেল হুপ্পোকপ য়াইন করিনো?

মাখন: চাগ্রম খোয়দি হিঙ্গোলসি নচেক অম পাম্মি। মথোম্ন কবসু লৈতরদ শেল হংদোবসি ইকাইবনিনে।

গৌরাঙ্গ: হাচুশিদি ননাও লৈরিনে তাধন। ঐ ভানগে লাকপিয়ু।

...স) হৈ, চাগ্রম লাও, বা হায়গে?

চাগ্রম (মখুৎ লোইন্না) ঃ নমস্তে, করি তাকপিদৌব ?

গৌরাঙ্গ ঃ নঙগি কাববার তৌভম লৈশ্নুন ব্রারিবদো রাধা-মাধবকি কৃপা লাক্লে। লমহুম শাংব লম্মী পারুপ হিঙ্গোল মচেৎ অম থাদ লুপা ৮০/২০ দং ভার পীরগ শিজিন্নজৌ। থা অহুমগি ভার হান্না পীবো কদায় হুম্ফু।

মাধং ঃ চৈশাং অম পুরকখ লম ওন্থোকাপিগে, নঙ হুজিক চান্নন লৈবাদি ওন্মোইনে ?

চাগ্রম ঃ লৈবদি ওন্জখি-বাই শেল লৈজদে। চৈ অমত্তু থিরু-খিগে। (চংলুয়গ লমজৈ ওল্লগ পুবকই—ওন্না নুংন মখম থাম্মি) লুপা ৬০ সি থা অহুমগি পায়বিরো।

গৌ ঃ কদায় লুপা ১০ দি রাধামাধবগি সিন্ধা থিন্নব, ক্ষীর বংনব পায়হৌবগে ?

মাধং ঃ থরাই য়াঙন কংলম্মো ঐগামচা এসু প্রসাদী খুনব লাক্লনি।

গৌ ঃ শেলদু কায়থোক্লন্নু গাধন, মাইবান্দু মুমিদাংব ই উন্নরুশি, মশাকা নানথ্রপোংনি।

চাগ্রম ঃ ঐ নাম মতেক অম শোল্লকখিগে অতুদি।

গৌরাঙ্গন ইশৈ ওং চংখি, চাগ্রম্ন হিঙ্গোলদু সম্বন থামিন্না মনাক্তা ইশৈ চা নল্লগ চানাগি ঔরাইমিন্ন, তাম্বুরম্ন খল্লি থর ইন্তোক্লক.....মাথন্না গোপাল সহস্রনাম পানব ছানান ফিদা থারম্মে! রাই তৈথোক ধুক থাংমৈ থারে—

মাখন্ন খিংতং পারগ মুরুম মুরুম শোল্ল তোকখি :—

কৈলাশ শিখরে রম্যে গৌরী পৃচ্ছতি শঙ্করং
ব্রহ্মাণ্ড অখিল নাথস্তং সৃষ্টি সংহার কারক,
ত্বমেব নিত্যং পঠসি কস্য স্ত্রোতং মহেশ্বর?

ছানান লাইরিক ঐরাইবি মোড়া নল্লগ চৌকি মচা অমদ কম।

মাখন : ঙসি নুপী চ উৎসবকি বার্তান লৈব্রাও?

ছানা : ঐগা গৌরাঙ্গ খোয়দ লাই প্রসাদী খুনুনি হায়দুদি।

মাখন : নমা লৈকউদৈদ উৎসব থিবদ থারে ইপাসু।

ছানা : লুপা ১০ কংখিব নব্রাও? মুংদাংগি য়াওন হাঞ্জিল্লকউ বাজি।

(মপা চংখে।)

নুপী ঐখোয়গিদি খর মুংঙাইদৌবয়ুম অমদ থোক চং লৈরুরগ হিংব য়াই, মপা মচাসিন তৌহৌদৌবসি খল্লুবদ ঐবু লন্নাই থখলগি দলাল শাগৎপ ঙমদ্রেনে।

(তঙ্গৎ-তন্দা চৎ থাখস তৌই, অদুদৈ ইশৈ মত্তেক ১ ঙংলগ শকই :—মিংশেল য়েং কেরম্বদৈ, ঙা ফাবগি মতৌম্স ঙম্মি।)

থানীংঙাই লৈত্তে তাইবংপান
নিঙোল ওইবা ঐখোইদি,
লুমহুন লৈর লোইরে তাঙ্গা চা
রৌ কাটলা উকাবি।

হেক ফংবম থক্তু লাক
ঙায়োক চক্লুদ জবুক।

ববকন চা কেটলি ১ পায়, গ্লাস খরগ ইশৈ মতেক অম শক য়োনব থোকখি

থকসে চা ফানসে চা,
ফোং .ফাং শান মনমকা।
মঙাও মথশ য়ংস্ব চা,
পাখঙুন থক্ল নিংজব থুং,
নিংঙোলন ফাল্ল খোইরেন ইন,
নুজা থমোই নুম্ব চা।

ছানা: হৈ চা চিংীব, কাগায় অম পুবকই, থঙ্গুন য়েংশো চুম্বা হায়দুন: নিঙোলন ফাল্ল খোই.বন ইন, নুজ থমোই নুংন চা। ঙাইশো, নঙ চাসি থক্ল মতু কয় নুংশন চৈরগ ইত্তুংদ খোইবেন ফাল্ল?

ববক (ঙক্লগ): হোরেল নুমিদাংবাই দ ইল্লব য়াই।

ছা (গ্লাস পীখি): ইল্লদ্রবদি শেল ফংদ্রে খইঙু।

ববক: মী অক্তন ইল্লবস্ত ঐন হনব তারে চীন খীদনব।

ছ: ঙনাখোই, নাবু খোইবেনলাংগ? (বিদুন হল্লোকখি

ববক: চ দগি পিংক লংব শুবেকো দিদি! (চংখি)

(ইশৈ হুংলগ চংখি)

খোঙ্গাও শেংগি ফরিং হাফ লিংপি জেল্ল, তখং কখং মফুগ শাংন লাকাইরে, য়াবী ফবে জবেং শারগ ইন্টরভিয়ু চংনুবদৈ, নংব কায়ন হল্লকই।

জেল্লী:—করম্মো ঐখোয় শেলদি লৈজরবা লাইরিক্তি হৈবন থবক্তি ইণ্টরভিয়ুদ তৌদোবসিবো।

লছু:—ঐখোয়না এম এ পাশ তৌরুবিবসি করিগীনো?

জেল্লী:—থবক কংদনবনে। শিনকম অটেত পায়ৈবা ইমাম্মবী কয়া কয়া মবুক থম্মগ্রে। থৌনা কত্তবদি হিংব য়ারয়োই।

লছু:—করিগী থৌনানো? শেলদবু লৈতবনি।

জেল্লী:—শেল পায়নবা থৌনা চংই।

লছু: কমদৌরগ শেল?

জেল্লী:—লৌ পরী অমগ মরাক লৈ, মরাক্তু য়েনব তারে।

লছু:—ঐখোয়স্তু লৌ পরী ১ লৈ. ঐ শরুক লৌরাক অমা য়োনবা তরে। শেলদু লুপা ৩.০০০ লোমদ শিংকনি, অকবা লৌ নস্তে।

জেল্লী:—ঐখোয়স্তু লৌ নস্তে, লৌরাক্তুন শিংপা য়াবসি২ই/৩ দগী হেজোই। পুনসরগা লিশিং ৫ দি শুরেদনা, ইমানী মরক্ত ৫হু তিংলগা থবক অমা পানব।

লছু:—শেলহু পুন্নবনিন ইমানীস্তু পুন্না চাবা তারেনে, থবক্তু নজনবু পান্নবস্ত ঐনবু পান্নবস্তু।

জেল্লী:—মছু নত্তবদি থবক কংলোইদৌরি, থবকপু কংত্রবদি পায়রিবা সার্টিফিকেটসিন পুক থনবা নত্তবনিনা ইমানী হিংদ্রে।

লছু:—শিদৌ শরুক ইমানী থৌনা করসি হায়ত্রাও?

জে:—য়ায়া থীন্নবনে।

লচ : সুখিং অক সঙ্ক লেংখিসিরা ?

জে :—বারেপ তানরিবা সুখিং ওসিসি করবনে।

লচ্ছ :- বাঃ, মচ্ছনি, ওসিদৈ ইমানী চাখুম পুল্লে।

(খুং চিংনৈ)

জোমী :— ওাইখো, লিংগৎপা য়াদে। তুংদ ইমানী চকু উয়ান কায়নদনবা বা খিভ্রংগ ওাংনহৌসি :

লচ্ছ :- তুংগী থর য়েংহৌব ফত্তুব নত্তে।

জে :- ইমানী ফিভমসি খোংবানগী ওাণেপ্পা ঈশিং কংশিল্লকপদ কোংকুংত খাংমন্নব মাল্ল। অচ্ছ, ইমানী সুংগু সুংশিনরবা নত্ত্রাও ?

লচ্ছ :- হবাই নোট ! নওনস্থ হেল্ল ঐনস্থ বাস্ত, ইমানী চপ মান্নন সু শিনরবনে।

জে :- ওদ, মচ্ছ ইমানী য়ানরে। সুংশিব হায়বসি কুইন য়োক কলচর তৌরগ মপোপ মতাং করকপ মরেপ য়াংথেপ কৌনশানি। করি করিন ইমানী সুংশিনবদ অপনব পীরদৌরি মচ্ছ থর শক্লোকহৌব কৈ।

লচ্ছ :- চুম্মী, ইমানীদ খুরৌ খাংগদৌরিবসি নম্বর বান : ইমা ইপা, ইমুং মমুং, মরীমতা।

জে : - নম্বর টু : সমাজগি লীচৎ শাজৎ, কায়ত্রবা চৎনরোল, অচ্ছ তৌ, মচ্ছ য়াদে ... .

লচ্ছ :— পুন্নমকভুদগী নাম্বোক্লপ পাইগ্রনি লংখুন্নু তুমাওম

জে :— অহোংবা হোটেল অমদ ইকোন শা লৈক্লনব ইনীংতম

লহ্ :—কু কু কু। বাক বাক গু।

জে: —অদোম্ অতৈদ মুংশিরম্ব পুম্ব ম্নারিমদৈ ঃলৌথে'রক্লগ ইমানীগি মু শিনবসি নোইথংহনব। ফিদম অসি ম্নোনব লাক্লবা ম্নানরেকো।

লহ্ :—ম্নানরে, অলানবা খোঙখাংনা : লৌরাক অমমম ম্নোনব মহুন থবক ১ পানব, চাখুম ১ লিংথৎপ।

জে :—ঙসি মুমিৎসি নিংশিংব ওইন হোটেলদ চৎলগ চাক চরা অম থরোই খোঙব চাবিন্নরুসি অহুগ কিলম অম য়েংউসি।

লহ্ :—চংসি লাকও। (খুদাং কোংমিন্ন চংমিন্নখি)

Song :—One and one makes one. United we stand and divided we fall.

(চাগ্রম মচিনা নাওন হিঙ্গোলগি সম্বন শেন্মী, খিংজং ইম্ব্রোরক্লব লাক্লে। বরক ম্নো'বৈ ইশৈ ঔরাই, থবক কল্লি, ঙহাক্ত পোথদে।

বরক :—থ্বাইদৈ তোংব কারবারদি অহোংব ইশিং ভাঙন ম্নোনবনে।

চাগ্রম :—অদুদ বরক ম্নোনব কোইন চৎপন্থ যাবজাৎনে

বরক :—রাজসমু, শেল ম্নাম তো'লগ লোইরে। ইশৈ পাম্ব লৈবা'ক্লন, ম্নোনবা চৎপদ মুংঙাইদৌব অমতংদি ঙংব ভাবনে। ইশৈ শকউরবদি ম্নোনগে ম্নানি মহাজন্ন।

চাওবা :— (শকুবা লাক্লে, তন্থি) :

শিংনানব লাইজ লান্নু,
ঈং ঈং লাওব চুপ্পদ ;
কালেন সুংশা শীংনশ্বব,
নিংথম থাগি শাইওন ;
ঠাণ্ডা বরফ আইস ক্রীম
অমমমদং লৈবিয়ু। (হৌ)
ঙৈহাক ঙাহাক পোত্থাহৌসি
চীঙ্গা পুন্সি খোবুঙরোই
তাইবং চৈনা কাউনসি
সু'শিব মাগি থুদোম্নি
ঠাণ্ডা বরফ আইস ক্রীম
অমমমদং লৈবিয়ু। (হৌ)

বরফ :— মহাজন মমাংদ শকুন্তলা য়োলহনব য়াই।

চাওবা :— বরফ য়োনব অঙাংগি ইন্টরভিয়ু।

(শকুন্তলা চংখিবা য়েংহৌই) অহৈদে ইশৈ ঙং চানা ঙৌখি।)

(মাখন অমদি গৌরাঙ্গ কন্নবা পায়র থোরকই,
পুন্ন বা ভাবৈ।)

গৌরাঙ্গ :- মাইবীহু চুম্ন কাওন্নাও তাখন ?

মাখন :— করি হায়রুরনি চুম্বৈজাংতি, মশকপু ইংগ্রে হায়বনি শেল পাম্মুদে মঙোন্দ পীখিবহু। ঙসি সু'নাং থৌ তৌবি-রনি হায়ব নব্রাও ?

গৌরা :— শেলবু লুপা ৩০ মুক চংনি কায়রোই। য়ুমদ কুম্মবদি।

মাখন : মগাক্তু খো তৌবিবদ চংখিব শেল পাম্মদে, নত্তে, ফান হায়ব খাজব। লুরিববু শেল লৈতবৈ য়াদনে।

গৌরা :—বা থোক্ত শেল থাকই হায়বৈ, অব কর্ম অম তৌদব য়াত্রবদ শেল মান থাক্তক্রব য় দ্রাও? চাওমদ হিঙ্গাল মতেক ১ পাথকপ্সি। লাইমু তৌম্ম চংদনব মাইবী নহাহ্ন চায়সে তাবন।

(গোয় চীকখৈন)

মাখন :—লাইরম পুক্ল কল্লব মকমদ য়ুম লিংবসিদি মাইব মাইবীগি মংং লোব তাবনি। মতমসিনস্থ সন গাড়ীগুম তপ্ন চংাস য়াত্রেদো। অদুনদি ঐগামচা, পাম্মব্রব হিঙ্গোলসি লুরাশ নশুংলাগ, উহে, কুতংপ্রত লাইমু তৌম্ম তাহোক্তব, খানব তারে, থোক্তব লাক্লনি।

গৌরা : অদুনিদন তাবন নিপামচা হায়ববো। মখা তারকপ-ছুদি ননাও গৌরাঙ্গ ঐ লৈরি। হায় তাবিব্রা চাওম? সুরাংদ লাও ব ১ তান্নসি।

মাখন :—থাক কনাগ্র মচীম্মনওসি, শেল পায়নি।

গৌ :—মপাম্ম মকি মোংপসিন খজদবনে তাখন, মবুক্ত মখাংদ মেংজবাদি শেঙ্গেন চে চে লাওরপোংনে।

চাওম :—খুকমজরি, করি তাকপিদোব?

মাখন :—মোড়াদ কপ্পু ইবো চাওম। (কম্মি)

গৌ :—কোইথোক্তুনা কান্নদে, চাগ্রম, নুঙবু রাধামাধবন হিঙ্গোল মচা অম হোংনা কংনরো হায়রে।

চা :—কয়াম পাকপদ লুপা কয়া?

গৌ :—লম মরী শাংব লমছুম পাকপ, স্কোয়ার ফুট ৪৩০ রোম পাকপনি, লম তাংব মতমসিদ লুপা লিশী ৩ শিং য়াবনি অদুবু লিশীং অমদ পৌজরো। বা য়াম্মো, রাধামাধবকি কৃপানে।

মাধন :—শেল চিনব অমদি নচিন্ননাওগি মরম ওকপদু উরগ ঐ ইচাশিংস্তু তনব মরুকপ য়াই থল্লুন নংলোন্দ পীগে হায়রিবনি। মমলগিদি হোংশ্রবনি।

চাগ্রম :—শেলবু শুগদ্রা থংনদনে, ঐদি যাম্ন নৈলক্তপাৎ নত্তে। মচিং মচিং অনীরক থোক্ত থিজব য়াগদ্রা?

মাধন :—য়াইনে, ঙসি ৫০০ পীরে থা অম নৈরগ ৫০০ অরেম্বদু পীব য়াইনে।

চাগ্রম :—হায়জনীংব অমত্তুংগ?

গৌরা :—করিনো শমূন হেক্ত হায়রো।

চা :—শেলসি ১০০ দংগ তাবিরোনে?

গৌ :—অদুক হোংলবদ অমুক তাহনব।

মা :—অরুব থবক অমগি ওইদুন তৌবনি, নঙ্গ্রবদি তন্নবজাংনি নঙগি মরুসিদ। কদায় পীরোনে ৫০০ হায়, দলিল কোয় ইনদি। অবংপ ৪০০ দু থীব কান্দ রেজিষ্টার তৌনসি, মিংস্থ ওস্নোকসি।

চা :—ওয়াংলা করিনো ৬০ লোবিখিবত্তুদ ৫০০ দৈ ককচ হৌরগেকো।

মা :—ককউ বেরা লৈতে।

গৌ :—মবুক য়াম কব নিপানে খঙেঙা, চোম্লিপোৎ নত্তে।

চা :—লেঙঙসি শেল খীজরগে। চে মচেৎ অমত্তদি হিঙ্গোলগি মমল তঙ্খাই ফংলে হায়রুন ইবিরম্বতায়।

গৌ :—মতুবুদি মশান তাবনে। ঐখোয়দি ধর্ম্ম কায়ব মী নত্তে। (মখোয়রোমদ লম ওল্লগ য়েংনৈ, সম্বন খায়, শেল থীনখি মমুংদ।)

চাক খোংবদৈ খোরক ছানান মুগা শেৎ, ব্লাউজ লিৎ, অরাপ্পদ হিঙ্গোলগি শেল খিনবত্তু য়েংই।

ছানা :—হিঙ্গোল মচেং ১ অমুক ফক্লুন য়োনখ্রমানেদো। ঐখোয় তাচৌগ বাজিগসিন তল্লিবসি ঈশিংন বরফ ওনবগুম জাংনি। মতমগি মুংশাসিদ কয়া কুইব য়াদৌরিবনো ? ঈ শং মনিলগুম ঐখোয়পুম্ব ইমি অমত্ত খনমদ মাংশিত্রা করিনে খঙত্রি।

(চিত্তা তৌ চংখি)

গৌরাঙ্গবু মাং থাহন তখেলৈ লাকই ; মাইবী কিজেংং কেরকই, শমাংদোংদ লৈ খেং, মমৈ থাদ—মথ্রাংদ কিদেক ১ পুঙেঙফনেক মথক্ত অমুক শেৎচিন, ফুরিৎ মুগাগি নত্রগ মোজাকুরিৎ খুদাংচোন লিৎ—মঙক্ত লীক খরশি চঙ্গোল লংন থিন।

তখেল্লৈ :– ঐগা গৌরাঙ্গন নঙলি শেল পায়দ্রিগ হায়বসিবু লাংলিবা রাধামাধবতু বা কয়া খঙদবজাংলাও ?

গৌর :–অহল ওইরদুন মনা খর তাখীরে, ফন কয় লাওই তাবিদে।

তখেল্লৈ : -লাইশং মন্দিরদু বামোন মরুল লৈব অমদ বন্ধক খঙদোকলম্মো, বৃন্দাবন খোঙচং অমত্তুং লাইবক য়েংউসে।

গৌর :–যাত্রিক ললোনব্রাও ?

তখে :–নঙেদা, সোমদৈ গঙ্গ পুখিব, চন্দ্রকপদ কানী পুরকপ, অকুম অকা। খোঙচং অমুক্ত চৌব জাংনি, লাই-পাঙ্গনবগি খোঙ্গাল চৈরবদি।

গৌর :–বৃন্দাবন চংগবু লাইপাঙ্গনবন শাওদ্রাও ?

তখে :–কৈদৌন শাওরুনি ? মণিপুর বাংমদ লৈব মহাদেব অতৈন গঙ্গা অকব খকপ কদ্রে হায়দুন শাওনরিবসি সোমদস্থ তারপোংনি।

গৌর : সুপীমচা, ছানা! বাঙিদি ?

ছানা :–বাঙি চাক চারি, কবিগিনো ঐগা গৌরাঙ্গ ?

গৌরা : -লাওনচৈ মিদ লাকইবীসি লাইনে, খুবাক মখি য়েং-হন্সি লাওনে।

ছানা :–ঐগাবু রাধামাধব লাংপ কাল্লদ্রদুন খুবাক মখিয়োমদ হোৎনরব্রাও ?

গৌর :—শেল তিংঙোই নঙ্গিদি, তিংলবস্থ ঐন পীগনি, অমুক্ত য়েংবিয়ু ইবেম্ম, মখি অঙাংসি কদোমদ খোল্লদগে ? কয়াম

বাংলিবগে হায়রুন। (কারণ মখুং থোংহল্লি, নোকপেং অদুম য়াই।)

ছানা :—মস বাংযানসি লাইম মমাই থকইদা।

তখেল্লৈ : কদায়নো য়েংগেনে। মখিদি ফন চৈ, নংগু ফংলব লৈতে। ঐনু কবম্মো ঐবু কাদামদনা হায়রুন থর লাংতক্লে। ভাইব বাগদব কুইত্রে চহি অমরোমদ মতাইরে।

অবাংলোমদ লৈব-পুলৈ কুচু, মমাই কে ইরপ, মশা পাব, মরেপ বাংলপ তোব অমদ ইথা থাজদন বাকখুণ্ড হায়রব লৈনা।

গৌরা :—চুমত্রা ছানা?

ছানা :—অবাংলোমদ লৈগ খঙুন চায়রব কনাসু লৈকে।

গৌর :—ঐ লৈরিসিদি ফরি চুমদনি। মশা পাব, মরেপ বাংলপ—ইথা থাজদনা।

ছানা :—কনুব নখোয়না নদা অমুক পাল্মিবু লাইরৈবাক পরপ পংপ য়ৌনিংলক্রোঙ? (খুত্তুম্ন মনজঙ্গ শুরঙ্গ চংখি)

মাখন :—কম্রা কুইরবগে ঐগা গৌরাঙ্গ নত্রাঙ? লৈমা ঐখোয় ইবেম্মসু লাকপিরে।

তখেল্লৈ : করিগিনে অমুক থেংনে, হৌজিক ব্লুক জারিবু।

গৌরা : চাক ভঙ থোং শীজবিনব ইকৈম লৈরবনি।

তখেল্লৈ :—চাক্তি ভনখ্নুন ঐখোয়দি কোটনন শাঙখে।

মাখন :—মাইব অম উরব চংলুবদ থেংদোকখিবনি। ঐখোয় হিঙ্গোলসি উাবেরেদনা, লাইরম তিরম অমুক সুম য়েংবিবু।

করিনো চহি ৩/৪ সি মথং মথং নীংব কায়বন হায়রুন কায়দে ; মমা লৈশিংদ্রব মতুংদা মচেন্থু অঙা শিংগি. মথা-রোমদ থাজবিগে ইনাক খুজুগমব হায়বন শীনবরেরে, অরাংলোমদ মখোঙ থান 'চনখ্রু' ফুংইঙুমদনা, নিপা অমন এম এ পাশন থবক পিব ফংদ্রুন মুপী ১ খির মানে, মঙহান মুংঙাইত্রব করিনা।

গৌরা :- তাথন কোইথোক্লুন কায়দে, খঙদো খঙত্লব মাইবীনে, ইমুংশিদ তুরৈ ইরৈ চঙ্লিব, চক্লু মকম চাদবগুম থোক থোক নোংম্বিবসি কৈদোবগ ফদগ ? করম্ব ঈঙাংপুক্লা চৌরগ মুংঙাই য়াইশথংকগে হেংগৎয়ু ফিদনি।

তথোইবী : লা মচেং অমদ হাপলুগ অমত্তু ঈৈবাক থাদবিয়ু। (থাদৈ খিরগ, তাবিব লেঙদ মুম যে) লাই খুংংমক কায়সু থোইন কায়ব উদে, মী খুন শোইবনি হায়রিযে ইমুংসদ লৈব নিপা খঙদে নুপী খঙদে অয়াম্বন থবক নোম্ব থর কল্লা, চের্কশিনব রাংংলে, অদুন নংংনে থবক্লু সিক অম শুব্লগ মনান পিকি অহুম ফনীংব মীওই ঙাক্ল ওইন তৌয়ে। মমাম্বনগী মীয়ামব ফংদ্রগ মথুং মথুংদ তায়নগেদি হায়দন লাইখুংত তায়ননীঙে, ওইজ ওইথক শোয়ারেন্দগি থাদরক্লিব করিগিনো হায়রুন শাওংং মালংনন মথুং লোং ময়া কাহৎলৈয়ে হায়দব্রা ? চুশ্রু অহল।

গৌরা :- চাম্ব চুম্বি, চুমদ্রনে তাথন ?

তাথন :- চুমহ্লুন বা চাংনীংদ্রে, হকাইরে ঐগামতা।

তখেনৈ :—তাধন, খুবাক ময়িহু অমুক্তা য়েংজগে ?

গৌরা : লুপা ৫ চৎপি ১ য়েংখংব খুবাক্ত ওইনান হাপ্নগা য়েংহন বমু তাধন, চুম্ব হেন্নব।

মাখন : -(ওইন শেল লোৌথে'ক্লগ হাপই) চুম্বু চুন্নি হায়রবদি।

তখে : -(খুবাক্কে শেলহু জৌংশিনখি। খুবাক্কুদ খুবাক্কা তক্লগ মুম্ন য়েংই) হৈম। মসিগি নিপা'সি'দ য়াম্ন মবুক কব পাদানিনা। মুপীগি দোষ অমত্ত'দি লৈয়ে, গয়া গঙ্গা নবদ্বীপ বৃন্দাবন্দ চৎলগ কোকনিয়ে। সোমদৈ পোৎ খর পু'শিনব অসোমদৈ কান্নদোব খর অমুক পুখোরক্লগ নচাক নরস কংনি, নপাপস্থ কোক'নি হায়রি। কুইরবোই খা ২ গি মমু'দ ইমুংসিবু খরুং মচম চাদবগুম নোম্নিবসি কহনগে, মরাতপ্ন পালহনগে, শেগ-মাইগ হায়নব য়াগদবী ওইগি শাগৈ অম লাকনি হায়'রি।

গৌরা :—মাইকৈ কদোমদৈনো ?

তখে :- মৈরম পা'বদৈনি। মরেপক মঙানগ য়েংনবদ মঙায় ঙম্মি, কুচুন পুকৈকুচুনি।

মাখন :- ইচানিপাগিরা ? ঐগিরা ? মুম্ন অমুক্ত য়েংউ সনা।

তখে :—ঐন য়েংইব খুবাকসিবু অহলগিরা নচা নিপাগিরা ?

মাখন :—ঐগিনিনে করিনো ?

তখে :- অচুদি অহল মুপী খিদোরে, খা ২ গি মমুংদ।

মাখন :- হরিবোল, হরিবোল। মৈরম পাংবদগি।

গৌর :—বৃন্দাবন্দ চাম্ম অমুক্তু'দি চথোকলিক্রখো তাক্ষন, ইতৈম অহম্ম তম্মরদনব।

মাধন :—ওাইখো ইবেম্ম, নহাক্ল মওদ মী চাগে হাম্রব হিংচাব অম উখি। মতুগি দোষ কোক্রুব কল্পি উপায় তৌবিদগে?

তখে : —মতুগিদি ফিশেং শেংলগ ফম্মাংদ ফক অশেংব থাল্লগ খুক থা'মৈ থা, তৈক্রক তাঙ্গ পান তাঙ্গ থা, ফক্কি অকোইবদ মাম চায়থোক থম এন অতিং অম তুম মও তম্ম তারে।

মাধন : -কনাগি ইমুংদ তুম্মণা?

তখে :—তাধনাগে সনামণী কাচ'ন মমাংদ ফিশেং শে'লগ ফম শেংন থারগ এন তম তারে। ত্রগ তাধনখোয়দ থাই চাম্মি হায়রগ ঐখে য গদ এন শে'ন তুম্ম তাধগ্র লৈমরেন কাদ লাক্রম্ব লাইগু নীংঙন তুম্ব। মতুদি শেল'দ থম্ম চংনি।

গৌরা :—কয়ামুক চংগদ: মামত্রবদা?

তখে : ৫০ দগি ১০০ ফাওবদ চংহনব মাই।

মাধন :—মতুমতংদি য়েং'নাংইদা কাম্ম লাইনা তম্মস্রবনো হাম্রবদো শেল্প চংকসনু হিক্সোম্না লৌম্না য়োম্নগ লোইরে।

গৌর :—মতু'নিনে তাধন নিপামচা হায়বনো। পুক্রিংদ চিংন-বহুদি কোক্রুব লাই খুক্রমথোকপ তায়। শেংগ মীপ পোকমিক্সত্রাও?

ভথে :—ঙসি থাম্পনী য়ুমশকৈশ, লাইথুক্কমক্তি কাম্বরবদি হোয়েন্স অহিং শরেং অম সনামহৌদ কংলগ থুক্কমহোব কৈ।

গৌরা : অছুন্দি থৈদেন কাকুনব তৌসি ভাথন ১০০ দং পায়খিরকও। ঐখোয় খোকচরম্মগে। (চংখি ২ হু)

মাখন :—চাগ্রম, নঙ্গোম্দ হেক্ত তারকই। কদায় ১০০ দং ইপাদ লাম্থোরকও। (চংখি মখোয়রোমদ)

বরফ : – শিং নানব লাইক্ত লাল্লু
ঈং ঈং লাওব চুপ্পদ,
কালেন মুংগা শীংনঙস্ব –
নিংথম থাগি শাইওন :
ঠাণ্ডা বরফ আইস ক্রীম
ঙমংমদং লৈবিকৌ।

(য়োনব শা শরুই, সম্বন পাকথোকই)
(ছানান থোরক শাওরপ য়েংলৈ সম্বন্দ)

ছানা : হৈ, বরফ য়োনবা ! শিদ লাও বা চায়গে ?

বরফ :—করিনো দিদি শেল পীগেরা বায় কৈশ্যা॰

ছানা :—করি অত্তাংনো ঙহাক লেতন শেল থাবসিবো নঙ অসাই অয়ুকস্থ থোরব নত্রাও ? নোংমক অমুকক্তে হেন্ন খোরবাদি ননা নাম ফুক্লে থঙঙ্।

বরফ :—থৌদনব পীখোক্তাপব য়ত্রাও ?

ছানা : পীথোক্লবদি খোরকলোই হায়তুন ত্তৌবনি। নঙন

করিগিনো ছিঙ্গোলগি সম্বন্দু নোংম নোংমগি বরকন মহৌ চেনবগুম ইন্দ্রোরকইববো ?

বরক :—ঐন নত্তে, দিদিংখোয় বাবান ঐখোয়গী লানদগি বরক যাম লৌরগ চা ননি। তাঙ্কিকন্তু ১০০ পুথি।

ছানা :—নঙ দাদাঙ ঙসিক্তা কৌখোকউ ঐগ যারীমক্ত শাগে।

বরক :—চানা লৌরমগনি থবক চিল্লমগনি ঐঙোন্দ হেক তাকপিয়ো করিগিনে ?

ছানা :—ননা লৈয়্রা ? নঙ অঙ্গন তাব যাব য়া নত্তে।

বরক :—হো অচুম্ব হয়্যুদনা আই সী। (হংথি)

ছানান মতৌ তম শকহৌই : (বরকন মঙুংদ য়েংই)

হৈঙাক হৈঙাক পোত্থাহৌসি

চীঙ্গা পুল্সি থোঙলোই,

তাইবং চৈনা কাউনাসি

ফুংশা মাগি খুদামি :

ঠাণ্ডা বরক আইস ক্রীম,

অমমমদ লৈবিয়ু।

চাগ্রম (চা য়েন্দুন থোরকই) :

থকসে চা কানসে চা

কোং কোং শান মনম বা।

কালেন মুংশা থাংন চা

খোইদৌ শাওগং নেমন চা

যাথল লংবুন থোক্ক চা

নিংথম তুজুং কোক্ক চা।

ছানা :—থকসে চা ফানসে চা,
কে'ং কো' শান মনম কা।
মহাও মথল য়াম্ব চা
পাখঙন থক্ল নীংজ থুং
নিঙোলন কাল্ল খোইরেন ইন
মুঙ্গা থমোই লুমন চা।
(থেক নৌ, থুং ২ ন চা ওল্লগ মীঙোন্দ পীথক মতৌ উৎলি)

চাগ্রম :—য়াম পকল্রে, চা স য়োনামল্লসে শেল য়াম্ব শিংনবা।

ছানা :—চা য়োনামম্লসে ?

চা :—উমম !

ছা : নডসি ভায়, মুংশিনব হৌরকইবজাংলাও ?

চা :—শাওনীংল্রাও ? মুংশিবিদ্রবম্ব য়াঠ, চা য়োনশিল্লগি হায়বনে।

ছ :—এক্সপ্রেস ট্রেনশুম সং সং হেক্ত থনুংদগি বা হায়দোক্লগি হায়ল্লবদি বাহং অমত্ত হংগে ?

চ :—পঙিঙ চায়গে হায়বিযু অশেংব খুমজনি অথাকপ ভৌজা শং শং, কবিনো হংবিয়ো ?

বরক :—চানা কারে তাচৌ।

চা :—কাসম্ব নও থাংথব য়াল্লাও ? চংলো।

ছা :—কোয় হংনাস থবক তৌবিক্লখো তাচৌ।

চ :—য়ারক্ত ঙা মক্ল মুবিরম্বু, ঐ য়াম হৈনজদে, ডসি থবজা শুব চংওইদৌরিবনি, বাহংদু হংবিল্লবদি।

ছা: ফাগী তৌগে তৌবনে।

চা:—করি ফাগীনো?

ছা:—নত্ত ঐবু মুংশিত্রাও?

চা: মুংশিদদি কৈনো।

ছা:—কয়া য়াম্ন, নখুং তম্মো?

চা:—অঁ করম্ম হায়নি! নত্ত হায়রিবখৈ য়ানীংন মুংশিরবনে।

ছা:—ঐন হায়রিবখৈ য়ানীংন মুংশিরবকো?

(শংত্রিক য়েংনৈ—মহক পৈরপ কেজ)

শোইত্রেকো?

চা:—উম—।

ছা:—অতুদ ঐ মশক ফজর নিপা অমদ রাশক তাকুব থা অছুমদং য়ুম পাম্লুখিংদ, অতুদৈ থা অতুম অমন এনাক-খুনব নিপা অমৈদ শেল তাম্লগে। থা ৬ সিংগ মতুদ ঐন নঙ্গোন্দ লৈরগে লাকপদ নত্ত করি হায়নি?

চা:—হরাও হরাও লোজান। তাইবমগে থা তরুক।

ছা:—গুদ, খেত্তক য়ু। শোই-তুমাসিকো?

চা:—ঐদি শোইজরোই।

ছা:—তাইখে ভাই, নত্তন অহনব ওইন পাম্মিকা হায়দন থাদ হেত্ত ওইন লৌজগে হায়রিববু করিগীনো?

চা:—ঐখোয় বাজিহু সগোলে লমকেলগি জোকী ওইরম্মি, অনৌব সগোল লাকপদ খীন থাদৈ য়াম্নসু বাই হায়ব উজখি, মরম অতুন অত্রেবন ইতিক চানি খজব।

ছা :—ঐবু, নখোয় বাবাবু থাদখিব সগোল অঙাওবচ্ ওইর- বোই নীংব্রাও ? (নোকক্লেং তৌরগ চংখি)

চা (মহাক্ত মথা নীক শকখিব মতৌৱম) :

থকসে চা ঋানসে চা
ফোং ফোং শান মনম কা।
মহাও মথল য়াম্ব চা
পাখণ্ডন থক্ত নীংজ খুং
নিঙোলন কাল্ল খোইৱেন ইন
মুজা থমোই লুমন চা

(ভাবকি চাহ্ ছানাগি মতুংদ লংলম্মগ চংখি)

(মুমিং তাৱে মমথৱে য়াম্ব কেন তংলৈল্ল শেং চংৱগ মকোক খুং, মাখন্ন মোংলপ কৈজোম ক্লুৱিং শেং, মকোক্ত ফি মতুপ অমন লোং—হুৱানব শান ময়ুমগি য়েন্নখাদ খুংলৈল্ল।)

তখে :—খানাগিদ ঐ ছাংনগে, করিমত কিক্তনো, ঐগ খঙনব য়াম লৈখে। শেল খর য়াম্ব পুখিসে, ১০ শুঙ্রবস্ত ৭৮ গি গজাদি চপাশিল্লগ লায়ন পুব য়ানিয়ে : তীথ কয় স্ক খুক্তম্মক্তনি, চানাংব হৈরাং চারক্তনি, চিন্নিংব লৈরাং চিল্লক্তনি, মীরৈবাকনিন কনাস্ত খঙজোই।

মাখন :—লৈভম চভম মু ঙাইব মফমদ খর কুইন লৈখোরকসে।

তখে :—শেলগি রাদনি ইবুংঙো, শিদ্রিশাওব হৈকুব য়াই। হল্লসি হায়ব কাজ অমুস্ত্রা পুখোরকণ।

মাথন :—অমুম্না হায়বদি কানী। খঙদে, শেলবু লিশীঃ ৪/৫ দৈ হেন্ন লৈয়োইদৌরি। লৌ পরৈদু য়োন্নগ ১০ মুক্তি হরাও হরাও খুথক্ত থীদু য়ানি, নিপামচা লম্মুগি থবক নোন্নব ৫ অমদি পীরমদব য়ায়োইদৌরি। করিগুম্ব মাংখিব থোক্লদে তথেম্বৈ ইবেম্মা মু শিবী, নতৈ ইবুংঙো মরু কোক্লে, ভিক্ষা নিদুন চারে।

তথে :—তনথে তামো নঙসি নথবাই পিকথে, হোয়েলদি হিদাক অম পীথকপ তায়।

(লম্বু অমদি কেল্লৌ য়ু ঙাওরি ঙাওরি মখুং শম্নরগ লাকই, লম্বুন থর হেন্ন ঙ ওবন নুপীন ঙাক শোগং লাকই)

লম্বু : -কনা কনানো য়ুময়াদ? করি হুরাঙ্গোরিনো? নুপীমচা, ছানা!

মাথন (তথেম্বৈ চেলহনথে): হায়, ঐনি নিপামগা, হুরানব নত্তে। করিনো শারা কৈনো অম চংশব মাঙ্গুন লুম্নখনি।

লম্বু :—অমদি কনানো চংখিবদো?

মাথন :—বামোন গৌরাঙ্গনি, মথোঙ হামনিংদুন চংথে।

লম্বু :—বাজি, বামোন গৌরাঙ্গ তিন্নবিক্লম্বু, মহাক্তি অয়োন অথুপ্প পাম্ব মবুক শেংদব মীনি।

মাথন :—নঙন ঙসি নয়োন ফাইরকইবদুন করম্ব হূই অঙাওবন চিকথব?

লম্বু :—হিদাক মহীনি বাজি, থবক কংদব লৈত লায়ন্ন নীংব

কায়ব ময়ামদু লোইনমক শাংতোকহল্লগ কেনখিত্রা য়েংইবনি।

মাখন :—অমদি কনানো?

লদু : ঐগি ফনবদ খঞ্জবী নমৌ ওইদৌরিবীদুনি। খুরুম্মু জেগ্রী, মাসু এম এ নি, থবক শংদ্রেবী।

জেল্লী :—খুরুমজরি ব জি। হিংব জুম্নব থৌনা কঞ্জরবনি। ইমানী শেল খায়নরগ ৫/৬ পীব থবক ১ শৈনি ফাংনব।

লদু :—বাজি, লৌ য়োল্লগ ঐভোন্দ মঙা পীদব য়াত্রে, যারবনি হয়েংনক। নত্রবদি ইপা ইচ থংনব তারি। বাজিস্তু বৃন্দাবন্দ লেংগান হায়ব ঙা.ব্র। লেংবিয়ু বেরা লৈতে, মান মান অপাম্ব লখীদ। ঙচনস্তু মান অপাম্ব লম্বীদ চংচখিসন্নু।

মাখন : ইপা ইচা থংনরগ মীন নোকুনি, লৌগি শেলদু হয়েং খীনরগ ইপা ইচা ঐখোয় অঙম য়েন্নখোক্লসি, হিঙ্গোন্নগি শেলস্তু ৪০০/৫০০ লৌশিনব তৌরে। অরাংপ ৪০০/৫০০ দু চাব লোইত্রিকাওব লৈমিয়রগ মান মান অপাম্ব মাইকৈ য়েংলগ পাইনখ্রসি। ঐন বৃন্দাবন চংখিত্রৈদ নখোয়স্তু থবক অম থিরম্মু, ঐস্তু ললোন পোং থর পুখোরক্কে থল্লি। নচনবুন মনেখোয়দ থামুক লৈহল্লমগে।

লদু :—তার্থ চংপসি মতা চাত্রবদি শেল য়াম মাংগল্লি বাজি, খোঙবু কত্রগস্তু য়াম্ন খুদোংথীব নংগল্লি।

মাথন :—শেলনবু লৈনীংদ্রবদি য়ুমদ লৈরে মাংই, লংকৈদ চংলে মাংই। ফিরাল খঙদে মুঙা খঙদে খরাইন তাব লগাও মকম অমদ অরৈব শেল মখৈ বুপ লাওন থাজরীংব কাল লাকই।

(ছানা থোরকই ইমুংদৈ)

ছানা :—কনা কনানো লাওনরিববো? চাক লোইরে।

মাথন :—ঐ চাক হাপ্পুরব্রা? ঐবুদি মীন চাককৌবগি বাংর্তান লৈহৈ।

লহু :—চাককিদি চাবিনব লৈনি। ননম্ম খাল্লপ য়াওরি।

মাথন :—নখোয় চাখোকউরো। ঐ ঙর থোন চন্নকপ য়াই মুশীমচা। (চংথি)

ছানা :—ঐখোয় বাজিগি শাজং স খর পুরে, কল্লাক খর ফান চংপ উরে।

লহু :—কল্লাপ তিংবহুন বৃন্দাবন খোংদোরে ইজারমাল লোইনহুন, চন্নকনি খঙদে হন্নকওই খঙদে। নঙাগ ফংতম থোকপ স্বত্ব তাজহৌ, ঐগিদ হন্নেং লৌরনি। উচেক মপামিন পাইথোকাথৈ ইচনবু য়ুম শরুগদ্রা ইনেখোইদ তাংউগদ্রা?

ছানা :—তাচৌগ ইনম্মগম্বু কোইপাই পাইরগ থবক থিদৌরিব নত্রাও?

জেম্মী :—মতম খরদি থবক অম মরা তাত্রিবকাও উচেক তৌন কোইপাই।

ছানা :—অহুদি ঐস্থু ইনেখোয়দ নত্তগ খর চাউব মকোন অম খিব তারে। ওঃ ইমা! নও নৈতবনগি ঐখোয়গি ইকোন্সে নুংশিং অকনবন হুমদেক্লে

(চংশিল্ল খ)

লল্থ :- কপবসু নুপীমচা, নুংশিংন ওমনেকা ওস্মোইনব চেক্লী য়ুম ইবুংন শানি।

(লালটেন অম থানগৎ চাগ্রম মচন্নাওন চানা ভৌরি হয়েং য়োন্নব পোং-চৈ চানব শারি)

ইশৈ শকুব ওরা৺িনৈ

ভবৈরে + মাখন দলিল অম পাররগ লুপা খর জ্জা তৌনরগ পুখিব মতৌ উই। মাখয় মচাশিং করম তৌরি লোয়ে য়েংলম্ম। ভবৈরেন খেম পুখ।

Up Stage দ মাখয় শন লৌগ য়ুমন্সোমদ নুংশিন য়েংই। Down Stage দ বনকক তখোল্লেগ ভুমিম ঝারী শারি। অরাপ্পদ চাওমন নেমন শকই :

(নেনন চিংন শকপ)

ইশৈ :

বিদায় বিদায়,

মতম শইগ বিদায়।

ইমা নৈমরেন শিদবা,

নাওকোনদিল্লমু নচাশিংবু।

ইমাই সেব ই চংচক্লাগ,

ইমাই পাক্লু হঞ্জরক্কে নশাইগোন্দ।

বরক:—ইচেগ ইপলসিগ বৃন্দাবন চ-পদ খোঙবু ওইদৌরিব নঞাও?

তখেলৈ:-কৈস তৌইদে, ইচেগ ইবাইগ হাময়ু।

বরক:—বৃন্দাবন চংপদিদি তুমা তুমা চংনবোইরে।

তখে:—রাধামাধব, সীতারাম শোমরিচুদি।

সেংগুসে তামো। (চিতুন পুখি)

চাগ্রম অমদি ববফন ইশে ঙ' থবক তৌগি। লদ্ধু অমদি জেল্লীন লিগ্রী ১গ গ্লাস অনীগ থোরকই, তাশ শাম্রই, থর অমুক থকই।

লদ্ধু: মুপীমচা, ছানা। নঙসু মগুরো নাইক তাশ শাম্রব কাউথরো মুগাইতব পুগ, চুনিনাগিন বরিসু নাঙে, তাশ শাম্রবগুম্বনে। চে অফব থুব মীন নুঙাইব, ফন্ডুব থুবে ঐথোয়ন তাশ অমুক তোংপ চাইব। কুইস্রে চে অকব থুংগদব ঐথোয়দস্র।

(ডহাক শাম্রমিন্নে ছানাসু মাওন, অচুদে থকই চাওই)

জেল্লী:—চে অকব থুংলকও ঐথোয়দস্র। কনান তোংপ তাশনো? অমুক তোংলো তাশতো। একা অমমমদ থুংও। (চাওচুন তুখি)

তাশ শাম্রবদ যাচু ভৌগনো। (তাশ চাইখাই)

চাগ্রম মচীন্মনাও চানা চৌং, চা লোনব হৌদে, মফি নাম শেং। মখোয়গি সম্বন্ধ অসুম অসুম হন্দোবক মাংনগি শরুক্তি কাগৌন্দ থিংত ওয়তৌরে। লন্দন শিক্রী কোন তুহুন লৈবক্ন ইম্মোক্লগ সম্বন থিংলে। মীৎকপ থোক্লকপদ ইকাইবন অনীজ পোং লোইসন তাপ খুঞ্জন চেনশিনখি।

থাংবৈ কুপফেং কাফেং ৩/৪ বরুক মতম :হৌখিব তাকই। বরুক অহুদ মচিন্মনাওন লাকই:

চা গরম, চানা গ্রৌ গ্রৌ, ঠাণ্ডা বরফ, আইস ক্রীম, মিঠ পান জরদা। মচিন্মনাও মফি লাক্লে—হচৌ-অপাং ইমুং মাগ্রে, ময়াম্বদি নেকটাই ঘড়ি লোংপন্টে চৌরে।

গৌরাঙ্গ (লাকই, চংশোপ শংলক):— থাখনখোয় ইমুং শবু থোংও লোন থক্কব্রা কৌরিনে? (তেংই) লন্দন। তুমচা, চুন! উচেক চৌন সতু লেনহুন লোইনা পাক্সব্রব-ওামা—হৈ, হকোপশি সম্বল পাকথোকশেনা। বরফ! চা অমত্ত থকেনহায়? চাগ্রম!

চাগ্রম (কন্দুন লাক):— কনানো কৌরিনে? ইঃ, ঐগা গৌরাঙ্গ নত্রনে?

গৌরাঙ্গ:— নও ঐবু শক খঙ্গ্রে? চা পীথক হৈদ্রাও?

চা:— ঐগ ঐখোয় চা, চানা, আইস ক্রীমগি কারবার তোকচরে, মিনিবস অম চালাইজরে।

গৌ:— অং অং, নও নুংঙাইথংশেদনা রাধামাধবকি কৃপাদগি।

সিদ্ধা খিল্লকউৎচৈ, গাড়ী অচৌব ওনংলনব। ভাইখো, সিদ কৈরম্ব অভাশিংদু কাদায় কদোম মাংখ্র ? মপা মাখনসাদ লাইশাং অমগ পঙ্গা পুরগ বৃন্দাবন চৎপদৈ ঙারজুন মিয়াদ তাপে চাখৈন খে রক্তংবে।

চা: হরে হরে! হস্তোকপ দশাঙদা। চ শিংজস্ব য়ুমসিদ কৈব উদ্রে, কদাক কদ ইম চৎক্রবনো খ্ঙাদ্র।

চৌ:- ওঃ, হস্তোকপাদিদ! ঙ খ হবো নহু, ফিজোনংদি খরাই খাঙল লেপশিনব শাদ্র, হজোম ছানাহু ওইন লেপশিনহৈব যাদ্রাও ?

চা: কদাইদৈনো ঐগা, চানা রোংব এঙে শশুলনান লৈবিগ বনো ?

চৌ:- ড্রাইভরবু মাই ফিংব্রনে মিনদম ? (চৎখি)

চ:- হায় নিপাঙচা বরক! ঙ কৈনোবিদে ? ঐগাম গাড়ী চংহদ্রিবাও ?

বরক (মশা নাম্ন): দ্রাইভরন থাম্র হনদ চ খাই কাচা।

চা:- দ্রাইভরশিংদ গাড়ী খলোকপ য়াদে, শস্কট্রর ওইন ওইনা গাড়ী লেম্ব খোব লোইনা তনদব য়াদে। ইমুংসিদ দশা নঙ খঙেঙদন তনবা অনদ ওঙব, মৈতেগী লাকখুং।

বরক:- ঐ খাঙঙ তাহৌ। (চংখিব)

মকি মোংন, ইক ইথন গোংম্বোব অম পায় ছানা লাকই কপ্ল কাপ্ল। চাউম্ন মশক খঙ্গা খা মুম্ন লেংই।

বুছানা:- ঐ শক খঙ বদ্রবা ?

চা:- অরাঙ্কিক্লোন্দ উবহুদ ওক্কইব, কৈদোন হঙদদগে ? খঙেঙ।

ছানা: হায়নখিব রাদি কাউখিরবত্র ?

চা:- কৈদোন কাউদগে ? মহুন খরই ওইজ হিংলিবনে। মতম্ভু শুরব্র ও ? ফাষ্ট হেন্দ, সেকেণ্ড হেন্দ ......

ছা:- হায়নখিব মতমদৈদি থর ওনখংলে। ঐদু য়াম্ন মু শিবির মাহস্ব শকহেনবহু মুপী অনী শুরম্মে। এনাকথুনবহুন চহি থর য়াম্মব মান ভৌব মুপা ৩ মথং মথং শিখ্রব। অহুন ঐ হুজিক অতেব সগোল ওইওরে, বমস্ব চেন্দবী কাওবস্থ হৈতবা।

চা:- অহুদি পূম্মী নৌরিবী, Brand new ! (ঙর ওবদ অমহু নোকফেং) বস, ঐগোমদ কৈরসি য়ারবাও লায়রবে সগোলশওন ?

ছা:- ইরাইবক ফবনি। (কেন্দুন পুশনখি)

বরফন গাড়ী ঙাইব ওইন আইস ক্রীমগি ইশৈ মতেক অম শক শাম্নে।

শৃং নানব লাইজ্ঞ ফাল্লু, ঈং ঈং লাওব চুম্নদ,
কাম্লন নুংশা শীংনওম্ব, নিংখন থাগি শাইও।

মাখন (মকোক্টমরান শক ওম্নব-মোংলব):- ঠাণ্ডা বরফ, আইস ক্রীম!

ঠাণ্ডা বরফ, আইস ক্রীম! অমত্তং লৌবিদ্রেনা বাবু ?

বরফ (সিকি ১ পীরগ):—কনানো অহংবো ? (১ চুপই)

মাখন :— হংহন কান্নদে ইবুংঙো, ইমিং মাংখ্রব অকস অমনি।
 সিদ য়ুম অম লৈরম্বহুই নংশিংঙ কদোমদ চৎনখে খঙ
 লাকপ্রা ?

বরক :— হংলন কাংদে অহল, মমি খনমদন পাইনখে। (চংখি)
 ঙাইখে, ড্রাইভর ! (লাওখি)

ছানা (কিংলপ থোরক) :— ঙ ইখো অহল, আইস ক্রীমচু
 অমত্ত পীংস্মু। (পীংস্ম অচুগ চংখি)
 শেল পায়খো অহল !

মাখন :- য়োনব নত্তে, চাহৌ। (চংখি)

ছা :- ঙাইহৌ অহল, (খর তাইরে) নংাকপু কনানো ?

মা : (মমাই লৈথোক্ত মপি উহক্ক) মমি; মু সব অকল ১ !

ছা :- (শংত্রিক য়েংহৌ, শোল্লি) মিবু- বাজ নত্রনে ? (ংপ্ল)

Sad music fades out.



"হায়নান নোকপ"

লীলা মীকোক:

১।	মপাঙ্গ ভূত (কু-মুংদ)	অসে
২।	রামকুমার - মপানংব	চহি ৩৫
৩।	মচন অহল — মনাম্মা	চহি ৩১
৪।	„ অতোপ্পি - মনা লুপা	„ ২৭
৫।	ডোক্তর ভানুবৈমা (২)গ মসুংশিনবা	৩৩
৬।	খুরাং পণ্ডিত - স্কোলার	৩৫
৭।	অইংশা - আর্টিষ্ট	৪০ ইব উংপা
৮।	[illegible] চোম কব	২৫
৯।	হারী — আর্টিষ্ট	২৮ ইচৈশৈহ
১০।	খেমচৌ — আর্টিষ্ট	৩০ একটং, অগোই
১১।	থোইব — য়ুমকোইব	৪৮

থোকক্রম:

১। দোলাইলাগি গ্রাউণ্ড ফ্লোরদ ফমুং অমা থাম্মি, মেজ চৌকি মোড়া খর থাম্মি। রামকুমারগি লাইব্রেরি পাক্কম অমদি হুক্তম কানি। মথক্ত মচন অমা ডুম্মি। কুমথভম সিড়ী অম লৈ।

২। পুত্রী মপান্ন হেক থংনন লৈকোন অম লৈ ফম্নব চৌকি ৩৪ থারি।

মতম :

বসন্ত ঋতুগি নুংদাং অমদি অয়ুক।

শরুশেম :

রামকুমার কৈথোগ শেংপ এশাংথুন মচা, চম্ন শেংলি, মবুক শেংব মতৌনি। মনাই ওইনা লব, মাপী থোব কৈজোম নত্রগ খোঙ্গ্‌দা অককপ অমনব শেংলি।

মনাম্না অমদি মনা লুপা মাম্ন কে মবুক শেংদে খোঙ্গ্‌দা মেক্ক্র বেলবটম শেংলি মচু অনীদোশব। মনু মপান নাম, মচু অনী লোংব পোং ভাক্ক ামিন্নে মমাক সনা অমদি লুপা মনঙ্গন্দ পুম্মু। কূ মনুংদ পিম্ন তুং শাবন অংকশক্ক মিমু। কূ মথক্ত কুম্ন ফ অভুনা। কূৎ চিংথোক চিংসন মানি-কাংখোং মচা পানব থোনীন পুনব।

ভাম্নু রৈম সারী সনেক খঙ্গা চু মঙল মথা শেংলি, আনেক্ক মশক লোংলি মবুক শেংদব মতৌ বাঙাং নালল ছাতিনসু মরাং মরাংনি।

রাই এম লিকোন চোপ্রি পাঙুন মাই, মী দদে-থমকা তৌই-লাইরিক কোঙ্গ পোংদ। ৭, ৮, ৯, ১০ না মাংখুম হাপ্প, মচু মান্নব ছাইলদি শান্নব খোঙ্গ্‌দা, ফুর্বৎ লিঞ্জি ম্ন। মবুক শেদে, অহৈব শাই, নাপান গোই। অনীশুব মতাংদ ফুরিং খোঙ্গ্‌দা ওঙ্গোরনৈ।

রাহৈ থর থরদ ঙ'নি, আর্টন অয়াম্ব মবুক্কিং কোংদোক্লি। প্রোম্প ঙাইব য়াদে। এবটিং ষ্টাইল থর থর মী খুদিংগি খেন্নবনি। তাইবংগ অওংব মায়ব হোৎনজ্রবস্নু য়াই। অশেম্ব মঙলান লৈবাক্কি খোদোক অঙকপ অম ওইনব শাগংনব লাক্লবনি। আর্টিষ্ট অয়াম্ব ষ্টাইলাইজদ একটিং মচৎ মচৎকা চানব শেমহুন ঙ'কনি।

লৌলা হোনব মৈ হেক মুৎপদ মী ৩/৪ ন hyaena গি মতৌ তম খিগংহুন নোকনি, মী উশৎতব লক্ল খোম্থোক হুয়ানবন মাই পাকপদ হয়াওন লোম্ন নোকপগুম।

তুম্নব কা:

সীন হায়ংপদ রামকুমার গৈজোম ফুরিং নজ্রগ নাইট গাউন শেংলগ লাইব্রিক প'র য় মেজদ থা মৈ টেবিল লেম্প অম থাম্লি। থর হস্কোম্রগ ওইরামদ ফক ফম থারগ ৩মদি ৩মদন মোড়াদ ঙা, উকার মবুংঙোবু ঙাইহুন। রামকুমার উইবদ থক চিংঙ্, জ্ঞান তায়!

রাম:—ত। খোবা!

খোব (ফুক হৌগং লেপ):—মজা ইবুংঙো তাকপিনি।

রাম:—নঙবু হিংইব্রাও?

খো:—ঙগাক উইবনি, তুমজদে।

রা:—তুম্নগ শিবগ করি খেন্নৈ?

থৌ :- মুংশা। ঙোনব হোন্দবদ।

রা :—শিখ্রব মীসি অমুক ফিংঙকপ য়াত্রা?

থৌ :- রাবনগি মকোক করুগ শোন, য়েন্নম নাকুপ্পন্থ

রা :—শিখ্রব রাবনদু লক্কিক কদায়দ কিংবগে?

থৌ : নিংথৌ অঙম অথৌ পঙব কয়াম, মঙাইবুংঙো।

রা :—নচীনথীমু তাথোব, নিংথৌ পান্রে. নীংথাতম্নরে।

থৌ : নীংথা তম্মিংদু অঙম অথৌ মন্ত্রী থরদান, ননাই মাফি ঐ লৈ থারি লৈকোন্দ, অপান্ব লৈ নীংথা তম ফেকপ য়াদে।

রা :—মীয়ামগি য়েংদব অঙম অথৌ মন্ত্রী মতম হেন্নব চেক ঙাক্কুনি, লৈব য়ারোই শিখ্রনি।

থৌ :—অদু ওইরবস্থ রাবনাদ কিংখিনি মঙাইবুংঙো।

রা :—কদায়দ কংদৌনা?

থৌ :—খুন্নক ঈবক গুণ্ডা ওইন নঙ্গ্রগ ছান্নগি লুচিংব ওইন রাবন হিং লৈনি।

রাম :—তাথোবখোয় অকলদু লৈখিরে, ভাকক্য খন্নুন লৈব থেংনব বাও? পি, দব্লিউ, দি, গি ইনস্পেক্টন বাঙ্গলাদ তম্নরবই বারী য়াম্ন ভানৈ।

থৌ :—লৈকোন্দ থবক শূন্নিতৈ ঐখোয় বাজিদি মরক মরক লাকইনা।

রাম :—করি হায়রৈ?

থৌ :—অঙলগি য়াথংনি : নপূক্কিদ মাইপাক্কে হায়রদি নবুক লেংন মরম ওকউ।

রাম :—অহলগি য়াথং। (ভুমিন) তুম্ম্সি তাথৌব। (উইব)

(রামকুমার উইন উইন শমুংদ চ'ব, খৌবন ভুগনি কিছুন ভাক্কে লাক্লব অরেম্বদ। অনীমক মহৈ মহৈ তুমখং নখি। খৌবন কৈজুপ্ত চংভুন চং তুমখি য়াঙন।)

যন্ত্র খিংতৈ মতেংন ইশৈ ওইন ভংব :—

থুগাই য়েংই বাক বাক

নগাই খৌনা,

মেন্নৈ চফু অকায়ব

অহল মখিন.

কাউজনু নহাশা অহল পাউমেন।

অনীহু নাখোকপ তান্নরম্বদৈ রামকুমার কিন্নে হৌগংলকই মপা কৌরং।

রাম :-বাজি! (ফমুংদ ক'ম্ম কোইরেং য়েং)

খৌব (ভহাক মক্ষু'দ) :—হাও, এবু কৌরাও?

(হৌন তান কায়ন)

রাম :—তাথৌব, নঙ হুজিক এখোয় বাজি লাক্লম্বহু উহৌরা?

খৌব :—কদায়দ লাকইবা?

রাম :—মঙদা।

খৌব :—ঐদি নাখোক্লিভে উহৌদ্রে। করি হায়রম্বগে মঙ্গা-ইবুংঙো?

রাম :—নুপীমচা অনীহু হায় কৌথরকখো।

(খৌবন য়াংন চেনখং দোতালাদৈ কৌথরুই)

থৌব :—করি হায়রম্বগে মজাইবুংঙো ?

র্‌া :—অদুক লাওন ঋারী শাবদু নগু তাকৌদে ?

থৌব :—তাজকৌদে।

মনাস্ম, মনালুপা মপ মথং মচু অনীগি নাইট গাউন শেং ওভর ওল অমমম্ম কাবক কাবক খুম য়াংলপ থোরকং। চৌকি অমমম চিংশিন মবুংগি ফমুং মমাংদ য়েং ওই কম্মি পাউ তানীংন।

রাম :—অঙাংশ, বাজি লাক্লপ্মিহে।

২মক :—হা। করি করি হায়রমগে ?

রাম :—নখোয়নীবু থাগবৈ মরমদ –

(ইকাইবন মমাই লৈথোকই অনীচু লাংতকুন)

নখোয়বু নরম্মাই খজব লৈরবজাংলাও ? ইকাইচুন লোংলবগি নীংব কায়ঙনিকো।

সনা :—রাংক্রুদ্রাস্ত য়াজরনি—ঐখোয়দি।

লুপা :—ভাচৌগিছুম, খর ঙনখংন।

রাম :—হৈস ! মীচমদ য়াদে, ঙ্‌গ্লৈঙ হায়দোক্লুখে।

২মক :—অদুদি ?

রাম :—তাম্রহল্লগ কলাকার মকোক মথংদ নখোয়নী অমমম। লাম থম্নবদি য়াদে, নমুম পাল্লে খঙঙ্‌। বাজিন কায়রম্বনি মঙদ। (অনীচু জ্ঞান মাং লেপই)

সিদ তুম্মগ মঙ নুংঙাইতে, ঐ মথক্ত তুমগে ঙগিদি, নখোয়নী মথাদা তুমজকোয়ে। (কাথংখি)

(অনীছু চেক্লেং কোম্নরগ কপমিন্নৈ, থোবন সন্নানুং ওনখ্রগ হুরান য়েই।)

লুপা :—ইমানী তৌরসে তাথৌন উথে। (লোম)

সনা :—উনীং চেসঙ্গু, মখোয়নাছু কৌহল্লুসিদো।

লুপা : অহিং নোংম্নাইসিনবো ?

সনা :—হুরান লানাবু অচৌকপদ চত্রবদি।

লুপা :—তাথৌন খাচৌদ তাকথোকখ্রবদি।

সনা :—মচিন্দ ওইনমহল্লগ লোইরে।

লুপা :—অহুদি ইচেমান থোদারো।

(থাদোক্লুরগ, লুপান চেকিদ কম চিন্তা তৌখি, সনান থোবই মনাক চংই)

সনা :—তাথো, নঙবু নুংশি ব্রাও ?

থো :—মানবদনি।

সনা :—ছুঙক করি উখি, খাচৌন চংব্রগা ?

থো :—কায়নব উনি, মাংক পিগ।

সনা :—নঙন নুং, নুংশিব খঙনব।

থো :—"থোক্রব গোপিন্দ্র তারব থবীগি" ওাইব নঙন করি উপায়দ লৈ।

সনা :—কৈদোন লৈতনি, তাথৌন ইমানীগু নুংশিবিরবদি।

থো :—ইঃ! নুংশিবই বাদি করি হায়নি..........

সনা :—চায় হায়ব কায়দে, থবক্লু উংলু।

থো :—করি থবক ? (মকি তাথং চেন্দোবই)

(সনান কার্দ ১ ফুরিংখাওদে পুথোকই, লুপাবৈনু ইঙ্গিং তৌরগ লৌই)

সনা :—নিপা অনৌসি ফারগ পুরকই, হুজিকমক।

(লৌরগ লমজেল ভাম্নবগু তৌ চেংখি থৌব)

(অনৌহুন হরাওন একপাগ মথৌ উং লৈ ক্রীজ তৌ)

য়ামকু (মথক্তে হৌন) :—তাথৌব ! তুম্নব্রাও ?

(ইঙ্গিংন অনৌবু খুমু ইঙ্গিংন, মমৈদ পূম্ন মথোন মান্নব খুম্ম)

২মক :—মজাইবুংঙো। (কিহুন লৈ—নিকই)

য়াম :—হয়েংদি পাটংগ কয়াদ ফজ নুংঙ ই মৈহ তাম্নন মান্নব লাওথোকহল্লা জায় খাংদে হেনবদ মনামনা পীনি, হেক মখংদ মনা লুপা। ভাব তাবত্রা তাথৌ ?

২মক :—তাকরে।

য়া :—তুমজারা য়াংখৌঙনব।

২মক :—নুংঙোইজনবিরা মজাইবুংঙোন। (নুংশাথিব)

থৌবন লৈনাচোম অমদি থেকনৌ মখুং নাম নামক চপ্পুন নজ্ৰগ চিংহুন পুরকই, থর চংলক চপ লেপ।

থৌব : হেল্লো।

সনা :—হেল্লো (তপ্প) হু উ—(তুমিন লৈনব ঈঙ্গিং)

লুপা :—থেঙক য়ু। (হরাওন জগোই থেক ওকই অমমম)

চৌকিদ ফমহল্লি, মখোয়নীন সমুংদ ফম্মি, থৌবন চংঙকপ ফ্রিভমহুদ নুং ওন্দুন ঙহাক লৈ।

সনা :—লুরব রা খঙ্গদ য়াত্রহুন।

লুপা (খুদানবি থিন): তাথোসি হান্ন মথক্ত।

সনা (মনাক্ত চং) :- তাচৌন চায়ং পাউক্তে কয়াদ ফজ হুংঙাই মটৈ তান্নান চায়ন লাওথোকচল্লু হায়বনে।

খৌ :—ইবৈ জগোই লীলা তান্নব, কৈদৌনবা ?

সনা : খ্ইদৈ হেনবদ ঐবু থাজ্জব, হেক মথংদ মনা লুপা পীদৌব্রিব। তম্মুরো মপান্দ, হয়েং অয়ুক মরোল অকুপ্প অমুথংগ হংখো।

লুপা (শাক্লগ লোম্ন) :—তাখৌ নঙ কনামতদ হায়দোকপদি য়াদেকো নঙ ঐথোয়বু নুংশিনি হায়বদায় ?

খৌ (মঙ্কক নেংশি) : কৈদৌন কায়দোকউদগে। আঃ মতম অদ বাইদ কাউর্বনু। (থোকাথ)

(মবৈচু তাশিন্দুন ব্রারী শায়)

ইবৈ, জগোই, বৈবে, লীলা তমরব য়াই, করিগুম্ব মকোক মথং ওইহৌত্রবদি কায়নরেদো হায়বাগ অরাব উংলি। নিপা অনীচুন কিক্লনু—হৈনি হায়বগি মতৌ হায়ক্কেং উংলি। থাজনৈ খুং চিংনে।

সনা : খৌশালন লৈথে কন্নু, খর কন্ন হেংনৌও।

লৈংাচোম : ভাব তারে, খেঙক য়ু দালীং।

(লোম্ন শ্রা মোসন্দ থিন্দোকথি কিন)

লুপা :- করিগুম্ব নঙন মথং ফাওব ওইব ঙমত্রবদি মাংলেদো, ইমানী কায়নরে। (কপাশরে)

থেকনৌ : - করিমত চিংনন্নু লুপা, নঙনবু চানবিরিমথৈ ঐবু মাইথীহনগদব মী তাইবংদ পোকলোই।

লুপা :- অদুবুদি লুপা ঐন নুংশিরিব নিপাবু অরাইব ওইগগ্রাও ?

(মমাই লানর্ব)

(তপ্ন লোম্ন থিন্দোকউই, মচেগ চংমিন্নরকই)

সনা : করিগুম্ব হংনরব য়াব বাহং পীখিব তায়।

লুপা :-শোইদনব মাংকৈ খুদিং য়েংশিনব তায়। পামদব নিপাদ পুক্স চুপ্ন সেখা চৌদৌ শক্লক।

সনা :- মতম লৈরিউদ অঙম্বথৈ লোংনহৌব তায়।

লুপা :—থৌরাইন তাব অপাম্বদ বাইখুংব !

সনা : অঙকপ খুরুক উচস ! (চেক্লেং কোমৈ, কমুংদ চংমিন্ন পুম্ন তুমমিন্নখি।)

(Dim to Bright Light)

নোংঙাক্তে, রামকুমার চে লাইরিক বাই খর য়েপ মপান্দ থোরকই মুকুম মুকুম মথক্ক শোন।

রাম :—তাইবংদৈ মঙলান, মঙলান্দৈ তাইবংপান !

য়েনদৈ য়েকুম, য়েকুমদৈ য়েনবি !

(মেক মচা ১ গা চৌকি অনীগ থাংদোকই মথক্ক লাইরিক বোই খম্নগ য়েংলৈ।)

তাথৌ। কদায় চৎখ্রবগে ?

থৌব (চেংক্লগ) : - ঐবু কৌবিব্র ?

রাম :- তাইবংদ মওলান থোকই, মওলাদা তাইবং থোকই, য়েদা য়েরুম, য়েরুমদে য়েনবি। নত্তবু কদায়দেনো য়ুমসিদয়া? কোম্বোংগি তোঙেলসিদেয়া?

থৌব :-এবুদি ঙসমান পোকপনে মজাইবুংঙো, পাবুংনা য়ুমসিদ হিংঙাদা শম্বন ঙোইনব য়োকপিখিব।

রাম : অদু হিংঙোনসি লান কদায় য়োকুরগে হুঞ্জিকপো?

থৌব :-খবর কয়াদ পাইকেল্লুই?

রাম : (ঙম্মা) করি করি পাউ?

থৌব :—ঈশে ঙগোই, লীলা কলা হৈব তায়রো, খাইদৈ কঙবদ মনায়া, হেক মথদ মনা লুপা পীনি হায়ন লাংথোকখল্লুব।

রাম :—খাইদৈ ফজব খনবদি কনান খাইদৈ হৈনি?

থৌব :-মঙহনব লুইব য়ানি, মঙব খনবদি লায়না কৈনো। ফজবু খনব হৈত্রবদি ঐদি ননাই নি খঙ্গনে সের। ফজবু খনব হৈত্রবদি ঐদি থৌব নত্রেদনা!

রাম :-মীগি সার্টিফিকেট পায়ব মমিং চংপ অহৈব খন অঙ ওইহন্নরিবদ নওনা?

থৌব :—অহৈবন চেং থৈবসি হৈমল্লুন তৌরিত্রা মচং খপতোকল্লি মজাইবুংঙো।

রাম :—করিগুম্ব কান্ন শোইখিব ওইরম্ব য়াই। তোকুব ওাহুং হৈমা ওাক কৌরু। যাগম্ব তায়সি।

খোব :—কলাগি লাইনবু মী ডোক্তরন য়েংলবদি লেপ্লি ফল তিংনি ফার্মা মদ। (চংখি)

রামকুমর রগী লেপ্‌লগা হমুইনা তৌগৎপা মরী অশাংবা পুরগ থারক', খমগ রি হৌ।

রাম :—কেরো! এচ ও দবক লোর! (ডক্টর ডাইরে, কেলে ডোক্তর ডুঙ্গম! খোংদোকপ ধবক ফিরিঙ্গি এখোয়দ ডক্টর লেংবনা। নহাকার কহা ফক তমরোরি, হায়নি হন। অদি মখোদ মনাম্ম অমাদ মন ক্যা পীবু চাবদুম, নিকোর অহৌ। ঝাং, হক্ক য়াদব

(তংবগ ডক্টর। মচে পাম্ন ক সরকপ।

" " চচে, হৰ মু

ডোক্তর ডাম্বীনম বেশ পাঙ্ক লেল লোৎ লাকই।

ডাক্তু : পরিখি মো। অনা হায়ে য়াকল্লবগ অপোবা লৈবে

রাম :—ডাক্তর বাবৌ, হগা রাঙ্কন কম লোমন য়াম্র।

ডাক্ত :—কর ওয়াথেলগ হচৎশিং ডাদব মাওত্রগ?

রাম :—গ্রামতিংনি, কলম লৌব, পাঙ্গী অমদি শকক ১ কক্ল অতেম পাঙ্গদ তোথনব থাব।

ডাক্ত :—কবি পাঙ্গী?

রাম :—পাঙ্গী ওয়ে ডপ মু নী তাকপনি।

ডাক্ত :—অপাঙ্গবু কায়দ চংদোরিবা? কনাই অপাঙ্গা?

রাম:—থাজিন পামজদ্রঙ্গী অমদ কলাকার চুম্ম অমবসু ইচম অনীদ লৌংথোকপনি।

ভানু:—Sister অদোমনা অমলগি য়াম্না ভাক্লিংদ্রাও? মরিনো অথোইবা আর্টিষ্ট থম্লগা, মৈদা থংবদি থাইবক মা নিনা?

রাম: মপুঙ্গ ফা অমম্মা লৈবাগে ইমানা মি নৈ। (লোম্ন)

ভানু:—মপাল, মইচ, মণিং লৈত্তব মিপাদ কৈদৌনবা মমুম পান্দৌরগা? মখোয়বু ভাওবো? অচ্চা! নহাকনবু অহুক পুনচেনলসি!

রাম:—মখেমদা কিরবা মকোক মথং ওইনা থল্লকপা আর্টিষ্ট অমি ফাহেন মথু, মমীং মনাকা শোইদরক্লবদি মিনি।

ভানু:— অংঙ্কম হায়নদা লাকপৌবদা য়াদ্রে?

রাম: লুনিবদা মহুৎ মইঙ্গনা লৌবা ওইরব, অনৌবদা মীচা মীথাই মিঙ্গ থাইনা খাল্লবা লোই থক্লে য়ারক্কওইবব।

ভানু: মখোয়নি বু থাংবা মদা থাইবু হাইরি, অদু অমং থিবনি অমুক লুদাবিরবনি।

রাম: ভদ্র কোম্ন থনাগি মখোয়নীবু অমুক্ত কাম্ন য়াইনবম্মু। হায়, অচুবা না! অমুক লে রবটি, ভোজবরবু অমুক্ত হেংবলো নখোয়নী নুংশিনলপা লাইনাদো। (লোম্ন) এই থর হৌজক্কু লৈগে। (থোনখি)

মনা নুপামচা কৈরবা:— হদ মোনিং ভোজন্ন বাহুনি।

ভানু:— হোয়, অদু চুপ!

মনা: বরি থবক তৌরিবনা?

ভানু :—নখোয় য়াম্মুংন অনাব য়েংবিরো, ওপরেসন তৌবিরো হায়দুন কৌরকপা।

লুপা :—ঐখোয়গীদমক খোইদোকপ অনা-অয়েক লৈতে।

ভানু :—অনাবদি নখোয়নীনি।

২য়ক :—কদায়দ নারবা? ঐখোয়দি করিস্নু তৌদে।

(কন কা চোংশ, হকচাং শাজেল থৌই)

ভানু :—নখোয়ন খংঙ্ঙাই, মম্মু ঐ তাক্কে।

(চৌক অমমম চিংশিল্লগ মনাক্ক ফমহন্নি।)

(থবাক, মবুক লীঙ মারগ) তো, শিদ লৈরে।

(অমদন্নু অমুক মারগ) তো, নংগিস্নু লৈরে।

নখোয়নীসি ওপরেসন তৌদব য়াররোই।

সনা :—কিরেদা শুপ্লোক শুপ্লোকপ!

লুপা :—করি লাইনা লৈরবগে?

ভানু :—নবুকচেল মাংবা, অহনগী য়াথং ইন্নীদবা, নবুক্ক মুংশি খঙদে মুংশিদে খঙদে নুং মতুম অমমম ফুংদুন লৈরে, মহু লৌশোকপ তায়। অহনগি য়াথং ইন্নব, লাইরৈবাক্কে শান্তি লৈনব।

(অনীহু শুহাক মথুং কারল মরেংজুম পায়জ—চিন্তা তৌদুন লৈ)

সনা :—নহাকস্নু মুপীনি তোক্কর, ঐখোয়বু মুংশিবিয়ু।

(কৌগংলগ মনাক্ক নকই-মমাই য়ম্নাদ) ঐখোয়বু তেংবাংবিয়ু।

মুপা (চংশিন্দুম কোয়প) :—ঐথোয়গি নুং মতুমশিংছু আটিই ভাক্তনি, মথোয়নবু ফাষ্ট সেকেণ্ড ওইহনবগিয়ু। (চুপই, মুম মুমহুন মচিন্মনাওনা ভোক্তবগু।)

তাম্ব (নাঙ্গোক্লব শ্যাংনরপ) : তাইথো, তাইথো। তঁদব থোঁগাং পুকচেল শেংদব থবক তৌব য়ারোই। ওপরেশন তৌদব য়ারোই। নথোয়গীশিংছু তামব য়াওহল্লু আটিই ওইরবদি। অতুগ কনামতন মথোয়' মঁচং চংবাদ য়াদে। পুকচেল শেংদব অমোংপ থিংতং য়াওবদ নথোয়নী থন্তক্, নয়ুমদ নাইতোম তা কপুন লৈবদৈ হেল্লরোই। (চংথি)

সনা :—করম্মো ঈমানীবু করম্মো।

সুপা : থত্তক্রে ইচেমসি থত্তক্রে! (কোয়থপ কপই)

(অরাম্বদৈ শকপ ইশৈ তাম)

কনাই অবাব কনান থত্তনি,
কনাম্ব নাত্তইহ কনাগি।
নথন নথক্ত কপচব তাবনি,
পোকপন্ধ মথক্ত শিবম্বু নত্তোম।

(লেংগোয়রপ মচিন্মনাও দোতাপাদ কাথংথি)

লৈকোল, অয়ুক

চৌকি ০/৪, টেবিস ১ গ থাখি। ফাইল, চে, পেন্সিল থম্ব লৈথ উই। রামকুমারন হজং হন্দা চং য়াথল তৌম্বি। থৌবন ফাইল অম য়েম্রপ চংলকই।

রাম : করম তৌরে তাখোবা ? কনা কনাদা তারে ? ইখন খন্নরবাও ?

থোব : - মজাইবুংঙো, তুনিয়া শিন্থুংনে কোইকরে, অহৈ অশিং লখাগ তাম্নরে, অদুগদি ইরাই লায়ন লৈরম্মে।

রাম : কদায়দ লৈরম্মগে ?

থোব :- কক্কক মজাইবুংঙোন থনবিনীংইব জক অহুমসি থাইনগি বিক্রমাদিত্য নিংথৌগুম্ব মবুক শেংব মীচং নাইদব অচুম্ব পাম্বনিদো ?

রাম :-উম, মহৈদ মরৌশিংদস্তু মপা লৈত্রব।

থোব :—মতিক মগুণবু চপ চান লৈরবদি অদুমদুই মহুৎ অমত্তন ওইবস্ত্র য়াবজাংনিনে ?

রাম :—য়াইনে। কনাদ তারবগে অদুবু ?

থোব :—কলাকার অথোইব থক্লং জক ওইনীংব মীসিদি য়াম্ব লৈরম্লেদা, মতিক চাই পঙুংদ চংদ থঙদে।

রাম :—অদুবু কনা কনানোনে তাথোব ?

থোব :—অদুবু ওইহনগে চায়রবদি কনা কনানো লৈবিম্বু চায়ং মথে লৈবিগে চায়চুন মঙ্গল উংপাং লৈ।

রাম :—অঃ অঃ।

থোব :—থর অহন মঙ্গল উংপদি নচুং ফুরিংথাইটোদ শেল উ লি, কয়াম য়াদগে চায়নে।

রাম :-শেল তোপান চাংবগে কলাকার থনবই জক ওইরগা ? অঙকপ মতম !

থৌব :—ক্ষাষ্ট্র' সেকেণ্ড তাব অনীতুদ পীদৌরিব মনান অ'হংবে মনাস্না মনা লুপা ওইরেদো অতুদদি মীহৌব নহারোল মহৈদ বাংপত্র মরলন মেনখৎপ পাম্মুদবশিংন জজ ওইবগি চো'কছু মমল বাংখৎহনমনে।

রাম :- ঐ মৈ মৈ মা! শেল তিংনরিব বা ওইরে! ডাইথো, মশল উৎলিবত্তুন ক'রগিনে? মশলনবু কলাগি বিচার করম্না তৌদৌরবা?

থৌব :- এ স্তম তৌবনি মতাইবুংকো। মশা ক্ষব নিপান কলাকার অমবু ফরে তাযতুন শল্লবদ করম্ব শোঞ্জুন ফত্তে তাযতুন য়েৎলকদগে ক্ষন ক্ষত্রবস্থ, নত্তে, চুবা তেক্লীংব মী লেস্তে হায়ব।

রাম :—ও ও! ক্ষত্তব খনবৈ বিচারগিদি মী খুদিংমক মান মান পাম্ব হায়নব য়াবনিন, জজ অমৈ রারেগু, অত্তৈন য়াগন্দে, শে টরে লাম্লে জুজ লাওনগন্নি। মশা ক্ষব মান খল্লে হায়রবদি মচানবান পোমলীংদব মখৈ তু'ইন তুমিন কৈনি, সি নত্রা?

থৌব :—মানি মতা ইবু'ঙো মহুমক্কি। ঐখোয় খঙ্গীংলিবন অ'শ'ব ক্ষত্তব কলাকার, মখোয়ন খনবিগে হায়রিবন ক্ষত্রবস্ব মতৌ হায়বিগে কনাগুম য়েৎবহোই অসিনি।

রাম :—অমুবু বনা বনা শংবগে?

থৌব :- নম্বর রান : তর্ক বিতর্ক তৌনব ভস্ব পণ্ডিত খুঙ্ক

নম্বর টু: কলাগি মশা শেংই শেংদে য়েংব হৈব, ডাক্তর ডাম্বুরৈম; নম্বর থ্রী: মচম লৈকুবদ মতিক চায় চাদে য়েংনীংঙম থোকপ, মশাইবুংঙে রামকুমার।

রাম:— হৈ! ঐস্থু রাওব তারব্রাও?

থৌব:— রাওবিগদবনি মজা ইবুংঙো। অহৈ অশিংন তারবগ লমকপ অজ অহুমনি, করিমত চিংনবিস্থু।

রাম: তৌবরুদ মীন থানবিদৈ বানি, ঐখোয়স্থু ফৈ খজদে, থংঙাই মুংঙাইতে বিচার তৌবদি ওথাক ঙম লাংনি! অহৈ অশিং মরক্ত ঐখোয়বু পাম্ব মীশিংস্থু রাম্লম্নি লাং ওইরে।

থৌব:— রাম্নি মজা ইবুংঙো, ডোট তৌনরকপনি।

রাম:— ডাইখো অথৌব, থুরাং পণ্ডিত হায়বহু কনাগ মিং-থোলনো?

থৌব: ও, পণ্ডিত চন্দ্রকেতুব থুরং পণ্ডিত হায়রগ মতম থর থজনরম্মি। মরমদি মতাক মরক অম মাথাহু থর ক্রেক তৌরবে, মীন নেক্রুগ অয়ানবরু মরৈন অচুম্ব শাহনব ওথাক ঙম্বাগ।

রাম:— হৌজিক মাগি মকোক্তু গঙ্গাগি মৈথু চুত্রেকো?

থৌব:— খরং অহুগি অতিয়াওম শেংলে।

ডাম্বুরৈম দরখাস্তকি কাইল অচৌব ১ নাকল য়েনগ চংলকই; কে ন শেং চারে।

ডাম্বু:— ঐবু চংলরকপ রাপত্রাও?

শ্যাম :— চংলকও, ছাইর ম্বিবনে। (চংলকই)

ছাত্র :— গুদ মোর্নিং— !

শ্যাম :— গুদ মোর্নিং। কেন্দিদেট ময়ামচুদৈ কৌবাম খঙ্গোকপ লোইরবাও ?

ছাত্র :— লোইরে, দরখাস্ত থারকপা ৪০০ রোমনি, মচং মরীখক্ত খঙ্গংলে।

শ্যাম :— খঙ্গংলোলব মরীথুন খ্বাইদৈ কব শোইদ্রেকো ?

ছাত্র :— মাতক চাব মী ১০ মুক্ত খঙ্গংপানি, শোইরোই খল্লি। অদু, অদুবু খঙ্গংপ লোইয়বাও ?

খোব :— লোইহরে ইবেম্মা, পণ্ডিত খুম্নং, ইবেম্মা ডোক্তর অমদি মজা ইবুংগো রামকুমার।

ছাত্র :— ঐমা! ঐম্মু য়াওব তারব! তৌববুদি মীন থানবিনবৈ বানি, অর্থাৎ অশোয়বশি দাগ মদুব অচুম্ব খঙ্গংপ করি তৈ-রোইদৌরিবনো ? মবুক শেংদব মমীং শেঙ্গ মীদল অরানবা থনবনি।

শ্যাম :— মানি ডোক্তর, পুকচেলবু শেংলব্দ অশেংব নুংঙাইব থনবদ থোইদ লাম্নীংঙাই লৈতে।

খোব :— পুকচেলসি শেংলব দম্বি তানব য়াদবসিনি খ্বাইদৈ লুর্রিব! ফন হৈব অদু ওইসনু চাক চরা অম পীদরগ মবুক পেথোক্লব্দ অচুম্ব ফংব ঙোনদে।

ছাত্র :— অখোব, পণ্ডিত খুম্নংবু ঙসি শংনি হায়রব্রাও ?

খোব :— থেরাং হেক লোইরগ কৌরকউ হায়।

ভানু :—কেন্দিদেট মরীচুমু পণ্ডিতচুমু কৌরুবে, হুজিক থন-দোক্লগে।

রাম :—থৈথোকপা কান্নদে থন্দোক্লমি হুজিক। কেন্দিদেটশিংচুবু লাকুখ্রবাও?

থৌব :—হু কুমদা ভাইচুন থৈরে মথোয়দি, মনা পুরগ ময়ুনদ হন্নীচুন।

রাম :—পণ্ডিত খুনং কৌরুবো।

থৌব :—চংচরে ঐ, কংগু মহাক শংলমদ্রবমু মচুংত ঐ হেক্ক কক ওইরগে, ঐমু থৈনিংথ?

রাম :—থৈবুদি থৈনি কাম্বরু, অথোব নুঙ সার্টিফিকেট পায়দে, মীন মাতক চাদে লাওরকান, কুম সাদ পাথাগে।

থৌ :—নহি, কুমদিনি সার্টিফিকেট অকোব থর থৈনিন্দব য়াক্রে। (চংখ)

ভানু :—লুপীমচা অনছুদি ইন্টরভিউগি কুমহৈ য়েংহনগদ্র?

রাম :—য়েংজসনু থৈদোগে।

ভানু : (দোতপ্প মঙ্গ য়েংখ) : মনাম্ন, মনা লুপা। তারিত্রা নথোয়নী? ভস, হুজিক চহক্কি মনুংদ কলাকারশিংগি ইন্টরভিয়ু তৌরনি। নথোয়নী য কুম্মে য়েংব য়াওব য়ানি, নমাই নমীং থেব, নক্কি নয়োল শেংপ লোইশিল্লে।। তারত্রা থোয়বো?

ধমক (পনক্রপি) :—তাক্কবে, লোইদোরে।

পণ্ডিত চন্দ্রকেতু লাইরিক থর য়েংপ ধমকা তৌন

শেংহৈন ফিজেৌ শেং চীং কেম্না চংলকই। থৌবন মাং থারগ পুব্রকই।

থৌব : জজ লেংবিব্রক্লে।

রাম :—লেংশিনবিরক শ পণ্ডিতজী, নমস্তে।

পণ্ডিত :—নমস্তে।

ভানু :—শোমদ লেংশিনবিয়ু।

পণ্ডিত :—জজ তৈবু কনা কনাদ তাবরগে?

রাম : ময়াম্বা ভোট কৌনবদ পণ্ডিতজীগ, ঐগ, ইবেম্ম তোম্বর বাবুনীসিগদ তারে। ঐখোয়নীদি তেংবাংনগদবনি।

পণ্ডিত :- রাহংদি করম করম্ব কয়া রাংন হংগদগে?

রাম :—জেনেরেল লেংলেক অমদি বঙ্গাক রঙ্গুন হৈনরব সাহিত্য সঙ্গীত, নৃত্য, নটা থচ্চদ থর খর হংলগে হেক্ত য়ানি।

পণ্ডিত :—য়াম্ব ফবে, মতম মাংলন্দন হেক্ক চৌরসি।

ভানু :—তাথৌব, চে মুং লানশিন্নো, কেন্ডিডেটশিংহু শুন লাকনরব্রা? মসি কৌশিল্লকউ


(জজ অজুম চে পেন্সিল পায় ফম্নে)

থৌব :—কোম নম্বর টু লোর সিঙ্ক। চংলকও।

(টুল ১দা ফম্মি)

মনাম্না, মনা লুপা সনামচু লুপা নচুপি বেল বটম জবলি লিং কুমথরকই, ফমুংদ জা চৌকিদ মত্রগ মোক্তাদ ফমই।

a, b, মনাম্ন + মনা লুপগি ফমুং অনানন, চৌকি অমমমগ কোম্নন ; c. d, e অজ ৩গি চৌকি, f তা মোড়া



পৌবন ফম্বর : মম্নাইদ হেক্কম মংংশন acting area ওইব, মখোম্নন ফম্ব চৌকি মোড়া মিংশম্ন পৌবন থিব, অঙম্ব মতেং পীব। up Stage দ ংক্ক অম থাবিবামিন কেম্মিদেট ৪ না মম্বব

সীন অসিদ ষ্টেজগি মঙ অসুম্ন শম্ন কৈ (a) অমদি (b) মনাক্ক সনাগি মেদল ১+ ম্নৈ পরেং , লুগাগি মেদল ১+ নৈ পরেং ১ মৈম্নাম্ন উনবা শংফি কোমিনবর মথং মথং অকৈপা (Writer + actor) ৈশক্কোম ফুরিৎ লিথংন শেৎলিং, লাইরিক অ.দি বই থর য়েপ কম্নপ চংলকই। মথংদা নৈনাচোম (কবি) পায়জামা খুদায়ংলা ওবি, হযেষ্টকোট কিন কোম্নুক্ক চংলকই, নমতে ভৌরগ। মথংদ খোবন হাম্নৌ শৌ। অাটিষ্ট সিঙ্গর হাম্নৌন

ফৈজোম নজ্রগা পায়জামা শেং মরে বান্দ ফিয়ান, ফিরপ চংলক্লগ নমস্তে তৌই। রামকুমারন bench তা ফম্বর ইঙ্গং তৌই। অরোইবদ স্যুট টাই শেং থেকনৌ (actor & dancer) সালাম তৌরগ চংলকই, জগোই শাজংত ফমখি।

কবি লৈনাচোম অমদি থেকনৌ চংলকপদ মনাম্বা অমদি মনালুপা ইকাইনু'শি মাই-থ ও উংলি। লৈনাচোম অমদি থেকনৌ নুপী মাল্লব মশক শেম্নকই, অনীদুন নিপা (মকোই)........।

পণ্ডিত:-ইবুংঙোখোয়, নখোয় নখোয়ন হৈনব কলাহু অমুক্ত তাকুরকউ। নমিংসু হায়য়ু।

অহৈপ :-ইমিংন অহৈপা কৌজৈ, লাইরিকসু ইজৈ, লীলাস্ন য়াওজৈ।

ভানু :—হকচাংদ অনা অয়েক লৈবিদেকে ?

অহৈ :-ডোক্তরগি সার্টিফিকেট অশেংব দরখাস্ত হাপচখি।

ভানু : সার্টিফিকেটতুদি শেংলস্ন য়াই, হকচাংবু শেংইব্রাও ?

অহৈ :—শেংজরি।

রাম :—চহিদি কয়া শুরে ? য়ুম পান্দ্রিকো ?

অহৈ :- চহি ৪০ থরদ হেল্লরি, শেল খোজ্জে হায়দুন নুপী অমত্তনা হায়বিরদে। থক্তনদবৈ বানি, এ'দ নুপীবু য়াম্ন লুন তৌজনি।

রাম :—করে, মচু হায়ত্রবন্ন য়াই। ঐখোয়গি হন্দক কম্পি টিসনসি বা নোম্ব, চাক কৌব, শেন য়েপ্প অমত্ত য়াদে

অহৈ :—থেঙ্ক য়ু। (ফমখি)

পণ্ডিত :—মথং অমগি তারসি ?

লৈনাচোম :—ননাই ঐ ইমিংদি, লৈনাচোম কৌজৈ, কবিতা থর ইজৈ !

ভান্নু :—থমোইদি ফরিকো ?

লৈ :—করিগ থোইদোকপ তৌজন্ত্রি।

রাম :—চহিদি ?

লৈ :—২৪/২৫ দ ভায়জরি। য়ুম পাজিত্রি।

রাম :—নুংশিনবদি লৈত্রা ?

লৈ :—অঃ লৈজদে। (মমীংন হায়রপ সনাদ)

রাম :—খঙেঙ ফমো। নঙ মুপানকো ?

লৈ :—সার্টিফিকেটতি য়াওজরক্তে, নিপাদি অশেংবনি।

পণ্ডিত :—মথং— ?

হারৌ :—ইমিংন হারৌ কৌজৈ ইশৈ শকচৈ শিনকন্ন, কোর্ত্তান পায়জদে, কোথেং চঙজদে, খিধা ফিশিন ফংজদে, নোংমাইজিংদ মরক মরক থর থর শকচৈ সঙ্গোই শুমাংদ, কবিগুমদ তানীংদে হায়দুন লিক্লীন থাবরকপ য়াওই। চহি ২৭/২৮ শুজরে, লৈরম্মগ চেনখিব মুপী ২ শুরে। ঐগী থর শাও নবদৈ— ।

রাম :—তোকও কদৈ, নঙ ফমো।

পণ্ডিত :—মথং নমিং করি ?

(থেকনৌ বাঙাংদন মখুং মঙক মশা থেকই নোট)

রাম :—নমিং হংবনে ?

থেক :—হুজিক্কু ননাই ঐ ইমিংনি। (ময়াম নোকই) থেকনৌ !

পণ্ডিত :—শিনকমদি করি ?

থেক :- (তাণ্ডব নত্রগ থষৈ মখোঙ নাম থাঙ্গং জগোই মতেক ১ উং'দা)

রাম :—ফরে, চহিদি কয়া শুগ্নে ?

থেক :- বাজিনা স্কুলদ মিং চনহিবদ চহী ৭ শুরে হায়জবদ। য়ুমদ ইমানদি ১১ শুরে হায়। হায়জরিব বাসি ঐন অঙাং ওইরিবৈনি।

রাম :- হুজিক হু'জক চহি কয়ানো নঙবো ?

থেক :- ১১দা ৬/৭ হাপচিল্লবদি অং (মখুং থেকই) ২৪ থরা হেল্লস্মত্রা ?

রাম :- নয়ুম পাজত্র নঙবো ?

থেক : ইয়ুম লৈজে, ইমা ইপা শুজরি, ইচিন্নাও ৬ শুজে।

রাম :- নত্তে নঙবু থেক নৌচুনদ লৈরত্রা ? মুপী অমত্ত লেপশি ন্দ্রিবাও ?

থেক :—মপুম অমা কান লেপশিনব ঙমজত্রি।

ভানু :—মপুম কাত্রি হায়বদি ?

থেক :—অং—অং—

রাম :—করিগিনো মপুম কাত্রি হায়বনো ?

থেক : - চীন মখৈদি চানবিন্থন ঐগি ওইজরব।

পণ্ডিত :—ফরে, রাহং অচম্ব খর হংগে, মুম্ন তাও, পাউখুম শমনা ফজন পীয়ু, কোইথোকপ য়াদে, তপথব য়াদে। হেক খুম্নিংবগ নখুং থাঙ্গৎলু মী খুদংমক। হংবিনীংব হংবিয়ো? (ডোক্তর অমদি রামদা)

রাম :—নখোয় কলা হায়বত্থ খঙব্রা? কলা হায়ব ঙম্নি?

লৈনা : — কলা হায়বদি Art পুনি।

ভানু : — Art হায়বদি — ?

লৈনা : — Art হায়বদি কলাবুনে।

পণ্ডিত : — মীতৈরোল্দা হায়য়ো। (শাওরপ লাওনা)

অহৈপা :—ঐন হায়জব য়াগদ্রা?

পণ্ডিত :—হায়য়ু, কলা নত্রগা Art পু মীতৈরোল্দ করি?
(য়ানীংহুন মঙক নেইম্নে)

অহৈ : — ফজন শেম।

থেকনৌ : — মানি, ফজনশেম।

পণ্ডিত : নহাকপু য়ানিংব্রে? অঙ্গদি খুদম অম পীয়ু।

থেকনৌ : — ফজন শেমগি খুদমদি আজকালগি লমজাউদ লৈশাবী। (অতৈনা জা নোকই)

রাম : — ফজনশেমগি খুদম্সু লমজাউদ লৈশাবী? করম্না।

থেক : লমজাউদ থোক্নিবৈদ ফজনব শেমহুন থোরকপন

ভানু : লৈশাবীবু কলারাউ? মীবু খুংশেমলাও?

লৈনাচোম : লৈশাবীদি কলাকার অমনি হায়ব য়াই, মশামকপু কলানি হায়বদি ছুমদে।

থেক : মানি মানি মমাইদ তৈরিব, মশাদ তো'মিব ষ্টাইলম্ভ মাগি কলানি।

পণ্ডিত :—লমজাউদ মমল কানব লৈশাবীন কেব, মেলাদ শিংনব শাব হৈ লৈ, তেনবা খুমুগুম্বগ ইশৈ, জগোই, শৈরেং, অয়েকপ লাই, কলাগুাক্তনি, কবিদ মক্ক ওইন থেঞ্জৈ? কনা হায়ব ওম্মি?

গারৌ :—ইশৈ, জগোই, শৈরেং, লীলা, অয়েকপ লাইন পলিত কল', ফজনবৈদমক ও'বন : অতৈনা শেল য়াম্ম শিংনব কাননব ওইবন, কলা ওইরবস্থ হল্লব থাক্কি'ন।

পণ্ডিত : ফজব করিনো? কনা হায়ব ওম্মি? য়াম্ম শমনা?

লৈমাচোম :—য়েংব জাবদা লুংঙাইব, পুক্কিংবু শু'হংপ, মী খুদিংন পাম্মবহ্ন ফজবনি।

(জজাশংন কে'ম্নাদেট খু'দিংন ঙাংব উৎপ তার তারগ চেদ থর থর শমন যো চিক্লি)

রাম :—অতৈ কনা খুম্মীই?

অকৈপা :—ইন্দ্রিশিংগি থজনরোলদ পরমচুমহ্ন ফজবনি।

তম্মু :- খুদম পীনবিয়ু।

লৈনাচোম :—কবি ঐখোয়ন কবিতা অম পাবদ নজ্রগ ইজবদ লোম্নাহ্নগ ভাবকা খোম্মোক অমম্ভ ওইন চুশিন্নজ্রবদি মহ্ন শৈরেং ফজব হায়বহ্ন ওই। পুক্কিংবু শুমহংলি।

থেকনৌ :—জগোইদস্থ অহুমজাই, যন্ত্রাশংগি খোজেংগি ঈথক্রুদ থেক নৌহন হায়হুমহুন শকহেনব শকহেনবি আর্টিষ্ট অহুন

তাঙা মেঙা ঈশিং লিংপ য়াদন শাগংলকপত্তুদি করিনো ?

(যন্ত্রগ কোয় মতেক অম শাই - য়াঙন-হৌন)

রাম :—কবি নাচোমস্তু শৈরেং অমত্ত ফজন খীবিয়ো।

লৈনা :—(ফজন পানব একটিংগুম হায়রপ) ঐন পাজদৌরিব শৈরেংসি চইমুক ফারে ইজবা :

ওঝিত :—লুংঙাইনব ফজন পাউ :—

লৈনা :—হৌদোং লমকোই ওররাও,

খোংলি লাপ্লপ "ওররাও, ওররাও"।

চাকশঙদ তায় অহল অমন চান চান

খঙনি বস, ওরাংগিত্তুনি

লাক্ত লাকসমু 'শরি শো'

খুক্লাইন থাগে ওয়াংগি লমন,

লোয় চা'য় নাইয়ুম নাইয়ুম।

খুজীয় ফক্লাংদ খে্‌া খে্‌া

হায়কেৎ খঙহন অহলবু

কাথংল কমখে্‌ থোঙনাওদ

হৌদোং মমীৎ ইরং লং

চেগপ পায়থং হমুবীন

লাকসমু খঙনি ঙায়বশায়।

মিত্তুক্তে ফন চোংথখি,

অহলগি ঙাৱৌদ লাক,

লাক্ল চেন্নে ওয়ং ওয়ং

হৌদোং লমকোই ওররাও।
হাংলো হাংলো হন্নুবীন
চেগম শেং নংহৌদে।
অহল খুজাইন বাক
কৈরেং ভুরেং কিংখিবন
পোদোন্দ পাজে কাং,
খজোক্র বোপ হন্নুবীন
খিক খিক্তে 'অয়ো'মা'।
ইমুংন পুন্নম খাংমৈমুং।
মৈ কামগে ফুঙ্গামা
চাকলুক্ত মেংলে হন্নুবী
হৈমা হংহং হন্দোকই।
অমুক লাক্রে বস
হন্নুবৈ খুভুন্ন বাক
নীঃজোন্দ ভুপ হন্নুবীই
ময়াং তেকখোক খিকাম
হৌদোং হাংপৈ লিংজেন্না?
ইহে, নগুলা চাউবী।
পণ্ডিত:—হারৌ নগু, ইশৈ অম শকউ।
হারৌ (শকই:—বিজুলী খুটিনি ঐ, বিজুলী খুটি,
লেংখান্দ মৈগুাল ইমীংন লোকাং।
লেপকং কংন হিন্ডিঃ চৈরি,

নোকুজন্নু কবুলিয়া
নপায় ঙাংশং-ঙাং।
ঙরাংদনি ঐস্থ পাখঙ অঙাওবন
নুংহুম্ন বাক ইমীৎত
য়েংনশিদো নঙগ/ঐগ
কনান কুইন খাংঙম্ব
নোং মুংশিং অকনবদ।

য়াম :-মথংদ থেকনৌ, নঙন হৈজব জগোই মতেক ১ শারো।
(থেকনৌন যম্ভ কোয়ন জগোই অয়াঙব অম শায়)

ঙান্নু :—মথংদদি এক্টর য়াইটরগি মহৈ য়েংলসি।

পণ্ডিত :- চুম্মি।

অহৈপা (হৌগৎলগ) :—লীলা মতেক অমত্ত থৌগল তৌজগে।

ঙান্নু :-য়েংলসি, য়েংলসি।

অহৈপা :—উরে তারে, কময়ক-এ শাওনীংলে
খোৎনীংবন মরেং মরেং করিনো খুজিঙ্গে
হাকজরে হাকজরে, চিকনীংবন য়া সে
গৌ গৌ গৌগৌ গৌ!
য়েংউ, মুমু পুকক্ত মুংশাদ চারি চাক,
মনাক্ত কেন কুপ্নি হৌদোং শকথীবি
ঙ্যাও ঙ্যাও খোং মীৎচোপ্লি,
ঙা মকোক মক্ত মোনোপোলিষ্ট।

চগৌদ য়েংউ তাম্হোকপিরি ঐবুদি
শোকুব য়াদব অমাংব ছুই,
কায়দে চারমদাইদদি ইখৌ খঙব, ইপু নীংব !
গৌ গৌ, গৌগৌ গৌ !
ছু য়েংউ, শম্বন্দ তোং বারী শারি
য়ুমলোয়ব উচী নহামচা ২
খবক নোমদন চানীংবশিং।
তামোখোইবু করম করম পানহিরিগে ?
ঐখোয়দি নঙবন করিনে।
লুখ্রাবীদুন কৌ লিখাই লিখাইদ
বাল্লগ চায় চয়োলদ,
পুকসি থন্দব কুইররনে।
অহুম থাংখো ইবেম্ম,
ঐখোয়স্থু পংমুং মুংভাইতে
মপাল্প মীন কল্লকুরস্থু
তামো মুপীবু কয়া শুবিরগে,
ঐস্থ কোট িনব অদোমদ লাকতায়ে ?
ইবেম্ম ইবেম্ম, ঐ নহা নত্তে
তরুক শুয়পোৎনে।
অহুম থাংখো কুমসিদি।
করিগিনো অহুক পাংত্রিবো নিপান
নথায়বদি পোইমুদ ৭ লোমৈ।

নঙ কিনিনহৈ হৌদোঙ অম লৈনে।
গো গো, গোগো, গো!

উচি কাদব হৌদোঙ

নঙদ লাক্লগ লোইরেহৈ গোগো!
মীচং নাইব য়ুমু, হৌদোংমতৈ!
হৌদোংদদি য়ৈগে হায়দ
ঐহোন্দ তেংপাক্ক বাক
কৌয়েং কৌয়েং, কৌয়েঙ!
ঐবু করম্ব হিংসিগে।
কন তৌবৈ তেংপাকচা!
শাঙনীংএ, কল্লকএ
হৌদোংন চারগ চগোয়েং,
এটোম বোম অমত্ত পীয়ো।

রাম:— মথংদ থেকনৌ, নঙনা হৈজব জগোই মতেক ১ শায়ো।
জগশিংছু সুংঙাইরগ তায়, চেদ নম্বর পীনৈ।

রাম:— অহুদি তায়ব লোইরে, কেন্দিদেটশিং মপান্দ থোকপিরো—ঐখোয় জগ অহুম্বা শাষ্ট সেকেণ্ড অমুক্ত থম্বজখিগে।

থেকনৌ:— হৃজিক ঙহাকি মথুদ হায়ব্রোকপিনিকো?

রাম:— হায়দোকনি ঙাংখে', ঙসি অহিং নোংয়াইদ মনাংসু পীনি লৈপরেং য়াওন শার্ট সেকেণ্ড চুম্ব থনখিব থোক্লবদি।

থেকনৌ:— সুংঙাইজরে, (মনাদ মমীৎ হায়রগ য়েংলম চৎখি)

য়াম :—নখোয়নীসু ঙহাক্তং পোথাজক্লয়ো। (অনীঃ কাথি) তাথোব নঙ মী ঙাকও। (থোব লেপথি থোংজিন্দ)

পণ্ডিত (চে·ঙুং·কান্নগ :—ঐগি মোক্তা লৈনাচোম অমদি থেকনৌ অনীগি থয় নৌই, অহৈপা অমদি হায়ৌন কার্ষ্ট সেকেন্দ ওইহনবন চুপ্পি।

য়াম :—ডোক্তর বাবুনীগি মোক্তি ?

ঙানু :—ঐগি মোক্তা হায়ৌন কার্ষ্ট থেকনৌন সেকেণ্ড।

য়াম : ঐগি মোক্তা অহৈপান কার্ষ্ট, লৈনাচোম্ম সেকেণ্ড।

পণ্ডি :—মশক মতৌ চহি মতাং য়েংগুমাগ হায়রবদি অহৈপাবু পাম্বদ ঐথোয় অহমগি মরক্ত অনীবক য়াওরে, হায়ৌবু পাম্বদসু অনী য়াওরে। লৈনাচোম অমদি থেকনৌবু পাম্নবদ অমমমদ য়াওরে। মরম অচুন।

থোব :—মশক মতৌ, চহি মতাং য়েংউরবদি, ঐদি লৈনাচোমগ থেকনৌগন হেনত্রা থল্লি। নত্তে ঐগি মীচম ভাবোক্কি ৱানীকো।

য়াম :—তাথৌ নঙ অমুক্ত তুমিন লৈথো, নোংমৈ সার্টিফিকেট পায়রগ অজ ওইব য়াওবিয়ু। অজ ওইরিব ঐথোয় অহুমসে এক্সপার্ট ঙাক্তনি।

পণ্ডিত :—মাগি মাগি কলা নক্ত্রগ মহৈদ য়েংলবসু, মথোয় মরীহু চা·দম্নবদ অহৈপান কার্ষ্ট, হায়ৌন সেকেণ্ডনিদ।

ঙানু :—অনীহু থনব তায়বদি ইশৈ শকপ হায়ৌন কার্ষ্ট লাইরিকলেংব এক্তর অহৈপান সেকেণ্ড পইহনবদি কমদোই।

পণ্ডি :—ইশৈছুদি থর হন্থব থাক্কি জাৎনি, অমদৈ তম্মগ মথোন য়াব অমন হেক্ত শকপ য়াই।

ভানু :—অশাই তুইগি একটিং তৌথিব লেখক অহু মীন লেং-বিরগ মহাক্ক পাব নক্তগ একটিং তৌব ওইরম্মু য়াই।

পণ্ডি :—এ্রাগ পীথিব রাইচুন লোইরে অহৈপা ফাষ্ট, হারৌন সেকেণ্ড। পণ্ডিত খুল্লং হান্নন মমিং চৎলিব নিপাদো এ্রনে, মতম মাংনব কুপ্ন বিচার তৌথনখিসিয়াপ?

রাম :—ই'থ'বয়ু পণ্ডিতজী।

ভানু :—ঐ ডেক্ররনি, সাহিত্য কলাদ সার্টিফিকেট পায়ব মীদি নচ্চদে। অহুবু মকোকশেংব মীথুদিংমক পারগ য়েংলগ তারগ কজৈ ফজদে লুংভাই মু ভাইতৈদি য়াম্ন চুম্ন হায়ব ভয় য়াই। করে, য়েংনব কান্নদে, পণ্ডিতজীগি সার্টিফিকেট ঐ সরেন্দর তৌগরে।

রাম :—থেঙ্ক য়ু ডোক্তর। অদুদি ব শন্মে কম্পিটিসনগি কোল লাওথোকপ করে। (চেদ অহুম্মক সহি তৌনৈ।) কৌশিল্লগে ফার্ষ্ট সেকণ্ড তাহশিংছু।

পণ্ডিত :—করেনে।

রাম :—ভুদি কলাকারশিং তান্নথিবগি ফোল, জজ অহুম্ন কুপ্ন থম্নরব মতুম দ পুকচেল অমত্ত ওইন লেপ্নরে মচুদি :—

মকোক ওইবন মিষ্টর অহৈপা, রাইটর এক্টর।

মথংন মিষ্টর হারৌ, সোংই।

অনীমক চবিরকপ য়ারনি। তাথোব কৌরকণ্ড।

পণ্ডিত :—শাওন্নু ইংবম্মা, তুইগি একটিংদুদ পেনখ্রুন তৌবনি।

ছাম্বু :—ঐন ইকৈশ্রুদ পেনব।

(মখোল তাখিদ্রে)

পণ্ডিত :—সোৱী।

রাম :—সুপীমচাশা, নিঙোলমৱা অনীগি চান থক্লুব পোখানব তৌহৈ। (চংখি)

তাথোব, চান থক্লুব খর লাংব য় ও। কৈদৌরিগে।

থৌব :—য়াওজনি ননাই ঐ। (চংখি)

মসাম্মা :—ফমুংদ ছহাক্তুং পোখাবিয়ু, চান থক্লুব লাংজকুখিগে।

মনালুপা :—চেঙ্গন কু ঙাইগদ্রা পোখাবগে।

(নিপা অনীন ফমুংদ ইংগথৈ, সুপী না কন্দ মাংজ ফিরোল হুক্তিল্লি চুংশদন মংগী ঈংলি।)

সুপী অনীহু ইমুংদ চংখ, অচা অথক হাম্প প্লেট অনী লৌখি।

হাম্নৌ :—তাতোন, ছসিদি ইচিন্নাও ইকৈ হৈবগি বাম্নব অম কংলেদনা ?

অহৈপা :—ছায়নরককইব চহিবু কয়া শুরবাগে ?

হারৌ :—মতুমি চুম্মি চহি ৪০ তাল্লকলে ঐস্তু তাঙোনস্ত।

অহৈ :—মরুম মতমসি অমুক্ত ফানব নৈন ছাইরকাবসি চহি ৪২/৮৩ শুরে। হরাওগদ্রা শাওগদ্রা খঙদ্রে।

হারৌ :—নহানখৈ শাওরবস্তু ছসিদৈদ ইচিম্নাও ইংখরসি।

(মনাম্না + মনালুপা প্লেট চামচ অচাপোৎ অমমম পুরক্লগ মাপি মাগিদ পীরে। থেঙ্ক য়ু হায়নরগ অনীছু হয়াওন চায়। ম্নাদ লুপান মমীৎ খংথি। লুপান মপোয়নী চাবক্ক য়েংই। ম্নান খোব কৌরগ বা খর লোম্না ঙাংনৈ, শেল পীথি পোৎ কৈরবুব।)

ম্না :—তাখোবা! তাখোবা!

খোব লাকই থীম্বন, গুলী মচা লৈবকই কোক ঙাওনব লোম্না হায়খি তাব তান চৎখি।

(চংলক্লগ) খর পুজনকখিগে?

আঁচ :—য়ে', ওকচরনি য়াম্ম হাওখ্র।

ম্না :—লুপা, চার কাঞ্চিরা খর পান্নব লৌক্ক।

(লুপা মথক্ক কাংখি)

লুপা :—পুজরক্কে—ঐ।

খোব :—ইংবম্ম ম্না পোমদ ঙহাক।

ম্না (পরপ ১ চৎলগ) :—থেঙ্ক য়ু। (চেদ য়োম্ব গুলী)

লুপান কাঞ্চি OI চা কগ অনী পুরবই ম্নান চেম্নিম্পুন ওকই, গুলী ১'১ নিপা উকন্দন থাদখি। মথোয়নীন অমমম পায়রগ পীক্কই। 'থেঙ্ক য়ু' হায়রগ অনীছু হয়াওন থকই, মচুদ থুক লাওবগুম্ব মতৌ তৌনৈ, মমীৎ মনা থর লংখংনৈ, মকোক ঙাওবৈ মতৌ হায়রপ মান মান পায় মওংদ তৌনৈ, অচুদই তূমীংব মতৌ উইদ, গম্মুংদ চূরথব, অনীক্কন কৈজুপ শুক্লিরপ শুম্ন, ম্নান চুম্মি তুমদে য়েংব

ইঙ্গিৎন লুপাবু থোব কৌনব থাখিব, থোব তপ্ল লাকপ। স্নান অনীছু (লৈনাচোম + থেকনৌ) পুম্নক্লা ইঙ্গিৎ তোঙ। মচীন মনাওন নিপা তূম্মিব, নাখোকইব অনীছুই টুপি, মথক থংব ফুম্বিং, ইম্নক্কি মশক লোৎনবশিংছু কৌথোকপ হৌব, থোবন লৈ + থেক পুরকপ……নমস্তে তৌব্রব মনা ২ না কৌশিনব খুৎ হংতুনা—পোষাক ওস্থোক্লব মশক হায়রপ মাম্নব। থোবন তূম্মিব অহৈপাবু স্না অমদি লৈনাচোমগি মশেংন থাংদোক্লগ পুখি, মশক মাম্নব ফিরোল টুপিশিংছুন লৈনাচোমদ তোকশিল্লগ যমুংদ ফমহল্লি। মথংদ অমুক থেকনৌবু হায়োগ মতুং শিল্লুনব, হায়েৌবুন তূম্ন তূম্ন থাং পুথোকখিব।

লৈনাচোম অমদি থেকনৌ ফমুংদ ইওকওক্লু ফম কোইয়েং য়েংই, মথবাই নুংঙাইবই মতৌ তৌই, মখুড নিকই মকোই নাপ্লি, মিংশেল য়েং শমজেৎ হাংলি।

স্না :—করি হানি করি থকনি ?

লৈনা :—ঐদি ইপেন পেঙরে, চানীংব থক্লীংব কাওজরে।

স্না :-থরদি চাদ থক্ত য়াদে, অপাম্ব থক্লীং চানীংব অমত্ত নিংশিংউ, অমত্ত থরো, ঐন লেবা তৌজনীংলিবসে থুংহল্লু হায়ব।

লৈনা :- ওহাক্ত থনখিগে ঙাইথো সনা ইবেম্মা।

(অনীছুন য়েংনছুন লৈথি—freeze)

লুপা :—মমাক ইবুংঙোদি করি হাবিনীংবা—ক্ষীর, পোলাও, সন্দেশ ?

থেকনৌ :—নথুংন শুব পেরুক কংস্থু নক্সগা—

লুপা :- নক্সগ করি ?

থেক :—নোংমাংখা সুকভানী চাগে।

লুপা :—থক্নবদি করি জোনী বাকর, ব্রান্দি, জাইজিন ?

থেক :—য়োঙ বিড়ি অমত্ত থকে। (বি ভূ থক freeze)

লুপা :—ভাইরমখো লোকথিগে। (মথক কাথংথি তগ্ন)

সনা :—অদোম্ব করি নি শিংবিরগে ?

লৈনা :—সনা ইবেম্বু নি'শিংজরে।

সনা :—করি চাদগে করি থক্নগে ?

লৈনা : -ঐ গিদি চানব মপংস্থু সনাইবেম্বা, থক্নব মহিস্থু স্বা ইবেম্বা। হিংনব পাম্বৈস্থু সনাইবেম্বা, লৈনব মুমস্থু সনা ইবেম্বা, নীংগদব লাইরেম্বীস্থু সনাইবেম্বা।

সনা :—ঐ চাক চাক্নথিগে মমাক ইবুংঙো, তুমিন ভোক লৈরম্মুকো।

লৈনা :—কুইরক্নস্থু।

সনা :—চাক লামজ্রেকে ?

লৈনা :—বাথলন বুক বিক থরে।

(সনা মথক্ত কাথ লি)

(নিপা অনীস্থ তগ্ন মঙক লৈশিন য়েংবৈ)

অদোম্বু করি বাথল তৌবিরিগে ?

থেক :—মঙদ ফংব পোৎসিবু অটবংপাদ্দ মাংদন লৈরম্নব করি তৌনবগে অহল লময়া ? কবি অমনি খঙবিম্নিনি।

লৈনা :—মঙদ খুনব শেলদি চেংহী চকুদ হাপ্লম্ন ঙমদি নোং-ঙাম্নগ ফংই হায়নত্রা করি হাপ্লিংবগে ?

থেক :—ইমানীন ঙসি খুম্নিব সনা তাঙ্গ লুপা তাঙ্গ অনীসিবু তাইবংদ হয়েং নোংঙাম্নগ লৈরমগত্র.ও ?

লৈনা :—মখোয়নীমক হাপ্ল চনব চেংহী চকুবু কদায়দৈ থিরুদগে ?

থেক :—চেংহী চকুবু চাউহনব য়াত্রাও ? নত্রগ ত্রম অচৌবই মওংদ চকু শাব য়ারোইত্রাও ?

লৈনা :—মঙলান্দ য়াদববুদি লৈতে। ঙাইখো, ঙসি ইমানীবু মঙলা তাইবংলাও ?

থেক :—কম্নিনো মঙ নত্তন ইমানীবু সিদ করম্ন লৈরক্তম খোকপগে ? নখোঙনা লাকপ্রা পাইরকপ্রা ?

লৈনা :—ভূতকুম্ব অমন তুম্নিঙৈদ থাং পুত্রা খনখি।

থেক :—অহুনদি মঙদ লাকপ নত্রাও ? পামদি পাম্মুপ্রেদা ঙসি মঙসে। অদোম্না মনাম্না মতৈ, এন মনা লুপাগি করি হায়নি ?

লৈনা :—তাযো হায়রম্ন য়াই।

অনীমক :—হেঁহে হেঁহে হৈঁহে !

(হৌগৎলগ অনীমু কৌই য়েংই, মিংশেল থেংনৈ—অনীমক য়েংমিম্নৈ খোংমিম্নৈ।)

লৈনা ঃ হয়েং নোংঙালদি মীন ইমানীবু মমাক ইবুংঙো', মমাক ইবুংঙো হায়দুন কোইয়েং য়েংননিদো।

থেক ঃ-ঙসিগি মঙসি হয়েংকাও চংলবদি তাইবগে তায়েনে ?

লৈনা ঃ—তাইবঙ ! হৈঁহে হেঁহে হেঁহে !

(অনীমক লোকমিদৈ)

(সনা লুপাম চেল্লকই কিংন)

(মখোয়নীন হঙ্গং-হন্দা পোংন চং, কোইয়েং য়েং খিগংদুন লোক্লিদৈঙদ।

সনা + লুঃ—ডাওরব্রা মখোয়নীবো হুয়ানবগা ? হুরালাকপ নখোয়নীন কেৰ্তাল খিং চোলোম তৌরিরহুবু ফেলদ চংনীংব্রা ? থানাগি লীচৈ কিব্রাও—শেং-শেং।

(অনীহু নাবগি মতৌ, থক থক নিকই)

সনা ঃ—নোংমাই য়ৌদোরে, তাচোথোয় লাক্লনি মনা পীব, (লৈনাচোমদ) নহাক্ল ইবুংঙো কাই তাখিব অহৈপা শাদোবনি, (থেকনৌদ) নঙন ইবুংঙো থম্মোকথাক, সেকেন্দ তাখিব হায়ৌহু শাবিয়ো মশক মাম্রব।

থেকনৌ ঃ—ইশৈ মতেক অম তাসি হায়রবদি হায়েং খোংব তারে ?

লুপা (কিম্ন শুরগ) ঃ—থোন য়াদে লোক থুংই থুম্ব য়াব্রাও ?

থেক ঃ—মদুন ফগব্রা মবেম্মা ?

সনা (মড়ি য়েংলগ) ঃ—পুং তাদৌরে, মী লাক্লবনি, নশক লোৎদুন ফমুংদ হিপ্পরয়ো।

লুপা :—হোয়েল মীন য়ারাল হংব মতমদ শমনা খিজিক ইকাইন খুম্মুকো।

অনীহু কমুংদ হিপহল্লি, কৈঙ্লুপ শুম্মিবগ খোয়ো খোয়ো নাখোকখি। মুপী অনীন চৌকিদ কম চিন্তা তৌরি। খোবন মাং খা—ভোক্তর ঙাম্বু কে·ন চংলকই।

খোব :—ইবেম্মখোয়, য়াম্বুংদি ? লুহোংবগি শাক্ষী ওইবিনব ভোক্তর বাবুনীদি লে·লক্লে।

য়াম (দোতালাদে কুমথরক) :—ঐ খোকচরক্লে ভোক্তর বাবুনী। থেক য়ু, মতম চান লাকপিয়ে।

ঙাম্বু :—মনা পীবসিবু পুং ইশৈ ভাবোক য়াওগদ্রাঙ ?

য়াম :—অতৈ ভাবোক—ইবেম্মগ তাখোবগ নত্তন কনাম্বু য়াও য়োই। ইশম শমন হেক্তে লোইশিল্লসি। কৈ, বে·র ওইদৌরিব নিপা অনীসিদি লুহোংলমদাইদ নাখোকইদ্রাঙ ? হৈ হৌদোকউনে।

য়া+লুপান অনীহু ইকাইন নিক্তুন হৌদোকই, লোয় কিয় খিনবম্বু য়াওই। কিংলপ হৌগৎলগ কোইয়েং য়েংই, য়ামকুমারদ চংশিন্দুন খুরুম্মি।

ঙাম্বু :—মখোয়নীসি হৌনবদি খঙিঙদনা। কিদাদ কম্মো।

(অময়ম কম্মি)

য়াম (ঘড়ি য়েং) :—পুংসি তাশিল্লক্লে ভোক্তর, পীখোক্লব তৌরসি। মুপীমচা নখোয়নী লৈপয়েং অময়ম পায়থংলু, মেদলহুম্বু পায়য়ু। ঐন য়াবে পীয়ো হেক হাযবদ, মেদলহু

পীরগ মগুক্ত লৈপরেংহু হুক্কদবনি। শেমশাহুন লৈয়ু।

(অনীহু লৈ, মেদল পায়রগ লেপ্তুন ঙাই লৈ।

রামকুমারন ফিদা থারিব, ঘোট খিল্লিব মনাক্ত খোঙ্‌ঙাই চল্লগ ফম্মি, মথবাক্ত মখুং ২ লোম্মৈ।)

রাম :—মুংশিরব বাজি নোক্সাবিখ্রব ! মগুদ বাজিন তাকপিরম্ব মতুং ইম্ন কলাকাম্রাশংবু মংহ্ তাম্নহম্নগ থনব ফার্ষ্ট সেকেন্দ তাব নংোয়, অঙাংশা এিং নমিংহু হায়রকউ নহৈ ?

লৈন :—ইমিংদি অহৈপ কৌজে।

থেক :—ঐন হারো কৌজে।

রাম :—ফার্ষ্ট ওইব অহৈপাদ নচাম্নপী অহল মনাম্না, অহুগ সেকেন্দ ওইব হারৌদ নচানুপী অতোম্বী মন লুপা পীজ-দোম্নে হুজিক। পুকচেল শেংন খজরবনিন বাজিন ম্নাবিনি নিংজৈ। নুপী মচাশা। লৈপরেংহু—

ঙংব, মুহারব—অকিব মনিল তাবদ মীয়াম্ন "চাকঙা, চাকঙা" লাওনৈ।

ভূত (মনুংদৈ) :—ঙাইংখ ! মনা পীখিম্নু। অমুক্ত তাম্নহনখো। অম্নানব ম্নাওখ্রে। ঙংই, মুহারাই কিনৈ।

লাওনৈ : "চাকঙা চাকঙা"।

রাম :—ঙাইখো ! মনা পীব ম্নাত্রি। করম্নো ভোক্তর কম্পি-টিশন্দ করি শোইখ্রে ? করি লানখ্রে ?

ভানু :—ঐখোয়দি লানখিদে করিনো ?

রাম (হোৗগংলগ) :— হৈ ফাষ্ট তাব নঙ নমিং করিনো ? অশেংব হায়য়ু।

লৈনা :—ইমিং দি—লৈনচোম কৌই।
ভানু :—ফার্ষ্ট তাখিবছুদি—অহৈপা কৌই।
রাম :—সেকেন্দ ভাব, নমিং করি কোই?
থেক :—ইমিংদি থেকনৌ কৌজৈ।
ভানু :—নঙ সেকেন্দ তাখিবছু নত্তে, হায়েৌন সেকেন্দ তাখি।
রাম :—নখোয়নী করম্বা সিদ লৈরম্মিনে। (শাওন) করম্বা সিদ লৈরম্মিনে?

লৈনাচোম অমদি থেকনৌ কিন্থুন হৌগৎলি।

ভানু :—নচীন্দু পান্দ্রাও? করম্বা সিদ লৈরম্মনো?
লৈনা :—ঙরাং সন্ধ্যাদ ননাই ঐ থরাই নুংঙাইতহুন তুমজখি, মীংকপ থোক্লকপদ ফমুংসিদ লৈরম্মে—ঐ ভাব ভাজদে।
ভানু :—নহাক্তি থেকনৌ?
থেকনৌ :—ননাই ঐসু ঙরাং অহিং ভক্তা ঐখোয় ফমুংদ তুমজখি। মঙদ ভূত অমন ঐবু পোহুন পুবিরগ কদায়দনে। থাদবিখি। নিঙোল মবা ওইরবনি হায়হুন লাইরেম্বী খরন তাকপিখি, ঐ য়াম্ব হরাওজখি। ননাই ঐগি মঙহু হুজিক কায়ব তারবা?
রাম :—মঙ কায়বদি লায়রি, নকোক কায়ত্রিজৈদ ভুমিন ভুমিন চেনখো, চৎলব্রাও (খলাও)?

(অনীহু মঙদ Slow motion গুম চেনবদ ইপাঙ পাঙদনা কিনা চেনখি।)

নখোয়নী নবুক শেংত্রাও? (অনীহু নিকই পুন্ন তাশিন্ন)

মীনম্ব পায়বদি পুন্সি চুপ্প নপামসিদ পংলে খঙহু!

(কিবন পৈথে)

হুইন খোংজৈ গো গো

A 20 minutes Radio Play

Characters : ১। হুই (কৈমান)
২। হোদোং (অমুবী)
৩। যুম্বু (চাউভল)
৪। উচি মাইনৌ
৫। উচি রাব

মাকচীংখানি, অমুক ছুংশা য়াই শুমাংদ চাউভল চাক চারি। মনাক্তু ঙাও ঙ্যাও কেন খোং হোদোং অমুবী কুপ্লি, ঙা মরু ময়াংদ মমীং থম। লাপ্লপ শুমাং মতোঙ্দ হুই কৈমান ছ্‌ুছুং ছং শাওন কুপ্লি।

(A soft gay music fades out)

কৈমান :—গো, গো গো, গোগো গো !

চাউভল :—করিনো কৈমান, কৈদৌন শাওরিনো ?

কৈ :—মহাত্মা গান্ধীজিদি কদায় লৈ ? গোগো !

চাউ :–হৈ চংশিল্লকল্লু, লাপ্ন কুল্লুচো এ চাক চারি। করিগিনো নওন গান্ধীজি হংলিববো, শিখিব কুইরে চহি ৩০ মুকপু শুরারিনি।

কৈ :—মহাত্মাজীবু শিহনব য়ায়োই, গো গো গো। হিংগংহল্লু গান্ধিজীবু, ভারত শিদনবা।

চাউ:—করিগিনোমে কৈমান, গান্ধীজিবু ঐখোয়না হিংগংহনব ওয়্রাও? শিখ্রবু হিংহনব য়ারবদি যা.ত্রনে।

কৈ:—গান্ধীজিন সিডুল কাষ্ট, বেকৱার্দ ক্লাস, হরিজনশিংবু লুন তৌবিরম্মি। হৃজিক গান্ধীজি শিখ্রে হায়হুন মখোয়বু থীন তৌবিরত্রাও? মাবু হিংহল্লু হায়বদি মহাক্ত তৌরম্বশিংহুই খোঙ্গুন মুথংকনো।

চাউ:—আয় আয়! মহু ওইরে। হৃজিকপু কনান অতোনব জাংপু থীন তৌনগিবগে। হ' কৈমান? (চাবৈ মপোল)

কৈমান:—গৌ গৌ! থবয়ক হরিজনশিংবু থীন তৌবিরে হায়ব য়াম্ন তায়। অরাপ্পগি য়াহু থমখিসি, য়ুম অসিদ ঐবু হরিজনগুম্ন শোক্লব য়াদে হায়হুন ইমুংদ চংহন্দ্রিব, চাব থকপদ লাপ্ন লৈহল্লিব করিগিনে? মসিবু গান্ধী নীতিরাও? গান্ধীজিগি খোঙ্গুল কনান লৌরবগে? (শাওন) গৌ গৌ!

চাউভল:—অত্তগিরা নহুন গান্ধীজি শিহনগন্নু হায়রিবদে কৈমান? অচ্ছা, অচ্ছা! নহু হূইমক ওইরবস্থ নবুদ্ধি লৈ ঐবো। অহুবু ঙাইখো', কৈমান, শাওগি শাওনু ঐ বা অম হায়গে। হৌদোংবু ঐখোয়ন ইমুংদ লৈহন, চাথুমদ চংহন চাকলুক মনাক্ত ফমহন চাক চামিম্নরি, নহুবুন লাপ্ন লৈহন, ইমুংদ চংহন্দ-মপান্দ চাক থাবিরি উফুল মমক লৈবাক্ত।

কৈমান:—ইয়ুরোপিয়ান, আমেরিকান—ভারত মচামক ওইরবস্থ সাহেবকি জাংতি হূই ঐখোয়বু প্লেট্র পীজে, পীথকই, ইমুংদ তূমহল্লি, কারদ তোংহল্ল পুবি। গোগো গো!

চাউ :—চুমই হুইবু মাম লুন তৌব মাওই, হুইনাও মচাবু চাম তৌরগ লৈতোন্দ লেকই হায়ব পাউরো ক্লাওব লৈ মীতৈরোন্দ। য়েংও, মীতৈন, ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিং ন নখোয়বু খর তাথিবদি (লোম) নচীঞ্জাক কাম্বগিনে, মনম পীক কোক্তব থকচিন চাশিনবগিনে। পাউরো অমম্ম লৈ : হুইবু দোলাই হোংবরগ করিয়ে অকংব উরগ চোংথৈ হায়নৈ। মতুন লৈবাক মচা তাবগি চিঞ্জাক চাও, নমথীব পোং লেকম্ম ঐন হায়রিবসি নডবু নুংশিহুন তাকইবনি। নমান্নব অশিংব তুই, Police dog শিংদি তলব চাম মচিঞ্জাক অচাওন পীক্ত পীথকই—ইকাইখুম্মন থম্বি, খজেত্রা ?

কৈমান : ঐক্ষে ন্দ তাকপিদ্রবম্ম য়ানি, ঐ লোইন খছিত্ত : মীগি মচংম্ম, খুরা বুংঙেগি পু চেলম্ম। ননাক্ত কুম্লিব, ত মকোক মক্ক চাদোব গ ত মরিবী হোদোং অমুবী শকথীবি নীংচোম্বিহু খুভাইবুংলোন মাম লুন তৌবিরি—মাবু কন নো ইন্দোমমচা অতোম্বীরাও ?

চাউ :—হৈ, কৈমান নঙম্ম অহুয়োনা ? ইমুংদ উচি লমহেনব কাগম্মব থম্বিবনে।

কৈ :—ঐন মপান্দ হুন্নানব ভাকই, শনলোক চংহন্দে, মুংদাং তুমদন শম্মী তৌই। হোদোং শকথীবিহুম্ম অপুম্ম নমথীব কত্তব পোং কম্মা কম্মা চাম। মাবুদি ইমুং চাখুমদ কুলহল্লি, কমুংদ পোথাহান্ন। ঐবুম্ম অমুক মুংখিলদি ইমুংদ চংহল্লো, মুংদাংদ মপান্দ কুঞ্জপে হুন্নানব শং। অমুক

মীচং মীথাই নাইবসিবু মীগি মচংলাও? গৌ গৌ, গৌ।

চাউ:—ভাইখো কৈমান ফিংগংকম্নু, ৎচ ৎচ ৎচ ৎচ।

কৈ:—তাইবং মী নখোয়গি নবুকচেল মপিক ঐ খন্ডিত্ত, মহাত্মাশিংবু পোক্লমত্ৰবদি হুই ঐখোয় জঙ্গলদ লৈব তারম-গনি। ঐখোয় ফক্তহৌদি চানীংব জীব নক্তে, নখোয়ন ইবুক খলহন্ত্ৰব মতমদ লুখাক চক্সুম, অতা অতু করিয়ে কাওব চাবনে। ঐখোয়বু করিয়ে চাব হায়দুন লক্কুরিবদো নখোয়ন পীজদবগনি, নখোযন ইকাইগদবনি; Shame, Shame to you human beings! গৌ গৌ, গৌ।

চাউ:—হৈ কৈমান হৈ, ভাইখো, ভাইখো। অমস্থ অমস্থ পংচা চাব হৈ হায়দুন তাইবং মীন খোওদবনি।

কৈ:—ঐ খন্ডিত্ত খুড়াইবুঙো, তাইবং মীগি মতাং। ইংরেজ-শিংগি পাউতাকস্থ ত রে: Call a bad name to the dog and kick him—পাউরৌনি। হুইদ মবাল অম পীশিল্লগ খোক্তপাক্ল কাও-সিকএ—তাইবং মীগি য়ুম শক্তিত্তব, য়াও শেল্লিব, হুয়ানব মহাংপ কাবিন্বিব হুই ঐখোয়বু, তাইবং মীন অদুক থীন শিজিন্নব-খাংত্তন লৈব হৌনদে। ইপ্রাইক তৌরসে হুইগি মপোক পোক্লব ইচিন-নাওশা? হৌদোং মতৈ তাইবং মাশিংদ co opera-tion পীক্তমসে? লম লমগি অশিংব অখোব হুইশা।

হৌদোংমু:—ভিয়াও ভিয়াও!

কৈমা :—উশিত্রিবা শকথিবী। লুশমদ লাক হায়য়ুরা? গৌ গৌ, গৌ গৌ।

চাউ : -শান্তি, কৈমান শান্তি। নিংথিন থাম্বদ মাত্রগদি লাঠি চার্জ তৌরাও? Tear gas চাগেরাও?

কৈমা :—শকথীবিহু মচিন থীহনগনু, করেম্নহনগনু ঐবু ইবুক তপ্ন লৈহনবিগে হায়রবদি।

হৌদোংমু :—তা কৈমান, চাউখংপ পাম্নবদি ব্যবহার কায়নগুমসি। ঐবু খুড়াইবুংঙোগি মুপী অতোম্বিরাকা হায়থিবহু ঐ তাহৌই। মহুননি তাকৈমানখোয় শাগৈবু মীন থীন গুাংনরিবা।

কৈ :—নঙন ঐঙোন্দ পাউতাক পীরিত্রা থবক শূনীংদবি অতোম্বি শাবি। নমৈহু লাক হায়য়ুরা মীৎলংবি।

হৌদো মু :—নমি হু কৈমান কৌবগি ঐবু কিয়ু হায়রিত্রাও? ঐহাক অচৌব শাগৈগি মচানি, কৈনফাও ঐঙোন্দ ইন্দোমচা, ইন্দোনবেম্ম', ইন্দোনশিঙ কৌরিবনে। নখোয়গুম্ব হুইনাওমচা করিয়ে চাবশিংবু নমিংদ মরাং মরাংবগি কিয়ু হায়রিত্রাও? নখোয়ন ঐখোয়দৈ শাদা লান্দা করিসু হেল্লোই, নমাইদ খুজিন মকম লৈরিবহু কাউহু, ঈশিং থকপদ পুত্রীদ য়েংউ।

কৈ :—গৌ গৌ, গৌগৌ গৌ।

হৌ :—ঙি—ম্নাও—অং অং।

চাউর্ভ:—নখোয়মী লমহেন্নেনা, হৈ, কনা কনা লৈ। লাঠি চার্জ! টিয়ার গেস! ঈশিং বাটিন।

(noisy music shrill, crashing)

চাউভল:—অরেম্বদ খৎনব—চিক্লব, লাওনব চৈনব করি কামৈ মুরম চাব বা জ্ঞান তান ঙাংনসে।

কৈমান:—থবক শূনীংদবি চিস্থৗবিছুগি মীচং চংগনু হায়বদনি খুড়াইবুংঙো। য়েংবিয়ু, আঃ সম্বন্দ তোং উচি মাইনৌ নহা অমনা পাখণ্ড উচিরাবসিদ শারিব বারীসে তাওও।

উচি-মাইনৌ:—শাবি ইবুংঙো, নোষ্ট নোষ্ট লাও!

উচিরাব পুকচোনবা,

খংলেন মাঙবু কোগেনে মুংশিবা।

ফোকোং অচৌব অমবু খিঙন

হৃবাই চেংবাই ঙা চাকস্থ

করিমত অবাংপ লৈতমখৈ

মুংঙাইন পার্ল্লদকো শকাহেনবা।

উচি রাব:—ওহ—! শানৌ ইবেম্ম। তনাপ তনাপ্পি,

ইবুক থর কংলগ মুংঙাইবোই লীংগনু

ইবুক লাওবগি লাইথুংমিনে মনা।

মীন ইরল লৈবু হায়জিনবি

হৌদোং হুরানববু কিগজ্রা

ভিজিলেন্সকি তাকৈমানবু চিংনগজ্রা

অহিং ভূম্ব য়াপোং 'নত্তেদা' মুংশিকী।

উচিমু :—ওহ তাদ ইবুংঙে পুকক্ষবা !

ননাওদি লুখ্রা লায়রবিগ য়ুমদিম

অমুক চার নুংদাং হেন

নুংদাং চারগ নুংখিলবু হেন

ইম্মাং থ্রক থ্রুক কংসিন

বান ঙিংলেদা পামুবা !

উচি-রাব :-ওহ ! শানৌ ইথেম্মা তব তবাবি,

নশা খিংন অতুম খাংখো ও।

ইবুংন কংলিব পুকসি কল্লকউম্নু

ননম্মা তরুক্ক পীজব ফব-মক্ক

তাম্নবদ ইবুংন পেটব্যাধি থুংবনে।

উচিমু :—নত্তে, এখোয় তাখোবু তরুক শুবিরব্রাও ইনম্মবো ?

উচিরাব :—তরুক শুরেনে সন, মন্নম অতুন ইবুংন তরাম তন্নাম তোৰ ছমদেনে শকহেনবি নত্তবো।

উচিমু :—তামো, বাদি বারৌনে। বাম্ত হায়জগে।

উচিরাব :—হায়মু করিনো ইচনসিদি।

উচিমু :—পোইন্নুদদি তামোখোইগুম্ব অকনবদি নুপী ৭ পু লোল্লি হায়নৈ। তরুক হায়র শুরবদি কৈদৌগে খাইন হায়নবন্থ চুমহনসি তরেং শুরসে ?

উচিরাব : -কদায়দৈ থিকদৌৰিবা ?

উচিমু :—ঐহাক তরেংশু'বন্থ ওইজরগে, অমুক বান থিকদৌৰ নত্তেয়ে তামো।

উচিরাব :—ঐবুদি য়াইনে ইবেম্মা। নঙ কিনিনহৈ, ফংখিদ্রব হুইজাও পাউ তমগনখ্রব আদ লৈরিবসি উদ্রাও? মাদি খরবু ফরি, হৌদোং শকথীবি অমুবী শুমাংদ কুপ্লিবিসি উদ্রাও? মসি কিদ্রাও? মতম খর খাংখো। নয়াং খর কংলবস্থ নখবাই নুংঙাইন লৈরিবহ্ য়াম্ন ফরিবনে।

উচিমু :—পুক খজব চাক লাম্নমুক নুংঙাইতবসি তামো হুনিয়াদ লৈতে। হৌদোংন লাকহুন পিগে শিশন্নু ঙশিদি নহুং ইল্লনি।

উচিরাব :—য়াঙশঙ লোইখ্রে, বার্নীস্থ কাহৌদ্রে, চৈরাউচীংস্থ লোইখ্রে কদায়দনো ইমানীন চংমিম্নদৌসিবো— ঐখোয় কোট্রুদি অঙাং চিচি য়ামখ্রপোৎনে নঙ লৈব হৈনরোইয়ে।

উচিমু :— অহুগ মেলা য়েংউসি খৈদেনচৌ মনাক্ক?

উচিরা :- শানৌ ইবেম্ম নঙবু হায়নশীংনব কনামত সৈ'ত্রবাও?

উচিমু :—মণিপুরগী পাখঙ মশা নানব, মুপী মাল্লপ কেরমথৈ, ঐঙোন্দ চিঠি খারক্কব, কোটো ওন্ন'স হায়রক্কব য়াঙদে তামো। অহুদ মখোয়হ্ ফুরিৎখাও মবুকশিৎ ঙাক্কনিন, ঐন ময়া তা'বিদব। নুংশি মশুংলাংগি চয়া হেক্কৌশক্কক, ননাওদি ৬ লোনব তামোখোইগুম্ব কার তোংবগি অতোপ্পী ওইজগে?

উচিরাব :—নবুক্ক চপ্প্ য়ু'লবদি লাও ২ নঙদনি ঐগি অপাম্নি ওইদৌব, খবক শূনীংদবি, সিনেমাদি য়েংনীংবি, খৈদেন্দগি

অরূ অহেন্দ নৈকসি হায়রিমথৈ মপাম মপামদ খিন্দোক-উরনি।

Come on darling:

ছসি ছুটি নিনি,

আকিস কারোই নোরোকানি;

নঙগ ঐগ বারোইন মুমিং

হরাও চরাও নোকমিম।

কাউদনব পুন্সিংগ্ন

লাকও চংসি কদায়দনো,

ভাইংং মীনোক বাংমলান

গরম পানী পেরে-য়েং।

(লাবন শকপ হৌর অমোম্ম ইম পূম শকপ in the gay tone)

কৈমান:—তাবিরিত্র খুড়াইবুংঙো, উচিরাব অমোম্ম হনিমুন চ পদ শকশিব ইৈশপে। খবক অমত্ত শূদন কয়া নুংঙাইম পানখব ভদ্রলোক ভদ্রমহিলাশিংনো? সমাজদ পোৎলুম ওইরিব নম্বোশিংসিবু কেলদ থমজিথ করিগিনো? Black চেনব smuggle তৌব কাংবুবু চাৎনব ফানব খম্ব নত্রবদি পুলিশ অতনবশিংসিবু কৈদৌনব লোইবিম্নিবনো? হৌদোং-মৃবিশিবু ইমুংগি নৈশেংলা নত্রগ ইন্দোনবেম্মরাও?

চাউভল:—কৈমান ঐবো নঙ, বাসি খর খর য়েং ওই য়েংহুন ঙাংউনে—প্রমান পাম্বৈদ মী কোৎহুন নৈখাদ খাদগনো।

হৈ য়ুমলৈমা, নঙবু হুজিক উচি নহাশিংনে ইশৈ শক খিগংহুন মেলা য়েংব চংখিবহু তাহৌরব্রাও? উচি হুরানব ফাব নখৌ নত্রাও? নঙবু ঐন অহাও অহাওব পাক্কহুন থাকইবসি হুই কৈমান ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টরন লক্কনত্রাও? নঙবু অতোনবীনি ঐগি হায়রুন লাওরিব প্রোপেগাণ্ডা অসি অচুম্বরাও?

হৌদোংমুবি:—মখৌ শূনিংদব মীন মীগি অচেৎ অকোম য়েং লক্কগদবগি চৈগদবগি মচাক খিজুন লৈ। মী খুদিংমক কর্ম্মচারী পুম্নমক মখৌ মখৌ নিংখিন তৌনরবদ কৈথোক অসি বানরোইদবনি।

কৈমান:—শকাহেনবি নঙবু নখো নিংথিন তৌরিব্রাও? ব্লেক চেনব উচি ময়াম্ন লমজাইদ কোরস শক প্রোসেসন চংনরিবগি উচি ফাবগি খৌ পুবরিব ইবেম্মন মরম ওকপনরাও? শকথীবি, নখো শূনিংদবী নখোয়গুম্বীন মণিপুরগি আফিস পুম্বসি বারেম ডাংভম, লহু শানফম, শিংজু শিংফম ওইরেনহাই। নমাই-নমাইহু ইকাইদ্রাও? চাউভল সম্ন কাবগি কোট কৌবোং কয়া য়াম্ন পৈরম্মি? হুজিক মবুক শিংলে-বাই ডাক্ত তারিবসি হৌদোংন থবক ফবগি খুমলাও? গৌ গৌ গৌ।

চৌদোং:—অহম হায়ন মীবু শাথীন থাদ বা ডাংগদুনহৈ কৈমান। ইমান ইমারুব য়েংক মান্নব কর্ম্মচারীন খোদাবগ থবক শূগদব নত্তে। হোরেল মুংদাং ঐ উচি কয়া ফাবগে

য়েংউ। নঙ অসুরাইদা হন্দে ক্লগ মুংশাদ পোথাক, চাক চারিবৈদ লাংগনু ভিয়াও—ভিয়াও।

কৈমান: খুরাইবুডো—। মসি'গ হৌদোং শকথীবিরূপ চাক চান্সিন-রিবত্ত ভুক্তচবিভ্রাও? অমুক্ত ভাস্থোপিরকউব লুশম লাক্লগ হায়গে। সত্য মীয়েম মমল লৈতবন মুংঙাইন পানবসি শাওনীংখে। গৌ-গৌ-গৌ।

হৌদোং—: থাঙব তন্ত্র বৈষ্ণব, শা খঙদ মী খঙবে জীব পুম্ব মরাইবক ফব খীব খর নাই; কিভম অর্মদি মঙমগি খোংলৈ মতুং ইম মরাইবক খীবন কৈমান চুই ওইন পোক্লে, মীতৈগি চাকলেম লুথাক চঙশ্ব হিংনব নমান্নব ফনাওম্বদি চাক লেপদব ইমুংদ পোক্লবগ ফরিয়ে খিচুন চারগ হিংনৈ। ঐখোয়গি ইতৌদি তম্মীংমু ফুংনাত্ত ফুঙ্গাদ ফমুংদ কুনব য়াই নীংথমথাদ, চাবসু নবুংঙো নবেম্মগ চাগদবনে মত্তম মতমচুদ হৌনচুন। ঐখোয়ন চাবদৈ লেম্মগ নখোয়ন প্রসাদি খুম্দোবনি।

কৈমান:- ফজৈ, নাপন্দো। নঙ হায়বদি হায়বিগে, নোংম অচিকপদ খেংনবগ নখোরিদ লাক্লগ মৈব্বাকমচাদ য়েঙ্খাং ওইনৌ হায়চুন য়োস্থোকহনগে শোইদ্রবনিকো। ক্লাসলেস সোসাইটি লিংনব পৃথিবীগি মকম মকমদ চুজিক লৈবাক কয়ানা লাক্লরি। অচুগা মিংচোংপী নংন মপুগ টেবিল তিম চাক চাখিবৈ, কারদ তোং কোইমিবৈ, চাকথুমদ ফমুংদ কুমবৈ লাইসেন্স ফংই হায়চুন নাপল ভৌব শারি।

ওক্রবী। নখোয় গুম্বননি তাইবংপানগি ফজব নীতিপুম্ববু মাংহন লৈখাদ চিংখরিবা। কান্নদে, নঙ্ হাংতোকপদি অকব ওইনবনি — গো — গো - গো — ।

হৌদোং:— ঙাও — অঃ অ'।

চাউবা — :ঙাইখো —, চিকুম্ ঙাইখো! কৈমান নঙবুনি, হৌদোং মুবী নঙবুম্বনি ঐনা থাম্বিব স। ঐখোয় পুন্ন ম্ ঙাইন লৈমিন্নব য়ানব নিয়ম খর শেমম্লি, ইশা ইশাগিদ য়ে নব য়াদে জীবশিংন ময়'মগিস্ত য়ে'ন লমচং শাকং শেমদোক্রব তাবনি। ঐ অম'দ ঐগি মরীমতা মরুপ মপাং খরদন সমাজ লীংব য়াদে, মী অত্তোম্ন অতৈগিস্ত খর খর হিংনব লম্বী শেম্বীগদৌবনি। লাওনব খোংনবা চিকুবন করিগুম্ব কান্নব মহৈ পাল্লকদো লৈতে। পুন্ন হোরেল মুংদাং মিটিং তৌসি।

(গো গো ঙাও ঙাও খাংহুন য়ানিংব কোংদোক্লে।)

(music) musical note fades in)

উচিমোমঃ য়েংওই, তাবিব্রিত্রা তাযো?

লাবঃ হায়য়ু, পুক্লিংচংন তারি চান্নবি।

যোমঃ ঐখোয়ন পিক্লিডৈদ স্কুলদ তম্মকই মুংঙাইরব রাব্রী মচা অম —। মহ্ শিক্লিন্নব ওম্নবদি য়াম্ন কান্ননি।

লাব:—করি রাব্রীনো হায়য়ো!

যোম :— হুজিক চাউভল খোয়ঙী ইমু' য়াম্ন চকশিল্লে, হৌদোংস্ অমুক ম্ থিলদ চাক হাপ্তমক পীজনি, ম্ দাং উচি কাবগ

মবুক থম্মব লাক্কুজগদবনি হায়ব বারেপ অম ঙরাংহূদাং এশেম্বলী অম তৌখ্রে। হৌদোং মঙক্ক শরীক অমতং থাংলুব য়াররদি ঐখোয় ইমুংগী অঙাং ময়ামসি হৌদোংগি ছরীক তাবদ চেঞ্জনব মতম থর কংনিদো। চুমত্রাও?

লাব :- চুম্মী পাম্থি ফজব বুদ্ধিনি।

মোম :—ঐখোয়গি ইচে ও লৈরিবহূ অসুম বুদ্ধি অমা ফাওব পুখোরকইরোই। মচান য়াম্মিবদি কৈনো তোঙান তোঙান পীজখোকখ্রা মচাশিং য়োকপ ঙম্বব—।

লাব :-হৌদোং মঙক্ক ছরীক থাংলুদোবসি পেমা অরাইবা থবক নত্তে। মসুম কয়ান বারেপ্তু পংতা, তায়। মরৈ পংয়েংত য়েংনৈ। বারেপ্তু থবক্কদি পাংখোকপ য়াবনিন চাউখংনব গাড়ীসি মকম লেংদে, ইলেক্সন পংজৌ তৌই। মীনৌ কয়া বারেপ অমনব থম্মরগ তারম্মগ চংখি, থবক্ক নোক—লৈহৌই। New mind, মঙগি Suggestion হূকৈ thank you.

গৌরী শঙ্কর

মতাং অমগি লীলা।

পাঃ

১। নোংমাইজিং (টেনজিং)
২। কৌজেং (Singer)
৩। চীংলাই (মীচেন)
৪। শঙ্কর (রোমাণ্টিক)
৫। পামির (২১)
৬। বিন্ধ্য (স্নোমেন)

পিং

১। লিলী (খম্মোইনৌ)
২। রত্না (24)
গৌরী (আর্টিষ্ট)

৫
১০ ৩ ১
৮ ৯ ৪ ৬

---

১ খর নেম্ব চীং
২ অরাংব
৩ তাঁবুর
৪ খর পিকপ তাঁবুর
৫ গৌরী কারক্কব
৬ „ „
৭ কাল মচা ২/৩ কম্বব।
৮ কাল মচা কম্বব।
৯ „ „ „ „
১০ গৌরী কৈরাক।

৮ ষ্টৈজ পোৎচং : চীংগ্নাবগি ফুরিৎ, টুপী, বুট, রেডিও ট্রাঞ্জিষ্টর, বাইগ্নারলেপ সেট, খোরী কৈরাক, খোরী লিশাং ৭২, কফি থকুর মপোং, বিস্কুইট খর. ব্রেদ, হণ্টর চেহন, নোট ১০/১০০ মানব চে খর, সোসাইটি খিয়েটর ফ্লেগ, কাপ্প য়াব মখোল কব নোংষৈ মচা অম, বাইনোকুলার।

গৌরী শঙকর (১)

বেজ কেম্প, ফুট ১৮,০০০ অয়ুক পুং ৮ ষ্টৈজ প্লানগি (× ৭) দা লেপ্লগ পামির অমদি শঙকর (× ২) গি মতোম্ম য়েংলগ ঙকই, বারী শান্নী, শঙকরন নিংখগন নিকই।

শঙকর :—নকশিল্ল কঙল্লেদ হিমালয় চীং। (পায়রগ) ইন্দি ইন্থমইহৈ অয়ুক পুং ৮ দা।

পামির :—পাংমন্দে মণিপুরমচা, বেক কেম্প অসি ফুট ১৮,০০০ দমক বাংই। গৌরীশঙকর মতোন য়োগদব ফুট ১১,০০০ য়োমদ ঙামরে।

শঙকর :—ইস, অক্তক য়াম্না রাংলিব, অসুক চোকথন খাংলবদ খরগ ইংখগ হিংখিদ্রা শ্নাশৈবাকমচা ঐখোয়বো ?

পামির :—ইং ১৯৫৩ গি মে থাদ টেনজিং অমদি হিল্লারী, গৌরী শঙকর মতোন য়োক্লরে। ৫৩ তা সুইজগি টিম অম, ৬৩ দা আমেরিকান টিম ৬৫ দা ইন্দিয়ান টিম, কাংলুপ ৪ চীংদোন য়োক্লরগ কিরান থেৎলুরে। হন্দক মণিপুরগি

টিগ অমন ২১ শুব চহি চাপি মথোঙদ কারগ কিরাম থেংতৌরিবনি। (পোংব)

শঙ্ক:—পামির ভাই, য়াম্ন রাশিক্লবদি থরাইন অক্লবনি, শিত্রিংঙ য়ুম য়োশিকে। হিমালয় কারগ ফজব দৃশ্য কয়া উরে, অরাব অকিব কয়া হাকথেংনরে অতুগ খাইদৈ নৌবা জ্ঞান অমন "অশিব হায়ব লাইদে।" মশক কমদোই হায়বসে ঐ খঙংঙ ভাই।

পামির:—কদায়দ থেংনক্লহুন মশক খঙহৌরিবা? ঐখোয়দি উরক্তে হায়।

শঙ্ক:—নখোয়ন অঙকপ ফজব উনপাক, উনতুরেল, চীংমশোঙদ মুংশা য়ৈব, মচু কয়াগি, উরী উপাল য়েংনবদ লা কৈক্লদো! ফজবদ মিস করিরে কংবী লৈশাবী অম লাইথোক্লনা মৈ কাবক কাবক তোব্বাঙ্গ থারগ হুন্দোক্লম্ব হু উরক প্রা।

পামির:—চীংথক্তবু কদায়রাইদা, উরক্লেনা ঐথোয়দি?

শঙ্ক:—ঐদি উরকই পামির ভাই। অশিব হায়বহু উরোক্লম ঙৌরোক ঙৌন ফজে, অহুবু, উন চীংমারহুন কিন্তুখিবদো নখোয় ঐখোয় মী কয়া পুন্ন ননব কোয়নি? ফজহুন কৈদৌদগে কোম্লগা নম্বুরকপদ থরাই থংপ্রবদবো? কায়দে ভাই, ইমানবদি হুজিক অযুক আ: ইক্কালদ হোটেলগি চা থক, নুমিদাংবাই লীলা সিনেমাগি প্রোগ্রাম শেম্বরম্নি। ফজরব লমদা শুরাইদ শাংপ হৈরাং লৈরাং অপাম্ব অম হেকলগ শৎ হন য়ুমদ থাক্লসি কায়দে

শঙ্গ কত্তব কুইন তিন্নগুমসি।

পাঃ —শঙ্কর ভাই পাখৎকম্নু নঙসি ভাব মাম্না তাখিব্রেদ।।

শঙ্কর :—অশিবগি লৈকাইংসিদ কুইন লৈথনিংব নঙন ভাব তারগ য়ুমদ কল্লগ নীংতম্ন হিংনিংব ঐবুন ভাব তাদে হায়রিবসিবু করিগিনো ?

পাঃ — ঐখোয়ন ফিরান থেংলুসি হায়ঙনা মাম্না বান থা ৩/৪ চংন হোৎনরকইবসি কদায়দ থেংলুদৌরিনো নঙ ভাব তারিব্রাও ?

শঙ্কর :—অশিবগী শঙ্কর লাকপা মাউন্ট এভরেষ্ট হায়ব খ্বাইদৈ রাংবা চীংদোনঙগি শিক্ষাদ লৈ থেংপগুম য়ুংলুদৌরিবনি খঙঙে।

পাঃ —অহু নত্তে শঙ্কর বাবু ঐখোয়গি লাইরব পাংব্রব টিম অসিন তৌরিব ৎবকসি গৌরীশঙকর মতোন য়োবগুম বানি হায়বদনে।

শঙঃ —জ্ঞান লৈব ইবুঙো ফিরানবু কদায় রাইদ য়ুংলুব তারবগে ?

পাঃ—মখোঙদ য়ুংগদৌরিবনি।

শঙ :—থা ৩/৪ চং অমুক ইংন অমুক রান কাররুগ মখোঙদ য়ুংব অমুক তারব, ফরে ফরে, কুমু কুমথসি হায়রবদি, লাকও তাঁবুঅকা শীদোক্লসি।

পামি —চীংখোঙ হায়ব নত্তে, ২১ শুব ইং কুমজাগি মখোঙদ য়ুংদৌরিবনে।

শঙঃ (মথুংথেক পারগ): হায়, চহি ২৪/২৫ শাংন রাংলিব

জাংলাও ?

পাঃ—উম, ঘাংচি. ২১ শুব ইং কুমজা হৌগদব চহি-২৪২৫ বাংলি। ২১ সি মশক খঙব্রা ? উম্ম কুম্ন গৌরী শঙ্কর্র শুমত্রা, মৈগি চৌংগি খাম্লাংকুমত্রা ?

শঙ্কঃ—খঙদে, অমুক্ত হিয়াঙদ খেংনদ্রি, মমিদ ফাওব উজদ্রি।

পাঃ—২১ গি মরমদ শাম্নদৌব লীলাদি গৌরীশঙ্কর মত্তোন কাবগুম লুনি পাংদব ঐখোয়দ হায়বনে।

শঙঃ—তকমান অময়য—(কনব)

পাঃ—ঈশ্বর' কৃপানি, ঙসি' লীলাসি থরাক্ত খর য়াওন শান্নসি শঙ্কর ভায়।

শঙ্কঃ—শেল্লন চিলিব, এক্ট্রিশ অ নবন ফ দ্রিব—ঐখোয়ন লীলাদ মাই পাকদবসি লুদি লুখে দা—।

পাঃ—মী কাংবু অমন ষ্টেজদ হেক কুমদ মীতৈ মুপীদো জাং তারে হায়দুনা ওম্নব য়াওরে। ফিভমসিদ—

নোংমাইজি (মথাদে কৌরকই): কনা কনানো থরাই অমুক্ত থরাই, য়াওরিত্রা য়েংবিয়ো ঐবো ?

তাবগ থৌন্নী মতং খাদ অনী চংদুন চিংখংপি নোংমাইজিংবু, ঙাঁবুর (৩) দগি থোরকপা লীলীস্থ য়েংলৈ। নুংশা থবেং থবেং হোল্লগ +) যম্মৈ।)

ন্যোংমাইঃ—ঐগি থরাইসি মশীং শুরিত্রা অমুক্ত য়েংউ।

পাঃ—টিম লীদরন থরাই শুদব হৌনদে হৈ লীলী ওঙ্গজেন বোটল্ল পুরকউ) লীলীন চাঙাং খর য়ানত হাল্লপ পীরে)

শঙ্কঃ— উনচৗং নীংখায়ব হেনরবপ্রাও নহুগ উনগি ভুরেল বৈছরনী লানবদ ?

নোংঃ—(চা ২রক চুপ্পগ : পুলিসন তাপ্পবকপদ চীংচেগু চেল্লুবে, খুদি থীচুন অনীরক্কুং ভুবহ্ থরাই অনী বং কেলহৌরে। ঐন তুঞ্জিক চিংলিবসে থরাই অহুমদনি।

পাঃ—কদায়দৈ পুলিশ ? হিমালয়দবো ?

নোংঃ চীংলাই মীচেনগী নংমৈদগি অগুপ চাওব পুলিস অনীথক তারকলে, পোম্বাক ভগেংং সেংচিন্নগ চীংখাদ চেন্থবিব ভঙ্গন ফাইবোকতুদি তাপ্পদন চীংখক্ত চেনখংলকপ খৈরোই ঐডোঙ্গ তাপ্পবকইবনে। মশক মুংশিনচুন ঐন ভুখোকপ।

শঙ্ক :—তঙ্গন ফাইবোক কাযবদি করঙ্গ ?

নোং :—মীচেন চীংলাইবু নেক্রুগ কৌজেং ফাইনবনে। করিনো ২০ শুব শতাব্দি লোইশিনক্লে, ধর্ম্ম কায়ক্লে খঙলব ফাওব, ২১ গি যজ্ঞ লিংখৎনব কিদনেপ করিগি ভৌরোইদগে ? ঐগী মুপী রঙ্গ 24 ফাওব টুয়েন্টি পোইন্টকি শাজোকথে মীশাল জৌদম ৩২ মাই দাজীং! এন্নকুংঙ্গ মীং আই মস্তু রীচ দি টোপ। চোকথচুন ভুথৈ পামিরন ভাকই কথহন্নি)

শঙ্ক :—কৌজেংবু কদায়দ থেংনবা ?

নোংঃ—চীংখাদ তপ্প তপ্প চেন্থবিব উনপাক গ্রেসিয়ার অমগি মথক্ত ইংন কম মাদি সনা লুপা শারগে। মসিগী অপঙব কৌজেংশি লোকথাদ টুয়েন্টিবানগি থায়াংত সনাগি অরংবন

মমীং থকহন অয়েঙদ মথরাই মাংব তারে হায়দুন কাহুন পুরকইবনে।

পাম্বি:—ভেরী গুদ, কৌজেং য়াওরবদি ইশৈ শকপীনবৈ অবাবদু কোক্লে।

শঙ:— মঙ্গস্তু অম বাংলিনে, হিমালয়গি অয়ুক্ত খুমিং খোকাপনব

পাম্বি:—হিমালয়দ রোদোদেন্ড্রোন কৌব লৈ ঙাশং শাংপীদুন মঙুং শিনব য়ারবদি

চীংলাই:—(মখাদৈ): খৌরি থাদরকও,

কদোমদনো (5 তা মখোয়ন খৌরী থাদরগ চীংলাইন কৌজেং মখুং পুন্দুন পুরকপদ ঙক্ক য়েংনৈ। লীলীগা কৌজেংগ মমীংন হায়কেং নোক কৌনৈ।

জো:—পোথাক্কম্ন ঙহাক। (+ ৪দা কমহল্লি)

পা:— পুল্লিবদু লৌথোকপিরো চেনব ঙম্মরোই।

শঙ :—লীলী! অক্সিজেন বোটল মচা অমমম, লিটর অমত্ত কানবক্তাং। (গ্লাস চাঙাং, বিস্কুইট মচা ১/১ চিক্কুন থজিক থজিক চানব য়েম্লি, অতাব কাংথোক্লগ চানৈ চিহুন থকনৈ, পোং কাংবৈ মতৌ উহল্লি, ময়াম কৌজেংগি অকোইবদ কপ্ব লেপ্ল য়াওনৈ।)

জোংমাই:—(নদ কম): ঐ.থায় হুজক (হুবখিন পায়দুন য়েংথংলগ) কুট লিঙ্গী: ১৮/১৯ বাংন কারক্লে, চানব থকুব লুংশ। কোয়ব হিংনব পোংলম বাংলক্লে।

পম্বি:—কাথংকদব কুটলিংন লিশিং ১০/১১ বাংলি, লম হেন্নব য়াদে, পুব.চল ফানদব য়াদে, নুকুব মতম্লি হিমালয়দ প।

হোৎশোরকপ হু চেন্নব সুংশাশোর মনিল কংলবনি।

মো: - হিমালয়গি মনিঙদ বু বু কাম্বথোরকইব দিজিলগি মৈখু কারথনা কয়াদৈ চাইথোরকপ হু মহী, মপং, মনিল হি'চাথ কয়া'গি অচৌব ময়া, শাংলব খুজিল লাওবব থান্নাৎ। করি চাগে থকে লাওরি?

শঙ:—হুজিকপু লাওব :হৌরব্রাও?

নোং:—হৌন হৌন উতোন বাতোন দলাল মত্তোঙ্গগি মীশা চানীংই, মীসু নম্মিংই লাওরিবহু তাদে? ননাহু মেহীম মথোম্ন পংথহনখিব তারে!

শঙ:—মীপি ঈ থক্কে, মঁগি তোং চাগে হারবিবজাং ওইব্রে শঙ্গোইদাক মপান হিংচাবন হৌন হৌন লাওব্রিবদো?

শা: - মহাভারতকি বন পর্ব্বদ য়াওব বোক হায়রিব হি'চাবহুপি ঙা মকুম্ন হজক অমুক কিঙংতুম হি'ন চাব থোরক্রবনে। নোংমপি সকর খুদিংদ মী অমদৈ তাদন চাব হৌরক্লে নোংমপি চাকথাক। ঙসি কনাবু পীজথোকখিগি হায়বগে। চায় চারগ লাম্ব হেনব হিংচাব!

চীংলাই :—ঙসিপিদি মসিদৈ সনাশাবসি পীজথোকখ্রসে।

নোং মচীন জবান অমুক্ত হংখো হাৎত্রিজৈগি মমাংদ। হুজিক লম কেনব য়াত্রে ইমরক্কেন্সি পাঙ্গল, হুজিক্কে চহি ২৫ হাংথংলপদি ট্রেবল ইমরক্কেন্স নক্কগ পুন্নমক শিমিঙ্কব মহাপ্রলয়। (ভুই)

(ময়ামক কিবৈ, কৌদেংগু নিকই)

কৌজেং:—ঐখোয়না তাত্নিব বারী উপন্যাস অসিগি মমি লা ২১ হায়রিবসিবো ?

নোংমাইন ইঙ্গিৎ তৌবদ চীংলাইন হন্টর পায়রগ হৌগৎলি, মখুৎ পায়রগ।

চীংলাই:—অঙাংগি অশেম্ব বারীনি নত্রগ অচুম্বনি হায়বদু খঙনব তাকে হৌগৎলু।

মোং:—ঙাইখো, মিষ্টর কৌজে, নঙ, ২১ শুব শতাব্দি হায়ব লীলাসিদ ইশৈ শকে শকলোই ? নচীন চুম্ম, অরায়দি য়ামদব য়াই লায়রব টিম্নি ঐখোয়, নুপী অঙাংগি শাপ্ন মপ্নো কানরব।

কৌ:—দিরেক্টর সাহেব, সনা লুপা শাব মতমদ ভুক মুংঙাইদুন ঙংবদি ঙংজে, লীল কালা লমজাউ লম্মাংদদি ইশৈ লাওজজ্রে।

মোং:—গৌরী শঙ্কর কাবসিদ কাওব শক্লরোই ?

কৌ:—অঙম্ব উনকুপ চীংজাউ বান কাবদ ইশৈ শকপদি য়াম্ন বাদি মেজরোই। ঙাকপিয়ু ইংবনমু অহ- অহু হু

(লোক থুংজৈ)

পামি: সনা শানব লুপা থুমব শকপ ইশৈন অমনি, লৈবাক মীয়ামগি থবাক কয়ব ইশৈদি চা কপ ১ থকপ কংজ্রবমু নঙ শকপ ভায়। ময়মদি নঙ মী অমনি, য়েয়ু চীংলাই, শকে হায়দ্রিকাও য়েয়ু।

(অনৌরক অহমরক রৈ বান থাংই)

নোং:—কাবক কাবক হৈরগনু, নঙোন্দ হায়ৰ তম্বিখোরা চাওবাই ?
অকংব লমদ পুন তৌথরগ শুহাপি ঈশিং থোকই, কন্ন
থঙ্গ শোক্লুব কয়্ন ইশৈগি ইকুং কাপথংলকপ য়াই।

লিলী :—(কপ্লি ২ থাম্নগ) : ফুব লেপ্লিরো, মাগি মতুংতা ঐ
কাবক কাবক শকচরগে, কপ্নি ইশেনো ?

(পাম্মিৰ মোংম্বাই চক মমীং চাম্নরি)

শঙ্ক :—হৈ ! থরাই কোকপি নচন হম্বিনোংনাংগি ইশৈ করম্ন
শক্তৌরিবা ? ১১ শুব ইংকুমজা লাইরেন চিংচাবন ঐথোয়
পুম্বগি থেংচক লাংক্লৌবে, (লৌলী থংন চোংখংলি)
করম্নো থমজৌসিংগ ফাংজৌবনে।

লিলী :—ঐদি ফুব য়েংবচমদগী হায়বনে।

পা: —করে, মাবু শকতম্নো, হৈত্রগা মাঙোন্দ ফুব তারে।

নোং:—য়স, মচুনি কুনম্বা খাইগি মতিকচাব দিসিপ্লীন, শোয়রগা
হৈনব, চাওবাই, রেদাম লৈয়ু নচ। (লিলীদ থমকাদ)

চাওবাই:—হৈরগে ? (হুটৰ চাইগংলি মফিশেম)

লৌলী:—(শকই) করম্নো ঐবো করনো ? (কিন)

থচদে হৈ ঐবু করম্নো।
কাউরে হায়মি মথাদো।

কৌ:—করম্নো ঐবো করম্নো ? (কৌজেং য়াওবকই)

থচদে হৈ ঐবু করম্নো !
সনরেম্বী, ও সনরেম্বী থোরক্রে
ইমাবু কুংলেইহে ঈশিংদ লোক লোক শাংরবা।

লিলী :—অয়ো ইমা! লাওব)

পুম :—হৌগৎলো অবৈব অশিংবশ',

খোয়ক্লে' লৈজদ অপঙবশিং

পুম তাঙ্গোই ওঙনিকো।

করম্ম কদ্মগে খমরে লাকওইহে

প্রলয়গি কৈজাউ চাকখৎলে ছর',

(অপিবপ অহাং মম্মামগি কম্ম লাওব খোননুল ' ফিদ

কিনব ডক্লুব নাকোং মেঙ্গব …………)

ওঃ করম্মো 'খোমবু 'কর'ম্মা

খঙদেহৈ 'খোয়বু করম্মে

সনারেম্বী ওঃ সনারেম্বী খোয়ক্লো

ইমাবু ফুৎলে ঈশিংদ ফোক লোক শাবব।

লিলী :—অয়ো ইমা! শিরে শিরে! (লাওবা)

কৌ :—নোম নোম সাগাইতোং,

হমাং তান শাম্মখোক,

চানব লৈএগ তখেল থাঙ

অকংব হেক্ক চারগে, পীয়ো লাওরে কিংচাব

মীশা চাগে মম্মা কা, মীনু নঙ্গে শুং শুং

(টৈপ্লুগি খব চাউব অছাংশিন কম্ম কম্ম নিংছাই)

এঃ এঃ এঃ মাই ছঙ্গোই কেম্ম

শেংক চাগে অহাওবদ, লৈজদ পীমু ম্মংছাইব

ছেং ছে' ছ্যাও ছ্যাং কৌয়ং কৌয়ং

লাকে তুগে মুনগে, হাংকে তুপকে অঙখৈ
হিংগনি ওস্মোই শিনীংদে।
ঙেং ঙেং ঙ্যাও ঙ্যাও কৌয়েং কৌয়েং।

কৌ+লি :—ওঃ করম্নো 'খোয়বু করম্নো
খঙদৈ 'খোয়বু করম্নো
সনবেম্বী ওঃ সনবেম্বী খোয়ক্লো
ইমাবু ফুংলেহৈ ঈশিংদ লোক লোক শায়ব।

লিলী :—অয়ো ইমা। শিরে শিরে।

(নোংমাই, শঙকর, পামির, চীংলাই কিন ওকু লাংতকুল হুকং-হন্দ চংপ যাও নুংশা মপি হোন মান মান খোকপ পাখংনখি·······মরাম্রক খবাক)

শঙক :—মখাবু করি চখন লীলাস্বিবো?

পামি :—গৌরী শঙকর মতোন লোম্বব কাবনে তায়া।

নোং :—লীলা'গ ক্লাইমেক্স ঞৌনব মতোন কজন লোমনব চীং কাখংপনে, ফুট লিশীং ১০ বাংলি। য়ুমদ মুপীন চৈজরম্মু অঙাং ২ কপচহৌ লৈবাক্কী অঙাং মরামবু হিংচাবন চারং, মরম্মা কারিবদো খিংনবা লাকুন তায়, কনবা তায়, কাখংলু অখোবশা। (রাবন রাম্বব)

পা :—মাং খাংলো কোমরেদ কৌজেং।

শঙ :—পার্টি লিদম্ম বাস্তরে।

পামির :—লিলী, ওক্সিজেন কেটল? (মরাম্র লাকৈ)

শঙ :—পা'ঙল শোনব, পুক খনকাংতব পার্টিন অঙম অবাংব

লীলা মত্তোন কানব লাক্লবসি চুম্ফাৎতবনি।

পা :—তানিংদে শঙ্কর ভায়, তুহনা তুরবদি নৈমা তু হায়ব পাউরো নৈবনি। ঐখোয়বু নিপা নত্রাও?

কে.জে :—মীগি শেল তোল্লুহনা খর লোৎনৈ হায়বগি বানি নিপা চাক্তনি তুপী নত্তবমখৈ।

ময়াম্ন শোগৎপিরগ নোংমাইজিংবু চা পিথকই, খর খর কনখৎপ মত্তৌ উই। হৌগৎতুন শাজেল মত্তেক অমা তোই।

শঙ্ক :—ঐখোয়গি টিম জীদরন অসুক শোনবসিবু হক্তক মরক ইতৈমন খর লুনা শোবনরা?

কোং :—গৌরি শঙ্কর কাপম্ব হায়দুনা নতৈমন য়াম্ন: খৎমজে, ঐনা য়াবিনবতুদ সুংদাং তায়বজাৎসি ঐবু চাক পীজদ, পান্দুম অমগ মাইরেন মশ্চ অমগ ঐগী রেসননি, ২১গা লাম্না য়ানব হকচাং য়াংন শেংনবনি হায়রে। মাদি চীং কারোইদবনিন বৌ কটলা মাখন চায়।

পা :—রেডিওদ চসিপি অচৌক-অশা হবা সুংশিংকী পাউবু কন্নি তাখী লিলী?

লিলী :—টুন হোনব সুংশিং অকনব শিংপস্ন য়াই—শিংবস্ন য়াই হায়, ডগি নিনি হুমলিগি হবা সুংশিং চাং অসুম্ন নৈব য়াই হায়রি।

কো :—শিংপস্ন য়াই শিংতবস্ন য়াই।

শঙ্ক:—উঃ, অদুদি ওসি নিনী তম্মীসি কেম্পাত সুম তাশ থরা শাম ইশৈ তাজনীংব থর তা লৈব তারে।

নোংমা:—নো, মীকুপ অমত্ত তম লৈব য়াদ শঙ্কর বাবু, ঐখোয় ২১ পি মথোঙদ কিরাল মুংলুদব য়াদে। কোমরেদ পামির (রায়ারলেস তারি) করি পাউ লাকই রায়ার-লেস্ত? (তকচাং শাত্তেন)

পামির:—অসাই নোংঙাল্লকপদ দিরেক্টয়থোয় কৈতম ইবেম্ব রম্বা 24 না পীরকপ পাউদি ওসি তারা থোব, হোটেলদৈ শোংখিব শেল থোব মহাজন বিকাসিংন থিরকপ য়াই বেত কেম্পাসিদ। অত্ত থরুন।

নোং: মাগি শেলদি থোরক্রেকো?

পামির:—ইকৈতমসিদি থোরক্র—।

নোং: ওঃ মাই দার্লী! উদব কুইরেদা, মাদি ঐবু মুংশিদব নক্তেদনা। মীন শেল থোরনি, ইমাং খুদনব লোংচো হায়রুনা তাকপীরকইবোইরেকো। চান্নবী মাবু করম্ব কাউসিগে গৌরীশঙ্কর! অখোবশা মতম মাংহন্নব লৈত্রে, পরপ পরপ কাখংসি। (ময়াম্ব পরেং লেংহুন কানব হোই)

ইশৈ:—কাখংলু চংলু অখোবশা
য়োকুনি ওসি স্তোলেন্দ গৌরী
শঙ্করগী—
য়োকুনি য়োকুনি।

চানবী বম্বা তম্বাগি মিংলেন শোল্লগ
মিংলেন শোল্ল কান্নবদ করিগি বাকনি ?

(বাদে বাদে-বাদে)

ইতুংদ লেনবুন তান্নক্লে
মাঙগি উনচাং অঙম করিগি কিকনি

কিদে শেন্দোনবা কিদে।
(কিদে কিদে কিদে)

(নোংমাইজিংন অহানব শকপ কৌখি মইমদ চোকখৈ, বাইনোকুলারন চাংখক্ক য়েংখংলি, অতৌন কৈরাক কাব হৌনখ্রে, মহাক্ক তুং থংলগ খাশি)

নোং:—ঙাইখো অখোবশা, ঙাইহাক্ক ঙাইখো। অয়াম্নদ মখোঙ মখুং মী মানব লেং লেং চংপা। বিন্দু ১ উরে, মশিব স্নোমেন হায়বত্থু ওইরিব্রা শক্তমদি মাক্ক।

শঙ:—ঐ য়েংগে, ঐন য়েংলগ খঙনি। (য়েংই লৌয়গা) শোইক্রে স্নোমেন হায়বত্থুনি, নক্লগ মীময়াম নক্রপন মীচম ওইবম্ন য়াই। অমদি শোই.ম্ব।

পা:—ঐঙোন্দ পীবু শঙকর তায়। (লৌরগ য়েংই)

নোং:—মী খুদিংমক নখুং চাব খুংলাই অময়ম পায়বু, হাংপদি য়াদে স্নোমেনদি চঙন কাব তায়, তুপ য়োল্লগ লীলাশি শেন্দোন পুম কোকনি। (মী পুন্নমক খুংলাই পায়নৈ, কিনৈ, মখি শেন্নে)

পাঃ—ডিরেক্টর সাহেব, মসিদি কমদৌন লাকইবনো করিসু নত্তে, মহাজন বিন্ধানি।

নোং :—হা! বিন্ধ্যাসিং শেল থৌব অমুক লাক্লব, ভনম্রেদা মাগ ভাংনদৌবসিদে, মাব হেন্ন—।

চাং :—করিমত্তা চিংনবিনু, মাবুদি ঐ ঠিক তৌজগে লিলা লাও, ঐ বা হায়গে।

লিঃ—করি ভাংনো ? (চাংমিন্নখি বাইট উইংস্তু)

(নোংমাই পামিব লোম্ন বা ভানরি)

বিন্ধ্য :—(সগাইদৈ কৈরাক্র কুপথ ২) : বারোবিনু ইচাশা ইনাওশা নখোয়ন লীলাশঙগি থোঙ পুম্ব ঐবু চংহন্দন খিংলবনিন য়েঙ্গাই কারগ চংলক্লে, ভাকাক্কুংদি লীলা লেপখো বা য়ামদৌব নত্তে।

পাঃ—শরিগিনো খুত্তা বিন্ধ্য মহাজন্ন, শেল খম্ব তোল্লি হায়হুমবু মীগ লীলাদ ভুহাক লৈজন য়ৈখায়ব পীররিঙ্গুবো ?

শঙ্কঃ—ঐখোয়দি স্মোমেন হায়বগুনি নত্রগ মী মরীম্বি হায়হুন কারগ জুহ খম্মনি হায়হুন হবাওনরম্বিবনে।

কোঃ—ঐদি হিংচাব মথল অমনি হায়হুন নোংমৈন কাপ, হাংলগে থরুম্মবনে।

নোং :—করিনো খুড়ান পাম্বিবো শন্ন সং—সং হেক্ত।

বিন্ধ্য :—বংরৌব য়াদে দিরেক্টর সাহেব, হোল বাইবলি ভারান ৭৫০ খা ১৫ লি, হোটেলদ তল চাক, চা, বোরা খা ৬কি লুপা ৯০০, লীলাগি কিরোল পোং চৈ লৈনব শেল ওইন

পূখিবন ১১৫০, ইবেম্ম য়ম্মা 24 না শোংখিব পুংখবি পুম্ম ৭৮০ খোগোংপন ৩৫৮০ দনি।

নোং লুপা ৩৫৮০ হায়বত্ত মহাজন, আকালদদি করিস্ত লৈতব শেলনে খণ্ডো, তিট শ্লে ২ বক্ত শাম্নবম ৫০০০ ভারবদি শেন্দোয় য়াওন কংগনি ক্ষংশা খীকুনু। ঐখোয় লীলাসিদ একট্রেস অনৌবী অম য়াগ্রেদোরে, মহুত্তম মশক য়েংউ, হিসাব খাট্টা কোম্নগ কল্পৌশক্রক।

বিষ্কা :- হুজিক লুপা কৈশু লৈতব লিশীং ২ ভা পায়জখিগে খা অম অমুক ভাইজগে

পা :—লীলা কায়হনবিগে লৌরিত্রা খুডাগিসে হুজিকমক চৎপিখো থোল অথীব ভাবনীংম্রবাদ।

বিষ্কা :—ঐগী শেল শিংদোক্লন লীলা শাম্নবদি য়ারোই।

নোং :—নিক করি লৈছন ; কনা লৈ নিপাসিদ কোংগ্নোং খম ভাকপিখো।

লিলী :- হাংলে হাংলে, ঐবু খরাইদদি কনবিয়ো কনা কনানো ?

(চেংগ্নারক্লগ বিষ্কাগি মখোঙ্গ্দ ভুবৈ)

চাং :- চেন্দুনা কায়রোই চাউবী, লুপা ০০ লীগে লীবু নখরাই লীগে লীবু। ঐন কাদোক ভাঙ্গিদৈ নঙন লীলা কুম্নম্বিবু শতী সাবিত্রীগি মচংলাও ? ঐবু পুলিশন সিপাহীশিংন জেলদৈ চেনখে হায়দুন তাম্নবকই, সাইরেন খোংহৌরে, পয়প পয়প লীরো লীলা হৈবী। কনাগি য়াথংন লীলা য়াওরিবনো মরমওকপী ?

(ময়াম্ব থাম্মি, কানৈ থাং পায়ব চৌংলাইবু)

নোং :—হাইখো অথোবা, ঐথোয় পিগে ১০০ ওইরবদি।

পা : —ঐথোয়বুদি শাওনু ইনাও, মচোন্দ থর কায়জগত্র ঐথোয়গি লীলাস্ত থর ফগৎকত্র্ত হায়দুন—।

চৌং :—বারেম তানিংদে, শেল লুপা ১০০ পীয়ো নত্রগ লীলা মহাজন অহল অসিরা ঐগি লুপীরা অম পীরো থাংজৌসিন অয়াব কোকহল্লগে? ফদায়নো?

বিন্ধা :—(থক থক নিক। ইবুংঙো লীলা পায়শা (১০০ সিগ থারবদি হিংসাবতু ৩২৮০ শুবেকো। (১০০ পী নোংমাইদ, নোংমাইন অমুক চৌংলাইদ পীরগ চৌংলাই চৎখি)

চৌং : হৈ তমুবা! ঐন কেলদ চহি ১০ লৈখিদুৈদ ঐগি লুপীদু চরা হেনহনব য়াদে থঙ্ক (চেনখি)

বিন্ধা :—হরে হরে! ইবুংঙো নোংমাইজিং নিপাহুবু কনানোনে?

নোং :—লুপী মচা লিলীগি মত্তৈনি, মী হাংলুবৈ কেশ অমদ চহি ১০ ফাদোক তারিবনি, চেল্লকুম্ব তারে।

বিন্ধা :—লুপী মচাসিবু চরা হেলহনব য়াদে হায়রমবন করি অর্থনো?

লিলী করিমত লুংশা থৌকনু খুডা, ঐ হয়েং লাক্কে মরোল অকুপ্প চাংনসি চসি অহিংদি খেংলনি য়ুমদ হনবিয়ো। মহাক অমুক লাক্লগ ফত্তে; সোমদ সোমদা লেংখ্রো লাকও। (খিল্লোকখি অত্তোপ্প মাইকৈদ চৌংলাইন ১০০ চৎপী মখুংন ফিরাল হায়গংপগুম পায়রগ নোক নোক্কন চংলকই, নোংমাইদ পীরৈ।)

নোং :—থেঙ্ক য়ু মাই গুদ এক্টর।

পাম :—ওসিগ হৱা লুংশিংসি চী· কাব য়ানি থাজত্রে। চাগদব চায়গ ওহাক ওহাক পোখানব ত্তৌরসি।

কৌ :—চাদি ইচা চাদন অৱাংবদ পংকাদ কাবস্থ ওয়বদি কস্তব নত্তে।

শঙ :—চাক লাম্ব কব ইশৈ অমত্ত· কাপথ·লুদনা যিষ্টর কৌজেং।

কৌ :—বাবু অৱাম্ব থৌরাংব মীৎদি অচৌকপন থ্বাইদৈ লুংঙাইব ইশৈনি।

(রত্না অমদি গৌরী অমন মীতৈ ফিজেংত্ত শেং গৌরীন শালবার নত্রগ 'খোংগ্রাও অচোনষ শেং ওভরকোট লিং মাইথুম নত্রগ টুপী উপ কৌরকই।

রত্না :—(মনুংদৈ): খৌরী থাদনকও, খর চিংখৎলো

("কনাগি খোনো' কায়নৈ হৈনৈ মমীৎ মনা ইথক খগৎন। নোংমাইন ইঙ্গিৎ ত্তৌবদ শঙকর অমদি চৌংলাইন খৌরী থাদকরগ লুপী অনীগ্র অময়ম চিংখৎলুই। লিলী ১দি কৌজেংম চাঙা· ·দি বিস্কুইট য়াম্ম লিক্ত য়েল্লি।)

নোংমাই :—হলো, মাই দার্লীং!

রত্না :—হলো, খোনাইদবশা!

নোং :—অমদি কনানো?

রত্না :—কেকু লোৎপিনি, নশক য়েংব য়ারোই।

পাবির :—লেংশিন্নকও চা থানসি।

রত্না :— এংখায়দি টুয়েল্ভ পোইন্ট প্রোগ্রামগি ব ষ্টিনি চাঙাং

চাকচাংনচিংব টুরেন্টিবানগি পার্টিন চানব হাওভবশিংমু চাজদে।

নোং :—ঐখোয়বু লকুব লাকইব্রাও ?

রত্না :—শেল খোব লাকইবনি, মহাজন বিন্ধ্যাসিংমগ্ন করি করি করিনো য়াম্ন চায়থরকপনি। হৌজিকপু করম করম চখথ্রিবগে ? থৌনাইদবঅতনবশিংন তৌগদবন্থ পুক থনফাং-ভবশিংন মতো' তম্ববু কৈ চায়গদ্রাও ? ঐখোয়গি ২০ পোইন্টগি থৌরমদ য়াও ও শেংপ চাব লৈনব য়ুম মী ওইবদ চ'ব পোংলম পুথ ফ নিয়ে। য়ুমাল কগংলব মতুংদ হরাও কুম্মৈ লীলা কলা, গাড্ডীন সন চিংলবদি নোকুব মশায় তাবনে।

নোং :—বিন্ধ্য উয়রে, মাগি লুপা জিশীং ৩/৪বুদি চুজিকাঙ্ক কৈন্ত লৈতে, ফিট গ্রে ২ দং উ লগ শীখোকখিনি। হৌজিক ঐখোয় উনপুখ মুংশিং অকনব লাকানি হায়ছন:কাব লেপকবনি।

রত্না :—উন পুব মুংশিং চাববু ঐনে, ঐগি শেল পীয়ো ড্রেক্টর অম লৈব ভারে।

নেং :—মী লিশীং ১০গি মতুংদ কলাকার ১ থনবদ য়াওরব ঐখোয়গি লীলা তৌব য়াই, মী লিশীং ২গ ৯৯৯ ছুন লৌউনি, থবক শনি লম্বীদ কারখানাদ নখোয়গি পোইন্ট ২০ প্রোগ্রামদ য়াওহল্লু।

রত্না :—নখোয়গি অথনব আর্টিস্শিংছুন লীলা উৎপদ অনেকপ

ভাবোক নত্রবদি য়েংবিদে হায়নৈ। ভিক্ষাদ হিংব ইকাইদ্রাও ঐখোয়রোমদ লেমন য়াওরো-ও। মেহ্নীনগী জগোই, ট্রেক্টরন লৌখোইবগি জগোই য়েংবস্থ নুংঙাইব পুকস্থ থনব। লৌমী শিন্মি পুম্ব আর্টিষ্টকুম শুনরবদ মখো চাওখৎতব হৌনব্রাও ?

নোং :—নখোয়গি ট্রেক্টরবু কনান থৌবিদগে ? মুপীনবু।

মন্ত্রী :—ঐগ লাকমিন্নারবাস ট্রেক্টর খোবদ কাষ্ট ক্লাসনি। ময়াম অমুক্ত য়েংসি ঐখোয়স্থ তমহোগে। য়েংসে য়েংসে।

মন্ত্রী :—গৌরী শেম শাও জগোই শাদোকাসি ২০ point কি মী থোমইবনি তনব য়াদে। হৌগৎলু নক্ষি শেম্মু ২১গি অতনব ইচিন্না ওশিং

(কি শেম্মগ জগোই শামিনৈ ঙহাক)

গৌরী :—উৎপিনিংইব ট্রেক্টর, পোইন্ট ২০-গি ইকোনোমিক প্রোগ্রামদ শিজিন্নবহ্, লম্বীদ লেপ্লন্থন থোক্নো হায়ব্রা। নত্রগ চীংকাউসি নেমথহন্নব টেম্বথবদ শিজন্নগদ্রা ?

শঙ :—য়াববদি ইবেম্ম কাখৎপ য়াদনব গৌরি শঙকর মতোম্মু চীংখোঙদ চিংথবিরো, মথক্ত য়াকীং অমুক্ত চৎচগে।

গৌরী :—চুদি চিংথব য়াঙবিরো মাংজিন থান সুবাইদ।

শঙ :—থেঙক য়ু।

(মাঙদ গৌরীশঙকর মথংদ রম্বা পামিম্ব, অচুবৈ লিলী কৌজেং, মৈমদ নোংমাইজীং চীংলাই লেপ্লগ ট্রেক্টরন চীংমায় কোখবগি জগোই শায় ম্যুজিকন কন্দন ইশৈ ইরৈ। মাঙদ

চৎপ তান চান হৈদোকপ অমুক অনীরক হয় তৌব
অতুগ চান্নন শকদব ইশৈ ;
জগ্ জগ্ - জগ্ জগ্ - জগ্ জগ্ জগ্ ।

জায়গা পীয়্ ঐগি
মুংঙাইদৌর য়েংলগ
হায় লৈরি জায়গাসে
খবাই তাদে ঐগি
ইহাং হাংই তান্নি তান্নি । জগ পীয়্
জগ্ জগ্ জগ্ জগ্ জগ্ জগা জগ !
জায়গা চাব ওইরবদি
মরম ওক্ল লৈজগে
হুমাং তান নোমজগে
জগ জগ—জগ
পীন খোদা পাংজগে
পুন্নি তোলোই পাজগে ।

পা :—(লোইরগ) : গৌরী শঙ্করগি ঐগি তাবময়া থয় মেমথব উরেনে, ময়ামশু য়েংবিয়ুদো ? (মৈমৈ)

শঙ্ক :—য়ায় নেয়ে, পাংদব ঐ কাওব কাবা হুমনি

লোং :—বিপাবচা মমা ; গৌরী হায়রিবী ইবেম য়াইজরগি খনম্মো চৌং কামিন্নগে মহাক য়াওরবদি ঐখোয়ন মৌনিংইব লীলাগী তোন্নেনগি থয় লাবব তায় ।

রত্না :—অরেম্ব কান্নদব মংলান লীলাগি থবকনি তোকউ মান্নেন্নে অচাং নিংঙাই কত্তবগুম।

নোং :—হায়হৈদে চাকহাও রত্না নঙগি টুয়েন্টি পোইন্ট ইকো-নোমিক প্রোগ্রামশিংন লৈত লায়র কোক্লব মুথাম কগংনবনি

ঐখোয়গি টুয়েন্টি কাট্টা সেক্চুরী থেংনব লীলাসিন পুক থন্নবশিংবু মরেপ বাংহন্নবনি, খুদোংথীব কন্নাবু কানবা চমথম্নবনি।

রত্না :—২০ হায় খীরগ কুনথাখোই লাকদব:ম। মন লৈত্রিদৈন কৌদো· কাম হাংকনো। বিজ্ঞাসিংগি তোন্নিব শেনমাম ঐন জামিন মাক্নবহ স্রক কুইবকাও শিংত্রবনিন মুংশা খীরে ঐবু ·মজোম্ব মঙ্কান· থম্নবজাংলা মখোয়দ লৈক্রোয়া ঐবো ?

নোং :—ই: ই: মচুদি কদায়দৈ ? শো অনীক জাগদব শেল লুপা লিশীং ৩/৪ গিদমক লিয়াই গুইবী নঙবু চেনলীং ঐন করম পীখোকদগে। মাইপাক্লপা, চীংদোম মৌব লীলা ৩/৪ থকং শারমিগে মচুদৈদি বস, নঙগি পোইন্ট ২০ চুদা ঐমু মাওররনি।

রত্না :—চসিগিসি মথক্ত, কয়ে, লীলা ১ ভাগ হোৎনখো, মচুদ পৌরীশঙ্কর মতোন লোম্ব চমত্রগদি কোকলোকো মী থানদব অজনথশিং। মখোয়নদি কন মুংঙ্কাইরে মপা লৈক্রে হায়চুন জৌজন্নিবশিংচু নচুংথদি মুংঙাইতে অচাং মান্নি কায়চুনা লইন্নে থঙজে। ঐখোয়গি ২০ পোইন্টকিদি

মহৈ মরোং অনুপ অনুপ চাইব, কজরব ফিজেৎ লৈতেংউ, মুম লৈব মাব মশা নাসব মমীংন উনদন থাড়ব ওমদে।

পা :—মানি ইচৈমসিজ, কলা লীলাগি থবক্তি পাদম অকব লৈত্তবন অমম অমবু থাননদে, ঐখোয়ন মকরে ঐখোয়ন মহৈয়ে হায়নব য়াম্মি।

শঙ :—ইথী থীবহু মচীন কনবা মীন ত্তোয়ন লাওহুন কটে থাগৎলবদি মীয়াম বাথল থনব ত্তনবশিংন চুম্মব ওইব থল্লি।

রত্ন :—করে, মীগি বা থমখো। নখোয় লীলাসিদ হুপী মচা গৌরীসি কাম্নগত্রাও ? পাম্মি পামদে মশক মহৈ অহু অদা ত্তৌনবজাৎলা ?

শঙ :—কনামত্ত ত্তৌনরোই।

রত্না :—গৌরীবু পাম্নবথে অমুক্ত থুং থাজৎপিয়ু ?

(খোগোৎপ থাজৎপ)

করে বা মত্তদি হায়রোপে, ইবোখোয় নখোয় মচোন লীলাগি মীশিংসে মুংশিনব শাবদৈ ত্তাকবংপান্দমু চৈজপি হৈনবিহু পুরক মায় চেনগল্লি হায়নৈ, মত্নমক্তি মৌহুকো।

পা :—কদায়নৈনো ইচৈমইবেম ঐখোয়দি সিসীপ্নীন কনপ্ত্র পোৎনি।

রত্না :—ঐ হয়ে টৈনজীং সাহেব, হায়নব শোইনশুমসি।

বোং :—থেগুক য় দালীং। মগুন কোইনীংবমথৈ কোইয়ু রত্না, ত্তৌবহদি অত্তাং অনীহু ঈশিংদ ইবোইদনব ইমুং শো লোম্নগ

থম্মুকো নঙন লেংখোক্লমদাইদ।

মম্মা:—মহাজন বিক্কা কাউমুকো নিপা মচা মপা, মহাক শেল নক্তুগ মাল পাম্মবনিকো।

শঙ:—মুংশিং মুংশাদি মাম্ম করনি হায়রে। ঙসি অহিংদি পোথারগ হয়েং অমুক্তি মুকশোই শোইদন চীংদোন লোম্মুব তায়।

পা:—করি করিনো ত্রেদকা লৈরিত্রা? থর থর চিক্লগ পোথাবব তৌরসি। ঐখোয়ন কাবকইব চীংজাউসি ফুট লিশীং ২৮ শুরক্লেদো।

নোং:—হুজিক ঐখোয়দ খুয়ৌ চনবিরনব মপান্দ করিমত লৈত্রে। মমুংদে হায়বদি ঈশা ঈশাদে লিংজেল মায়দব, লমহেনব, দিসিপ্লীন কায়ব নঙন ঐখোয়বু গৌরীশঙকর মতোব লোমহল্লোইদবগী মরম করিমত্ত লৈত্রে। মরুপশা হরাউ-গদব মতম কুইত্রে, ঐখোয়গি কিরান থাইদে বাংব চীংদোন্দ থেংলুরনি লিংজেন্দ মায়বিমু।

(চান থক্লব লিলীন লগোইদ য়েঙে তান চান, নিপামথৈন (+3) দা চংত্রে, মুপী ২ ন। (4) লৈরে।)

নোংমাই,—পামির শঙকর অতৈম কেম্প তাঁবুম মনুংদ চংত্রগ মায়ী চীকথনরি।

পা:—ঙসি ইতৈম রত্নান গৌম্মী থনস্বসি চীংদোন ম্যেব ঙমদোব মানথেদ্রা। থবাই মাঙনসিকো তায়া শঙকর।

শঙ:—ঐদোন্দ থোদারকম্ পামির তায়। ঐহাক ইথৌ থঙব

নিপানি। ঐবু শাওহনগনু যাই পাকসি হায়রবদি।

পা:—নহুন শাওদনব ঐখোয়বু ভুলা চাগে হায়রবসু বরকি চাগে হায়রবসু খ্বাইরমন্দৈ লৈরুব ভাবত্রাও?

শঙ:—নাত্তে চাদব বাহু দিপুটি লীদর নজ্ঞাগ ডিরেক্টরগি মচিন্দগি ভাকন্দব কৈ।

পা:—ঐচোন্দ ওর্দ তৌগকনু শঙ্কর।

শঙ:—নখোন্দু যাকনু পাখির, শঙ্করবু নঙ ঘশক মুন্ন খণ্ডদে নোংম খঙলব য়াই।

নোং:—(পায়খৈদে): কিপ কাইট, বোধ ওক যু। লাংগনু, অতৈ চুখ যাখোই হুন্দিকপু চুংগ হৌদোংগ চিকুব মতমলাও? লাকও পোথাকয়সি।

মঙক থাজংদুন লোয় য়েংনব পুংশা থিনবা চুয়থ থরন লিন্দী, কৌনেং। চুয়ব যন্সৌ অচীকপ, নাখোক্রুব—ওহাক লৈরগ কৌনেং থোরকই লোয় খুকখুনক কুন্দুন (7) লা করগ থহাং খুংন পৌ ইটেশ নেমন ঙংলৈ। ওহাক লোয় তায় মঙক লিংখোক লিন্দীন। যণ শাত্রুন থোরকই কৌনেং মনাক য়ৌরকই।

ইশৈ

চিকুব চীংলোন্দ মন্নব অহিংগ
ইতোন্দত কনত 'কবি খন্নি' ঐবো?
হিংলি খঙদি ঐ, সত্রপগি খোঙমীওয
